অনৌংবগী তুংনফম

T

K

S


অইবা ঃ—
শ্রীথোকচোম কুল্লচন্দ্র সিংহ
শিংজমৈ মথা থোঙাম লৈকাই, ইম্ফাল

অইবা :—
শ্রীখোকচোম কুঞ্জচন্দ্র সিংহ

সন্ত পুস্তক অইবসীনি।

মমল— লুপা ১৫

অকোঙবা :—
অইবা।



কোপী—১০০০
ইংশোক - ১৯৮৭

ছাপা নম্ফম :
শ্রি মণিপুর গীতা প্রেস
শিংজমৈ বাজার, ইম্ফাল।

থাগৎচবা

টি. কে. এস গী ওঝা কুল্লন্দ্রগী "অমৌংবগী তুংমকম" হায়বা লাইরিক অসি তুংগী মীয়োল কয়াগী কান্নবা ওইরকদবা লাইরিক অমনি থৈজে। ঐখোয়গী মমাংগী মীয়োল কয়ামা শিজিন্নরম্লা লৌয়ম-শরাগী মরক ওইনা পুমিৎ, থা, চহি কয়াগী খোঙচৎকী অমদি নিংথৌয়োলশিংগী চৎনা-পনাপ কয়া মতম মতমগী অমদি মোংমগী চৎনবী ময়াম অসিবু ওঝা অসিনা পুখোকপীরক্কনা মতাবোল কয়াগী খৈরবা ওইচনা সমাজগী লমজিংদা কান্নপনি হায়না নীংথৈজে। ওঝা অসিগী "অমৌংবগী তুংমকম" হায়বা লাইরিক মচা অসি শাজরুকদনা চাহি ৭০/৮০ মোমগী মমাংগী ঐখোয়না উজখোৎরবা খোৎনেক-বাখোক, চৎনা-লোমচৎ কয়া থগবা ঙমজবে। হায়রিবা লাইরিক মচা অসিদগী তুংগী মতাবোল কয়াগী পুক্নিং অনৌবা লমজিং অমা ওইরকনি হায়বা মীংথৈজে।

শ্রী ওক্রম বোরমনি সিংহ
শিংজমৈ, খোংনাংকৈদেকপী।

বাহ্রে খরুদং শ্রীংশিংজরো

[illegible] [illegible] থোরোক [illegible] পাম্লিংউজা [illegible] [illegible] তৌরম [illegible] থোক [illegible] উথিকা, পুক্লিংনা নাংখিরা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] উথিবা [illegible] অর্থনিংঙিথি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অসি ইথখরবনি। অপুনবা [illegible] [illegible] [illegible] শিংথদি কথবা ওইসনু হায়না নীংলপা ভাবো-উবোৗনবাশিংগী মকমদা থশেংবা, অচুম্বা অসি পুথোকচবনি। অনীংবগী তুংনকম। হরিভক্তিবিলাস দৃশ্যকবি সয়থাত থুক্নমৈ ওসি।

চহি ৫৫ নি মমাঙদা মতং, মোইরাংখোম কৈথেলগী লৈপুং, থম্বুখোংগী বারী পুলিসলেন্দা কৈথেল কাখিবা, মহা-বলিগী শেকপী কাপ্পগী বাখল, ভোটি ঈশিংগী বারী, ইবোহ-শেম্বগী কোমফু, সনাহল লোকচাওগী বীজুলি থানবগী বারী, এনাং লৈকাই ভোটি, মোইরাংখোম কৈথেলগী ভোটি, ভোটিদা ইকপশিনবগী রাথোক, কি শুক্তিনবগী সুংঙাইবা। কালিদাই মমাঙদা লৈরম্বা থোবী, থাবম লাকপগী থাওরকী শরন, মোইরাং-খোমগী হাইস্কুল লাকপগী থোপ পালা, কৈশাম্পাং কৈশাম মথংগী ঝুলোন মতম অহুগী তাউগু কণ্ডগী মতং; পঞ্চায়েট, দরবার, দরবার মেম্বর, কেরাণী, পৌরংশঙ, ছাপাখানা বাবুপরাগী দুর্গা পূজা, রাম লীলা। কেশামথোং মোইরাংথৌ লৈরক্লা লৈবা সনা জন্মদাম্বা চুড়াচান্দ মহারাজগী মপোক থুহিত্তা শামবা ড্রামা। মতম অহুগী লম্বী-থোং পুম্নমক অসে মতম অহুদা মহা ওইরিবা পাখংশিং মতম অহুগী অহল-লম্মনশিং মতম অহুদা থবক তৌরম্বশিং, মতম অহুগী ঊম্নখিবা অঙাংশিং নীংশিংলুবগা মখোয়না চাওখিবা, তৌখিবা, তৌরম্বা, হৌজিক অহল ওইরক্লগা চাওলক্লিবা পুম্নমক পুমওম ওনশ্লে। নহা তুরেলগী হি চংপগী বারী, শিংজৈনা চাক থোংলম্বা, কৈশামথোংদা শিংজৈং য়োনবগী বারী অসি নীংশিংলুবগা হেম্না হেম্না নীংশিংলকই। অঙাং ওইরিঙৈদা উথিবা ড্রামাশিং, খুয়াম লৈকাই লাইরেম্বী লম্পাক্তা চহি চহিগী ঊংপা ড্রামা, পুলিসলেন্ডগী মেলা,

মেলাগী অমা থংবা মাকন্দা শামখিব, ড্রামা, কোমুংগী মাস মস্মলদা মতম অহূগী পাখঙশিংনা মপুং ওইনা শামখিবা ড্রামা কাকৈথেলগী খোমস্ত্রাম ধনচন্দ্র সিংহ খাই পি অমদি পুলিসলেপ্তগী সরোখাইবম ললিতো সিংহ মতম অহূগী মী, হৌজিক পঙরাম মাম-শিল্লক্লে। তিমরম্বা ইমামবশিংনা লৈখিদবদা, উবম শংবু উখিদবা ঐগী পূক্সী না মায় পুংশাইজখিদে। হৌজিক মতম অহূদা থঙখিবা উখিবা মীরোলশিং উমপা মস্তকী মতিক পুংশাইদৈ। মহ্যক্তি হিংলিবোইদুরে হায়না খল্লি। পুক্সিদদু তাম্না মীংই। তেনরম্বা মতম চহি ৬০/৭০ গী মতম অসিদা খোকখিবা খোদোক থমা উখিবা, থঙজখিবা, লৈমম্বা লৈখিত্রবশিংবু মীংশিংমুমগা ঐনা লাইরিক মচা খাস ইবিংলকই। অমীংবগী তুংমকম অহানবা খোঙ থাংজিনবা পাম্না খসি জাশি অসিনা চেনমকই। লাইরিক অসিদা হায়খিবা ধর্ম খসি কায়দনা চংলি মসিবু কায়দনা চংলবা শাগৈ অহূনা অকবা ওইগনি। খনৌবশিংনা লাইরিক অসিদগী মাঙখিবা মাগৈশিং খসি কায়দনা শাগৈ অহূনা চংলি; চংকদমনি। চন্দ্রবদা মহাকী অমাবা তামক্রমদা হজিন্দুনা চংচম-খদি অহূমক পুংশাইবা হয়া কংগমি, শাগৈগী চংনবী খসি পাদোকপা মাত্রবা মথৌনি মায়না মীংঙ্ক। চাং নাইনা মীংঙ্ক খনৌবশিংদা কচ্চবা হুংশিবা মাহৈ।

লাইরিক অসিদা যাওরিবা অসুম্না পোল্লি। মোংঙী ভত্তমা খুদিং খুদিংগী [illegible] C (i)—C (ii) দা যাওরিবনি। থা থাগী ওইবা পানখৎলকপা. মপুং ফারকপা থোকখিবা থৌদোক, চহি অমগী পুনিমা ১২ গী থৌদোক যাখলমা নীংজরগা সেনাগী ভাবতা নীংথৌ অনৌবশিংদা কক্করি। থাগী ওইবা থৌদোকাশিংবু. নীংশিংবা থৌরমশিংবু ভত্তমা পাঙ-থোক্লমা খুরুমজবা মতু তৌই। চহি অহুম মহাক্কী থবক কংলে। থা খুদিংগী লাইরিক অসি পাগদবনি। লাইরিকপু হন্না হন্না পারগবদা লাইরিক অহুমা যাওরিবা অকুপ্পা মরোল খাংথল পুম্নমক থওই। মুংচাইবা পোক্লকই। যাথা গৌ [illegible] ॥

অইবা

য়াওফম ভাকপা

লামায়		হীরম

A—(i) কককেং মহুম (iii) লোশিনবা (iv) মীয়াম।

B—(i) লৌশিংগী ভুঙনকম (iii) মীংশিং পালম।

C—(i) অহানবা খোঙ থাংজিনবা (iii) গুরু গোসাইগী বায়ী।

D—(i) খুৎ-নি (ii) অথোইবা প্রভু (iii) খুমিংগী থুরুমজবা
(iv) অহৌবা অনৌবা পূর্ণিমা।

E—(i) ঐবু ঐমা থজবা (iii) উমংগী বায়ী।

F—(i) ঙজরন মহমদ বাখল (iv) কাংলেনগী পূর্ণিমা খুমিতা
ঈশিংদা থুরুমজবা

G—(i) মীওইবগী ভাব (ii) মবী লৈমনা বাখল (iii) লাইরু
ভানবা (iv) হেৈরককম।

H—(i) লীচিং অমা (ii) থাবিলবুক ইচা থা (iii) মরূপগী
মরু ওইরকই।

I—(i) ইচেন থা, মপুগী লাংওন (ii) থবান থা-ব মনথা।

J—(i) লাংবন থাগী নিপালনি পানবা থৌরাঙ্গী ছন্দ
(i) লাংবন তর্পণ।

K—(i) কজবা খুংশিবা মায়নি (মাযথোংনি) (ii) হিয়াঙ্গেগী
পূর্ণিমা ১৫ নি পানবা (iii) বাখল।

L—(i) অঈংবী ইমা (ii) ইমাগী খুমিং (iii) অকবা
শেমগৎলু (iii) কাক যাত্রা।

M—(i) কজেকো থেংউসে (iii) চাংগী বায়ী (iv) নিচোলগী
খুমিং হিয়াঙ্গেগী নিনি পানবা।

লামায় হৈয়ম

N—(i) জগৎ গুরু রাধা (ii) শচিগী ১০ শুবা মচা মিনাই (iv) মীয়াম্না খঙনরবা গৌতম বুধগী দাউঠাক।

O—(i) মরু ওইবা চিংমবা (iii) ঐগী শঙ্গ।

P—(i) অয়ুকী অচাৎবা ফজবা (iii) থাংগি ওয়ানিথোইগী অমম্বা।

Q—(i) মথোংবা মরীল নৈবা iv) মতম মতমগী অমাবা হুংচাইবা।

R—(i) অরানবা অৱোবা অয়ুক (iii) পোইরু থানিল (iii) পোইরুগী অয়ুক (iv) পোইরু বা শুবা অয়ুক।

S—(i) হোৎনমনগী মহৎ (iii) অমাবা (iv) ইমাক থুনবা অহল অমগী ৱারী।

T—(i) শেংদোকচবা (ii) ওন্নবা দুপা (iii) অয়ুক্তা ঈরুজবা (iv) থাকচৌংগী মাযম্ভাম।

U—(i) পৃথ্বক অসি ঈশ্বরগী মতম্নি (iii) কাইরেলগী নোংখা পানবা (iv) মহৈগী মবেম্বা।

V—(i) কাইরেলগী পূর্ণিমা (ii) হুংচাইবা (iii) কাইরেলগী ২৯ নি পানবা।

W—(i) চৎনরিবা পৈশা (ii) পুমিংকী শাপৈ।

X—(i) লমডা থানিল পূর্ণিমা (iii) পেচকারী।

(ii) মচু পুম্নমক্না তিনবা।

Y—(i) চিজোই ৱাক্নী (ii) মপুং কাবা হুংশিবা।

(ii) শিংজেন মামবা ভামহূনা থবক তৌবা (iii) চাং-নাইবা (iv) মওং।

Z—(i) অহৌবা অয়োইবা (ii) অশেম্বা শা মতুম (iii) মতম মতমগী মরৈ।

ককচেং মখল

মীওইবশিংনা তীবশিংদগী হাবল হায়া লৌশিন্নিজাইদি। হায়না ককচেং মহুম হায়া চাওনা চাউনা লাই। হাগী মতোংদা ককচেংশিংনা লাবা মহুমসে হৌজিক লান্নবা ফুটবল, মদু অসিদগী হেন্না চাউনা লাবনি। অদুক চাউরসিনা ককচেংশিংনা পুম্নপ লৈরম্মী। মতম অমাগদা হা লোইনা হৌনরম্মী। ইথোল পাক্লা অমগী লম মহুংদা হা হৌদবা লম লৈরমদে। অসিদগী চহি নিফুগী মমাংদা মতম পুম্নমক্তা হা হৌনরম্মী। মহুগী মুংদগী ইস্কাল মহৎসে হা অমতা হৌনদ্রে ককচেংগী মহুম ঊখিল্লে। ককচেং মহুম ঊখিল্লবা মীশিং অমুনা ককচেং মহুমদোনা পুম্নপ লৈপ্লিনরক্লে। মীওইবদি ককচেং নত্তে। কুংশীল্লরিবসে town (টাউন) অসি শঙ্গোন্না লেম্নবদা ইরাং-লায়না চিন্বা ফমনি।

খুরাইদা পাকিং ওইবীরু, চৌংথৈরোংদা পাকিং ওইবীরু, মাওরেম কাইবোকথোংদা পাকিং ওইবীরু, তেম্না কৈথেলদা পাকিং ওইবীরু, কাকৈথেলদা পাকিং ওইবীরু, শিংজমৈদা পাকিং ওইবীরু, কোংবা কৈথেলদা পাকিং ওইবীরু। টাউনগী মমাংদা লৈরিবা লম্বীশিংনা: সিটি বস, মিনি-বস চেলহনবীরু। Time Table যমথোকপীরু। অংলন, অংলন মাইনা থবীরু, পুংলীং থজহনবীরু। টাউন মহুংদা চেক্লোবা পাজাগী লেন অমতা যাক্লোই। টাউনগী কম্লিকেলদ থমনবীরু।

লম্বেলদগী শিংজুরৈ কাওবা চংপা মী অমনা হৈরবদা লুপা ৬ চঙই। খুরায়দগী মুপী অমনা কাক্কেথেল তাম্না লাকপদা লুপা ৬ তগী হেমা চঙই। মায়কৈ মায়কৈগী ওইবা তেনব্রবা লম অসিদা লুপা ৬ তগী ১৩ কাওবা চঙই। অচৌ-অথবা bag (বেগ) অমা দিমাপুরদগী ইম্ফাল কাওবা মুরকপগী তারগা, হায়রিবা তেনব্রবা লম অসিদা পুথোক-পুশিন তৌবগী তারাগা মাম্নে। খাহয়মবদগী ককচিং কাওবগী তারানা, শিংজুমৈদগী লম্বেল য়োবগী তারাদগী হেমা তগনে। কোংবা বেথেলদগা লম্বেল য়োবগী তারাগা ইম্ফালদগী চুরাচান্দপুর কাওবা চংপগী তারাগা মাম্নে।

মী কুংই হায়রিবসে চকপাকারোলগী থম কাওবা তিপ্রা হাইগংলকপদা লৈবদা মী ১৮ তনা থেংনবতবা য়াই। ককচেং মচুম শেমদোকপীয়ু। নাকল অমগুম্বা শেল থাদবীগনু মায়কৈ মামনা শেল থাদবীয়ু। পুক্কিং চিংশিনবি।

ঈশ্বরনা নীংজবি, খোজালবীরকনি শোয়দনা।
অখোইবা প্রভু, খুরুমজরি তসি।

অমীবগী চুম্লবা
ও
— খোমজীনবা —

Request
[illegible] Singh

লৌশীনবা

মীওইবনা অহানবদা লৈকুং লৈরাইদা লৈরম্মী। মর লৌশিং লৈরকুনা উন্‌থানা [illegible] [illegible] [illegible] হায়রসে শাখৈ। ইন্‌না [illegible] কূলপা [illegible] [illegible] চবোং অমসুং ভূমলৌক [illegible] কূপই [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] থওংদা খুম শাবগা লৈরবই। [illegible] থাম্মা লৈরম্মী। [illegible] লৌশিং তানশিনবৌ। অচাংশিংনা কাক [illegible] মুমা যেংই। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]! [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চেম চেমগা [illegible] কুম্মা মুমদু তোলেপা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লোজুনা [illegible]। [illegible] লৈরগা [illegible] [illegible] থিবা [illegible] [illegible] লৌথোকুনা [illegible]। ইন্‌না [illegible] লৈবিৎচেই [illegible] [illegible] [illegible] লৌশিং [illegible]। যোমহনা, চেমশিন্দুনা লোজুনা, ভুচশীন্দুনা, থম্লগা লৈরকুনা চাং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হায়রসে [illegible] [illegible] [illegible]। চাউরকগা [illegible] [illegible] মূখা [illegible] [illegible] [illegible] তানশিন্দুনা [illegible] লৈনরেকশিংহু চঙ্গা [illegible] থমরম্মী। চপূদা নক্তগা কোকুদা হাপ্তুনা থমরম্মী। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লোজুনা [illegible]। [illegible], উচেকশী [illegible] [illegible] লৌশিং [illegible], তানশিনরম্মী। [illegible], উচেকী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লোকপ, থোকপা [illegible]। [illegible] উচেকপু [illegible] তোধা হায়ংসে [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লৈনবা ঈশ্বরনা শেমই। [illegible] নীংশীবাহু নীংথনা [illegible]। নীংথমবা মপূনা শেম্বীবনি। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] শেম্বীবিবা হে অথোইবা, প্রভুবু [illegible] [illegible]।

মীয়াম

লোয়নবিবশিং ইমুং-মচুং পুম্নমক হুংশিনা তিনবা যাবা হোৎনবিবশিবু অশিংবনি। মীওইবা কনাগুমদি পৃথীবিদা লৈরিবা মী পুম্নমকপু হুংশিনবা হোৎলৈ। মশিনা মহাকী কবি কামবগে (হংবা যাই)। মশাগী কামবনি চায়না থুবা যাই। পৃথীবিদা লৈরিবা কনাগুম্বা মীনা পৃথীবিদা লৈরিবা জীব পুম্নমকপু তুম্না যাওহনবা ওম্বা থুনাই শাবা হোৎলৈ। মহাকম্ব জীবশিংগী মরক্তা লৈরিবনি। অসিগুম্বা থুংলাই শাবা হোৎনরিবা মহাকসে অপওবনি। মশানা মশাবু শিজনবা থুংলাই শারিবসে অপওবনি হায়বদা নাল্লোই। অসিগুম্বা যাবদ চেন্নিবা মীসে মীথিবোং মীওযাল কৌই।

জীবগী কামনবা মতম কুইনা লৈননবা লেচদনা লৈহোনবা হোৎনরিবা মীসে ঈশ্বরগী থৌজাল ফংলবা মীনি হায়না লৌগনি। ঈশ্বরগী থৌজ্জাল ফংলবা মীদি হুংশিবতবা মাগী ওইগনি। হুংশিবা হায়বসে ঈশ্বরগী শক্তি অমনি। নীংবা হায়বসে থাদোকপা য়াত্রবা ইথোনি। নীংবদগী লোইনমক থোক্লিরিবনি। অকবা করবা অনীংবদগী থোকখিবনি। অনীংবনা থবক তারকই। অনীংবনা মওং লেমই। শান্তিগী মওং লেঙোরিবী চৎ ইমা অথোইবী থুরবতরি ওনি।

অনীংবগী তুচনবা
৫
— থোয়দীনবা —

T. K. Singh

B—(1)

মৌশিংগী তুংডনকম

ভারতকী লম পুম্মক অত্তোপ্পা মীঈরবাক্তা লোইনা লৌশিনখ্রে। ভারতকী অয়াম্বা লম বৃটিসকী মখুত্তা লৈখি। অদুবু ভারতকী অন্দমান নিকোবর ঙসিংশিংদি জাপাননা লৌখি। ভারত মচানা ভারতপু মীঈবাক মচাগী মখুত্তগী কন্নবা হোংলৈ। অন্দমান ত্তোইদা চমী কয়া চঙনা হোংলৈ, স্বরাজ পীয় চাযবা খোলাওবা মকম পুম্মক্কী লাউৎনখ্রকই। জাপাননা ভারতদা অহানবা স্বরাজ পীখি। অন্দমান নিকোবর অসি ভারতত্তা স্বরাজ ফংবা অহানবনি। ভারত মচাগী মতুংদা খুটইদগী হায়না স্বরাজ ফংবা মীশক্তি শুভাস চন্দ্রবোসনি। অন্দমান নিকোবরগী খুটইদগী অচৌবা মী শুভাসনা ওইরে। জাপানগী খুটইদগী চাউবা মীগা মরূপ শামরে। I N A লৈমহুনা জাপানগা বা নানহনা মরূপ শামহুনা বৃটিশকী মথক্তা লান চঙলকখি। ভারতকী মোংপোকখংবা মণিপুর, কোহিমা হায়বনা থঙনবা লম ফাওবা I N A চঙশিল্লকখী। I N A অমসুং জাপানগী লান্মীনা মণিপুরগী লম্বী পুম্মক থিংজিনখি। মতম অদুদা বৃটিশনা এরোপ্লেনদা চান-থক্লুবা পোং-চৈ, খোল্লকুনা লক্ষেসদা থাদৈ। ভাউন কণ্ডগী অকোয়বদদি বৃটিসকী লান্মীনা ভাউনবু য়ায়া কমা ঙাকই। মোইরাংদা I N A চঙখি। চৌংগী মকম পুম্মক্তা জাপান অমদি অজাদ হিন্দ ফৌজগী লান্মীনা পুমকোম কোয়খি।

B—(II)

জপানগী মথক্তা য়েক্লবশিংনা হিরোশিমা অমদি নাগাশাকিদা এক্তোম বোম থাদখিবদগী লান লোইশিনখ্রে।

মীংতম লানগী মতাং অসিদা ভারতকী লিরবা ইতিহাস রামায়ণ নীংশিংবা য়াই। "প্রভু রাম চন্দ্রনা বনদা চৎপদা সিতাবু রাবননা হূখিবা, রামনা লাম তৌনবগীদমক্তা শুগ্রীববু মরূপ শাগ্রনা কিস্কিন্ধ লৈবাকী নিংথৌ হাপকনি হায়না বালিনা হাত্থিবা। লঙ্কাগী বিভিষণবু লঙ্কাগী নিংথৌ হাপকনি হায়খিবা, অযোধ্যাগী রাম মথোয় অহুম্না মরূপ শান্নে। রাবনগী মথক্তা লান তৌখি। লান তৌখিদুনু মতমদা মথোয় নিংথৌ ওইখ্রি। লান লোইরগা রাবণ হাৎলগা মথোয় অহুম নিংথৌ ওইখি।" অসিগুম্বা রামায়ণগী বারী অসিগা সুভাসকা জাপানগী টোজোগা মরূপ শান্নবিবা অসি রামায়ণগী বারীবু নীংশিংবা য়াই।

ভারতকী লিরবা বারী লাইরিকশিংসি জ্ঞানগী তুঙ্গমকমনি। রাখল লৈরবা মীওইশিংগী থুৎইনি। ঈশ্বরগী থৌজাল ফংবিবা মীওইমক্তনি। অথোইবা প্রভু থুক্রমজরি ওসি।

অনৌংবগী তুংনফম
ওঁ
থোমজিনবা

T K Singh

নীংশিং পালন

ওসি তাং ২৩ মার্চ অসি তাঃ রাম মনোহোর লোহিয়া নীংশিং কুমওন পালন মুমিংনি। ডাঃ রামবু নীংশিংবা, নোংপোক ভারত্তা লৈবা মণিপুরদা মযাম্না জেলদা চংনরবদা ঐন্দু শরুক যানি হায়না জেলদা চংখিবা মীওই অমবু নীংশিংবনি। ঐখোয় মণিপুরগীদি লোহিয়া অসে মঙল য়াম্নবা অমনি। মহাকপু নীংশিংগদবনি। ডাঃ লোহিয়ানা মণিপুর জেলদা লৈবা মতম অসে এডভাইজরি কাউন্সিল ওইনা থমই। মতম অদুদা মণিপুরগী প্রজাশিংনা "প্রজা সোসিয়েলিষ্ট পার্টি (P. S. P,) হায়না অপুনবা কাওলুপ অমা শেমদুনা এডভাইজরি কাউন্সিল ওইনা লৈবসে চুমদে হায়না হায়খি। মণিপুরস্থ State ওইংগদবনি হায়না অকনবা খোল্ল'ওপা লোয়মনা এডভাইজরি কাউন্সিল মুংথংলু হায়দুনা ভারত সরকার তাননবা প্রজা লিশিং লিশিংনা লাউখি। অহানবদা ভেবকিলোঙ এক্স এম, এল, এ, মেজর খুলদা লৈমবু ফাখি। অনিশুবা ফুখিবা মীওই মখোয়। ১। অঙোম্না. এক্স এম. এল, এ, থাংবৈবন্দদা লৈবা ২। ব্রজমণি শর্ম্মা, ব্রহ্মপুর ৩। থোকচোম কুলচন্দ্র, শিংজমৈ থোঙাম লৈকাই ৪। হোমেন্দ্রো সিংহ. কাকৈথেল মখোয় অসিনি। মথং হুমনিশুবা ফুখিবা থোকচোম অঙো INA Ex M L A য়াওবা মীওই ওরুক অসিনা ইহান হানবা ওইনা জেল থাজিনখি।

মতুংগী তুংদা মথং মথং জেলদা চংলকপনা তাউনগী অকোয়বদা লৈবা মী পুম্নমক অয়াম্বনা জেলদা চংখি। (জেলগী রেকোর্ডতা

লৈরিবনি। মচুমগী সরকারগী মায়োক্নদগী CRP Act সেক্সন ১৪৪ লাউথোকপ্রে। সেক্সন ১৪৪ বু থুগাইদুনা মীয়াম্না চত্তনখি। চাং অমত্তুং ত্তমদগী মীওইনা পুরক্লিগী ত্তদুনা সেক্সন ১৪৪ বু থুগাইখি। মচু থুগাইবদা ডাঃ রাম মণোহোরগু অমনি। চাং ত্তম অপুনবনা খোল্লাও অচু লাউদুনা ত্রেনদা চংখি ভারতকী অথাপ্পা লমদগী অন্দগোন অচু য়াওখিবা ডাঃ রাম মনোহোর লোহিয়াবনি। মণিপুর অসি State ওইগদবনি হায়না ডাঃ রাম মনোহোর লোহিয়ানা হায়রম্মী॥ অসিগুম্বা মী অসবু চসি মণিপুরনা State ওইবনা মতম্‌সদা মাগী কুমওন পালন তৌদুনা নীংসিং থৌরম পাংথোকপসে ঐখোয় মাপম্পুম্নগী তৌ-রিবদল উৎপ চুম্না। মণিপুর লৈবাক্কী মাওই পুম্নমক্কা মাপ-পুরগীদমক রাখিবা মীওইশিংবু নীংশিংসদবনি। থ্রাইদগী চাউরবা থ্রাইদগী শাংলবা অহানবা ষ্টেটহুড তানবগী অন্দোলন তৌখিবসে মণিপূরবু ষ্টেট ওইনবা হোংনবা অসিনি। মতমচুদা জেলদা চংখিবা, রাখিবাশিংনা লৌক্কিক্কি অচৌবা ওইরে, ওইরি।

অসিগুম্না মরৈবাক্কী সেবাদা থবাম য়াওজবা অরাবা খাঙলক-পনা ভারত মচাশিংনা মচাম চংপা অচৌবা ওইখিবনি।

অখোইবা প্রভু খুরুমজরি ড়াস।

অমীংবগী ভুংনকম
ওঁ
খোমজিনবা

অহানবা খোঙ থাংজিনবা

গুরু কৃষ্ণ বৈষ্ণব, জগৎ গুরু রাধা

অঙানবা অমমদগী ঙাল্লকপা, অঙানববু নীংশদবনি। অঙানবসে অহানবনি, অহৌবনি, হুংঙাইবনি। চঙশগদবনি হুমিংপুম্ম হুংতিগী খুকমমগদবনি। ঐখী শাৎপেগী অহলবুম্ম খুক্মমগদবনি। খর্ম্মদা তৌদবা থাদবা ইথৌ খোঙ থাংজিনবা হায়বসে গুরুনা চঙজবা মঙাল ফংবা অমবুনি। গুরুনা অম্মুম্মা ডাকই— "হৈ, ঈশিং, হুংশিং" অহুম অসিবু হুংতিগী লাইবক্তা মমুংদবনি চন্দন হুংতিগী থিমগদবনি। (চন্দন হায়বদি— থালেম লৈপাক লৈশাবুনি)। অঙানববু খুক্মমবা হায়বসে তৌদবা থাক্লবা ইথৌনি।

মথুবোক্লম্ম গুরু ওইগদবনি, মপানম্ম গুরু ওইগদবনি পাউভাক অহানবা গুরুনা ডাকই। অম্মুম্মা জাতি অমিনা চংনবকই। থৌওইবগী নোংমগী ইথৌ "ইচিক হুমবা ইরিক্তা থাউহুমা লৈবা অঙানবা" মখ্রিশ্তনগী থৌগলনা অঙানববু থেংবা হুংঙাইবা কৌই। ঈরুখোক্লগা ঐহাকী পুক্লীংগী নীংনফমদা চঙবা, মফমহুদা হকচাং শেংদোকপা থাংমন্ (ঈশিং থরা থকতিনবা) হকচাং শেংদোক্লে। "মচীন ভুম্বা অহুমদা কংপা"। মফমহুগী লৈপাক লৈশা থুংগ্লাইনা লৌমগা মচীন ভুম্বা অহুমদা কংকনি। মমুগনি। হৈ, ঈশিং, হুংশিংপু শোমগা ঐখী লাইবক্তা মমুগনি। মহুমগী ঐহাকী পুক্লীংনা নীংজরিবহ, শোনগনি। কনাগুম্বা থাঙজুপ অমনদি অম্মুম্মা শোম্নি।

হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে
হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে ।৩।

লক্ষ্মি-নরায়ন, সিতা, রাম রাধেশ্যাম, গোপাল-দেব, অমম্বা অচৌবা পূম্মকপু পেনবীবা পীনবাব্বা, পূম্মকপু পেনবীবা পীনবীয়ু । অসি হায়বা ঐবা অয়ুক্তা পোলি । অদুগা হুবিদাংদা ঐগী মীংনকম (মন্দির) দা আসনদা (কিদাদা) কম্লগা আচনন্ তৌহনা শেংদোক্লগা, পূক্লিং শেংনা চাং নাইনা নুংঙিগী মীংহে । মৈশিং অচোনবা শাস্ত্র অমা থিল্লগা ওবকবা ধুপ, থাউমৈ, লৈ-লৈ থয়া লাওচহনা মথাগী মাম্শিং অসি সেম্নুনা মেবা তৌগে । অদনা শোঙ্গরগা নুংঙাইবা ফংই ।

হরি হরি বোল, হরি হরি বোল
মুকুন্দ মাধব, হরি হরি বোল,
হরি হরি বোল, হরি হরি বোল ।৫।
হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে ।
হরে রাম হরে রাম, রাম রাম হরে হরে ।৫।
শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য প্রভু নিত্য-আনন্দ,
হরে কৃষ্ণ, হরে রাম, রাধে গোবিন্দ ।৫।
রাধেশ্যাম রাধেশ্যাম রাধেশ্যাম রাধেশ্যাম ।।৫।
গোবিন্দ বোলো, রাধে বোলো ।।৫।।

অনৌংবগী ভুগনকম
ও
খোংজানবা

T K Singh

গুরু গোসাইংগী ৱারী

ভারতা যোগী অমা লৈরম্মী। ভারতা অতোপ্পা মীনা লাকুমবদা মহাক্কা খুংঙোইরমদে। ভারত মচাগী মহুংদগী নিংথৌ ওইনবা শেমগৎপা পাম্লম্মী। নোংমা যোগীনা খেনেরে। মহাক লান তৌবা পাম্মি হায়না হংলম্মী। শিবাজিনা গুরু হায়না হায়রক্লে। গুরুনা অপাম্বা থবক অমা ঐনা পাংথোক-চনবা শিজার। আসিগুম্বা ৱাহৈস তাবদা যোগী মায় অমা মপূক্নীং অপেনবা ওইরে। যোগী অমুনা হায়রকই। নহাক খুংঙোইবা ওইদুনা মরোল ওইদু, ঈশ্বরনা চানবীবা ওইরমদু হায়না মতোন্দা ৱর পীরকই। যোগী অহান ৱর পীরম্বগা মরোল ওইদু হায়ং ঙম্বগা হায়বৎ অহান অমুম হনরে। মতম ৱর লৈরগা শিবাজীগী মনাক্তা লাক্লে। শিবাজীনা গুরু সেবা মীংথনা তৌরে। গুরুনা লানগী যাত্রা, অকবা পুংফম য়েংলগা, পুংফম অসিদা লান তৌবা চৎলু হায়না শিবাজীদা হায়রক্লে। হায়রিবা পুংফম অহুমগুদা শিবাজীনা লান চৎলে, লান মরোল ওইদুনা মহাক্না ঙ মথুনা হনরে। গুরুনা হায়রিবা হায়রকপা পুংফমশিং কায়দনা শিবাজীনা তৌই। খায়কৈ মায়কৈদা চত্লনা লান তৌবদা, গুরুনা পীবা পুংফম কায়রবা চৎপনা শিবাজীনা লান জয় ওই-রকই। শিবাজীগী মাঙক মগুণ য়াম্না হেনগৎলক্লে। প্রজা পুম্নমক্না খুংঙোইরে। প্রজাশিংনা মথল মথলগী থাগৎ ৱাহৈনা থাগৎলরক্লে। শিবাজী য়াম্না হৌজিক খুংঙোইনা লৈরে। অদুবু প্রজাশিংনা মহাকপু থাগৎপা অসিনা মহাক্না পেন্নবা ৱাহৈ অমা লেরে। মহাক্না পাম্মী, প্রজাশিংনা ঐখোয় পুম্নমকপু, শিবাজীনা

"শেম্বীবনি থাকপিবনি" হায়না হায়হন্নিংলম্মী। মহাকী মপূক্কীংমা মীংলম্মী; মহু গুরুনা উবে। গুরুনা হায়রকই, পুম্নমকসে মহাক্না তৌরিবমক্তনি: শেম্বীবনি. থাকপিবনি। য়াম্না নুংঙাইহনে। গুরুগী বাহৈ ভাবদা শিবাজী নুংঙাইবগী উমথৈ লৈতরে। নিংথৌমা হায়-রকই — গুরুনা তাকপীরিবা অচুম্বা প্রজ্ঞাশিংনম্ব হায়হন্নিলম্মী; অচুম্বু মখোয় অমত্তনদি অশুম্বা হায়দে। যোগীনা মহাকী মাপল অচু মমথবা পায়রম্মী। শিবাজী। অসিদা লৈরিবা নুং অসে পুরকউ. অচুপা থুগাইয়ু। নুং থুগাইরে। নুং থুগাইবদা ঈশিংগা লোয়-নমা জীব অমা লৈরম্মী। গুরুনা শিবাজীদা হায়রকই। নুং অসিগী মনুংদা য়াওরিবা জীব অসিবু থাকপীরিবসে; মহাক্না থাকপীবা ওইরিনি বাহৈ অসি ভাবদ শিবাজী চকমে ঈকাইরে। ঐনা মীংলম্লিবসে লায়ে হ'য়ব' থণ্ডই। গুরুনা হন্না-হন্না হায়-রক্লবদা শিবাজীগী থবায় মুংঙাইরে। তৌরিবা পুম্নমকসে, ঐনা তৌবা মত্তে হায়বা শিবাজীনা খণ্ডলে। গুরুনা লাল চংলু হায়রবদা, শিবাজীনা গুরুগী ইল্লিবা ফী অমু নিরগা ফীয়াল ওইনা থেংলি। শিবাজীগী ফীয়ালবু "গেরুয়া ঝণ্ডা" ("গেরুয়া ঝাণ্ডি") হায়নৈ। গুরুনা তৌ-তৌ হায়রগা থবকসে অকবনি। তৌরিবা থবক পুম্নমকসে ঐবা তৌবা নত্তে। ঈশ্বরনা তৌবমক্তনি হায়না খাংগদবনি।

অখোইবা প্রভু। খুরুমজরি দাস ॥

অনীংবগী তুংলমচৎ

উঁ

T K Singh খোমদ্রিনবা

খুং—নি

"খুংশেমদগী থোকখিবা ওাক্রি"

কাওল্লপ কাওল্লপ কয়াগী থাজবা মতুং ইন্না মহাক মহাক্কী থেম্বা লাইনীং-লাইশোন কয়া'মা লৈরম্লে। উব্বিবা উনবিবা লাই শক্তমশিং, লাইরিক-লাইঙ্গু পুম্নমক ভাইবংপানবা মীগী খুংসেমনি।

মালেমসিদা মীওইবনা লৈরকখিদগী মহাক মহাক্কী থাজবা মতুং ইন্না "লাই"বু তোঙান তোঙানবা লাইনীং-লাইশোন্না ঈরাংনবরকই, নীংনবরকই। থেম্বা কাওল্লপ কাওল্লপশিংনা থেম্বা লাইনীং-লাইশোন. লাইশক লাইচৎ কয়া লৈরবনি। অদুবু ঐখোয়না উনবিবা লাইগী রায়গী লাইরিক. ঈরাংনবিবা লাইগী শক্তম পুম্নমকসিদি মীওইবগী থাজনবা মতুং ইন্না মীওইবনা শেমগনি পুম্নমকসি মীওইবগী খুংসেম্নি।

থেম্বা কাওল্লপশিংনা থেম্বা লাইনীং-লাইশোন্না মহাক মহাক্কী থাজবা মতুং ইন্না ঈরাংনবনি, নীংনবনি। মা মামা নীংনবসি অচুবনি —। অনীংবনা ঈশ্বর (লাই) ওইবি অনীংবনা থবক ওইবি, পুম্নমক অনীংবদগী ওইবিবনি।

মীগী খুংসেম, লাইগী খুংসেম, অখোইবা ভাগ্যরিবনি। মীওইবশিংনা ভাগ্যদোবনি, নীংগদৌবনি অচুবনি, অশেংবনি। পুম্নমকসে মপুমা শেম্লিবনি। খুংসেমমক্তনি অখোইবা মাবু কাওরোইদৌবনি। নীংগদৌবনি অখোইবা প্রভু খুরুমজবি ওনি।

অনীংবগী চুংবকম

ডঃ

T K Singh — খোমজমবা

D—(II)

অথোইবা প্রভু

ঙসি শজিবু ১৩ নি শানবা মহাবীর জৈনগী মপোক নুমিৎনি। জৈন চহি ৭২ পুন্সিরম্মী। মহাবীর মীওইবগী চৎনবী মওংদা মযুম মকৈ পান্দূনা লৈরম্মী। ঈশ্বর নীংবদা অথোইবা ওই। মহাক্কী নীংবা করবনা মবৈথংদা মশাগী উনশাদগী হেন্না অত্তোপ্পা মীওইবগী মশাদা শকপা পুম্নমক থাদোক্লুনা ঈশ্বরগুম্না লেপশ্লে।

মহাবীর জৈননা হায়রকই : "দার তৌ, দান তৌবনা অথোইবনি, মীবগু ঙংশিনু"। মহাক্কী পাউতাক তাবদা অওকপা ওইনা তারে। তারিবা কুলচন্দ্রনা পুক্নীং চঙনা মথক্কা হায়খ্রিবা মহাক্কী পাউতাক অয়াম্বা তারগা থল্লকই। লৈরম্বা পুম্নমক থাদোকখ্রবা, উনশাদগী হেন্না লৈতবনা দান তৌ, দান তৌবনা অথোইবনি হায়রকপদা তারিবনা করি হায়রকলগে হায়না পুক্নীং চঙনা তারে। মহাবীর জৈননা হায়রকই ' "মীওইবগী করমবা থন্দুনা অকবা পাউতাক মীওইবশিংদা তাকউ। পুকচেল শেংউ, মীওইবগী করবা পুক্নীং অমম্বং যাথল দান তৌ, মথুনা নহাক্কী অকবা ওইগনি। নহাক্না চেকশিনগদবনি মীওইবগী করবনি হায়না নহাক্না তৌবহ মীওইবগী ফত্তবা, অমাঙবা ওইরবদি নহাক অরাবা ওইরকনি। মহাক্না ঙাওলিবহ অচুম্বা ওইবা, মীওইবগী করবা অশেংবা ওইবা অচুম্বা পাউতাক অচুবু সেবা তৌ হায়রবনি। পুক্নীং অচু কথোকউ। পুক্নীংনা সেবা তৌবগু কথোকপা, অশেংবা দান তৌবা কৌই। মচু ওইরবদা ঈশ্বরনা ঙংশিবা পীরবা থৌজাল ফংবা ওইনি।" মহাবীর জৈনবু খুরুমজরি ঙসি।

অনীংবগী ভূংবকর

ও

T K Singh

খোমজিনবা

নুমিৎপু খুরুমজবা

অনৌবা থা শজিবু থা, চৈরাওবা নুমিৎনি, থৌরম পাঙথোকচৈ। সনামহীদা অথেনপোৎ লাওজহনা সেবা কৎচৈ। হৈ-লৈ, অহাও-অথূম, অনৌ-অপেন, মনা-মশিং চেঙ-হবাইনা অথেনপোৎ ওইনা লাওজৈ। পেনখোম্ব হায়না খুরুমজৈ। লৈমরেন ইশাইফুদা অনৌবা ঈশিংনা চোম্না হাপচহুনা খুরুমজৈ। হৈ-লৈ অথুম-অহাও অথেনপোৎ ওইনা লাওজৈ ইশাইফুদা খুরুমজৈ। ইশাইফুদা ঈশিং হৈজিনবা অহল শাগৈগী পিবানা হৈজিল্লি। ইমুং অচৌনা লৈবা মী পুমমনক্না খুরুমজৈ। অহল অহল ওইবদা নহা ওইবশিংনা খুরুমই। মসিনা তাকপনি নুমিৎ, থাবু খুরুমগদবনি হায়বনি। নুমিৎ, থা অসিসে চাং নাইনা লেঙদনা থোকপনি। মসি খুরুম্বা মীশিংসে চাং নাইবা মী ওইরকই। চাং নাইবা মী ওইরবদা, হুংজাইবা মী ওইগনি। মমাঙৈজেগী চেংমরকই। চৌজিকপু চৎনৈ, চেংনথিগনি। খুরুম্বা লোইরগা য়াখিবমখৈ ওন্না চাক থোংনগা কোপ্তোং বাংবদা চাক থাদোক্কে; য়ুমগী মনাংদন্নু থাদোক্কে। মহু লোইরগা ময়াম চাক চায়। য়েঙ্খাং মথেল য়াম্না থোংনৈ। চৈরাওবগী য়েঙ্খাং কামনৈ। থাংজি চীংদা হৌবা অফবা ও অমগী মমিংনি। থাংজিয়েন থাংজি ঊদা চৌবা য়েন অমনি। অরাংবা চীংদা অক অকবা য়াম্না লৈ। অরাংবা কাবা চেংমরম্বী, অকবা বাখল অরাংবা থবক পাইম্লা। মরম অদুনা চীং কামরীবনি। চীং কাবা পুক্নীং য়াম্না হুংজাইবা অমনি। অথাপ্পা লমবু উবা ওমই। পুক্নীং থৌগৎলি চৈরাওবা নুমিত্তা চীং কানৈ। চৈরাওবা, অরিববু নৌংশীংবা হুমিংনি। ইপা; ইপুশিংবু খুরুমজরি ঙসি ॥

অহৌবা অনৌবা পুণিমা

শজিবুগী ১৫ নি শানবা পূর্ণিমা, অনৌবা নোংইন থাক্ত থানিম্। লৈচিলক্পা লৈরিবী থাজগী মায়খোং য়েংঙনোইবা নোংইয়া কপ্পনিনা মায়থোংদি উবা ফংদে অদুবু ইনৌংনৌবা অচানবা অয়ুক্কা ত্তাল্লি। চৌগংলগা য়েংলগা উগনি। শজিবু থা-থানিন্ মায়থোংবু খুদথিবসে নোংইন্ পূর্ণিমা কৌই। অচানববুদি উজবা ফংই। নোং চুবা থানি থাজসে। নোং-থক্তগী চুথৈ মালেমথক্তা তাই। লবুক-লমাং পূমমক অমুক থীকথবা থানি। লৈহাও শেম্বীবা মতমনি। শেম্বী শাবীবা মতমনি। নোংজু নিংথিনা চুরগা মরোং চুমহল্লি। শজিবু থাদা চৌংথক্তা উগী উপা মরক্তা ফজ-ফজবা চৌংগী উরৈশিং চৌংগী লৈ ফজবশিং ফজনা শাংলি। চৌংমায়দা লোকলৈ পূলৈ চোংই। অমৌবা য়াইপল চৌংমায়দা ফজনা শাংলি। কুমদি হাওদি মরক্তা কোম্বীরৈ লৈরাং শাংলি। লক্কেলদা কোবীরৈ শাংলি। ফজ-ফজবা চৌংগী লৈ কয়া শাংলিবা শজিবু থা অমৌবা খুংশিবা থানি। সন্ধ্যাগুম্না তথক্-তথক্ কুকেং কুকেং তাল্লি। গোবিন্দগুম্না ফজৈ. চহি নিপালগী প্রায়রিবী মওংগুম্না ফজবী থাজগী মায়খোংনি। গোবিন্দ শঙ্কর মওংনি. সন্ধ্যারাগিনী মহৌনি। শজিবু থাগী মায়খোং ফজবা খুংশিবা থানি। চৈমৌ-নৌনা খৈংনা থোইনা তাল্লি। অমৌবা পুমমক্তা লৈজেংই। বসন্ত রাস কৌই। নোংইন্ পূর্ণিমা থানিন্ খুরুমজরি ঙনি॥

অনৌংবগী ভুংরকম্,

ওঁ

খোমাজিমবা

ঐবু ঐনা খঙবা

ঐ কনিনো? ঐবু ঐনা খঙগদবনি। ঐদি ঐনি. মসিবু করি হায়রিবনো? ঐনা ঐনি, মহাক্না মহাক্নি; ঐদি অমা হাবথচুনি, মহাক্না অনি'থুনি। ঐনা হায়বনি মহাক্না তাবনি মসিবু ঐনি। শন্দোক্না খন্নূনা য়েংলসি--

ঐনা মফম অমদা চংলে, তিল্লয়ীবশিং কয়বা মীওংনো য়েংগনি. মতিক চায়বা অহল-লমন লৈরম্লবদি নোঙ্খকপগী বাখমা মফম অমদা চংগনি। ঙাঙলকপা হায়রকপা বা তুমিনা তাশীন্দুনা থাঙবা কনবগা লোয়ননা ঐনা লৈগনি মতু ওইরবতদা ঐনা ঐবু মশক খঙবা খর মথৈ খোঙ থাংজিল্লে।

নোংথাঙ; মচাম. অয়াঙবা—মখোল তপ্পা লাকই। নোং-থাঙনা হান্নি, মখোলনা তপ্পী। নোংথাঙ কুপ্লকপদা য়েংউ, মোং খোংলকপদা তাও, অচুগা খঙগনি। তারিবনি, উরিবনি মসি লোইনা খঙলবনি, খল্লুদবা মীংলুদবা, অরাইবনি খন্দুনা লায়খোক্না খনবা খওইক্লদবা- খনগদবনি, নিঙগদবনি। নোং-থাঙবু কিনৈ মহাক্কি অয়াঙবনি মশুগ লৈ. অকবনি। মীওইবশিংনা অয়াঙববু পাগৈ। মথুং য়াঙবা, থুনা থুনা তৌবা. থুনা শিংবা বাখলদা য়াঙবা, পরিক্ষা তৌবদা মথুং থুবা, থবক তৌবদা য়াঙবা, গাড়ি অয়াঙবা তোংবা পাম্বা, অয়াঙবা গাড়ি তোংবা পাম্লবদি, থুনা য়ৌবা মতম মাংহন্দবা, মতমবু মাঙহন্নবদি অয়াঙবা গাড়ি তোংবগী কয়িন্থ কামবা লৈতে। লম্বীদ চিন্দুনা তোকনি।

অয়েঙবদা মতম মাঙহন্দুনা লৈথোকপা লম্বীদা পাড়ি থিনজিন্দুনা থম্লগা কুইরেমথৈ লৈথোক্লবদি ইশাগী মাঙজবনি হায়বসে ইশানা খঙজগদৌবনি। মাখল মুন্না তৌরগা ইশানা ভাব তারগা (শাউনিংবা) শাওবা ফগনি। শাউনিংবা হায়বসি ফত্তবনি, অশাওবা লৈবোইদবনি, পুক্লিং হায়বসে তেঙ্গোৎ অমগুম্বনি হায়না নীংলসি। তেঙ্গোৎ অহুদা অহাও-অথুম য়াওবা তেঙ্গোৎ ওইরবদি তেঙ্গোৎ অহু অফবনি হায়না নীংলে। নোংমা অমুক, তেঙ্গোৎ অহুদা হাওত্তবা এঙ্গাং অমুক হাপ্লসি, মদো ফত্তবা তেঙ্গোৎনি হায়না নীংলে। তেঙ্গোৎতি অফবা অমদি ফত্তবা হাপ্লিবা, তেঙ্গোৎ অহুদি অমথঙনি। অমত্তা ওইবা মীওইবগী পুক্লিংনা ফত্তবা থবক তৌরম্লবস্তু পাপ ওইগদবা থবক তৌরম্লবস্তু অয়ানবা লমচৎ চৎলম্লবস্তু, মীবু যুংশিরমদ্রবস্তু, অফবমক্তা মহাক্না তৌরক্লবদা, পুক্লিং অহুনা অফবা মাখল, অচুম্বা লমচৎ, অচুম্বমক্তা চৎলক্লবদা, পুক্লিং মাখল শেংদোক্লুনা অফবমক্তা নীংলক্লুনা, খম্নোয় শেংনা ঈশ্বরবু নীংজরবদা তেঙ্গোত্তি, ফজনা কেণ্ডদোক চামথোক্লুনা হান্নগী তেঙ্গোৎকুম্না শেংদোক্লে। মীওইবস্তু তেঙ্গোৎনা শেংদোকপগুম, পুক্লিং মাখলবু শেংনা শেংদোক্লবদা অফবা ওইরে, ঈশ্বর নীংউ, ঈশ্বরবু কাউগদ্রু; ঈশ্বরনা পুম্নমকপু শেম্লিবনি, অথোইবা প্রভু থুরুমজুরি ওসি।

অনৌংবগী তুংনফম
ও
থোমজিনবা

T K Singh

উমংগী বারী

উমংগী মীওইবগা মরী লৈনৈ। উমংদা চঙহনা ঈশ্বর নীংবৈ। ঈশ্বর নীংবদা পাঙ্গল শক্তি চঙই শাবু নমদ্রনা শীথিল্লরম্মী। শানা মী উবদা কি। অকনবা মীনা শা কায়। শা-সু অকন্নবনি মীওইবগী রাখল অরেপ্পা, চাং নাইবা, মীওইবনা ঙম্মী, শাবু মীনা ঙমই। অকনবা মী লৈ, অকনবা হুপা অমা লৈরম্মী। শা-ফাবা য়াম্না হৈ। শা-গা লাক্নবদা মাগী লৌশিং য়াম্না শিংই। নিয়ম অমগী মথাদা শা কায়। শা ফাবদা মখিং য়াম্না চংলে, কাওরে। উমং-উমংদা চঙ্গূনা মানা শা য়াম্না কাপ্লে। মী পুম্নমক্না মাবু মশক থঙলে। মহাক শা-ফাবগী থবক্তা পুক্নীং চঙবা য়াম্না হৈ-শিংবা অমনি।

মমৈথংদা শা-ফাবগী ওঝা ওইপ্লে। মাগী ছাত্র য়াম্না লৈরে। মহাক্না নিয়ম কয়া তম্বীহনা শা ফাবগী নিয়ম নিত্তি ভাকপিহনা তম্বী। ওঝানা তম্বীগুনা ছাত্র কয়ামুক মাগী শা-ফাবগী মহৈ তম্বীবা লোইরে নহাক হৈরে, হৈরবনি হায়রহনা ছাত্র কয়ামুক থাদোকখ্রে। উমংদো চঙহনা শা-ফাবা হৌনরক্রে। শা-ফাবকপা মীশু কোঙ্গায়নি। শা-না হাংপা মীশু কোঙ্গায় ওইশিল্লক্রে। ওঝানা তম্বীবা নিয়মনি হায়হনা শা-গা লাক্নবদা শিথিবা মীশু য়াওই। ওঝাগী নিয়ম কায়রা শা-গী নিয়ম মওং য়েংলগা মহাক্কী পাইরক্কী লৌশিংনা শাবু ফাবা, মথ্রাই শিগদবা লৈরবদি শাবু মানা হাংপা কয়াশু য়াওরকই। শা-ফাবা হায়রবসে নিয়মতনা য়াবা নত্তে, শা-গী মওং মতৌ য়েংলগা খুদক খুদক্তা

মশাগী খোল্লকপা লৌশিংনা শাবু ফাবা মথ্ৱায় শিদবা ওই। অঙম্বা অথঙবা মশাগী লৌশিং অছুম: অচুম্বা ওইবনি। নিয়ম হায়বদি অথঙবনি। মুখিং মশীং য়াম্না উমংদা মথক্তা শা-থিবা চৎলক্লে। উমংদা য়াম্না শাংনা অঙকপা মকমদা য়াম্না থ.প্না চঙশিন্নরুম্মী। শূক্লবা মকম য়ৌরকপদা মাগী মশাদা মীপাইবা পোকই; বাথল পোন্দরকই অছুবু থন্না চৎনপা থাঙনা ককথৎপা উন্নী অমা থেংনরে। থম্না অমূক চৎলগা উটৈ পানবা উ অমা শীংজংনা য়ান্দূনা চুরম্বা উরে। অম্রাপ্না উমংদা অঙম্বা উন্নী উ তুবা উবদা, মী থেংনদ্রবস্তু মীনা য়াল্লম্বনি হায়না থরবদগী মপাঙল কনখৎলি মতাক লুংঙাইবা কাওই। অম্রাপ্না উমংদা চঙলবস্তু পাঙল কনখৎলবা, থবায় লুংঙাইরবদা (শূক্লবা উমং ওইরবস্তু) পুক্নীংগী অঙানবা কাওরকই। অঙানবনা লৈরবদি পূম্নমক থঙলকই। অথঙবদি অচুম্বনি। অঙম্বনা অথোইবনি, অথোইবদি অহেনবনি অহেনবদি অঙম্বনি।

ঈশ্বরনা অঙম্বা ওই। ঈশ্বরদি অচুম্বা চৎলি। ঈশ্বরবু কাউদনু; অথোইবা ওইনি, অথোইবা প্রভুবু থুরমজরি চাস।

অমীংবগী তূংনকম

ঔ

খোমদিনবা

T K Singh

F—(1)

হজরদ মহমদ বাখল

মোংমা মচা আমনা মপাদা সন্দেস (অথুম আহাও) চাগে হায়। মপামা মচাদা সন্দেস পীজ্জ। জুংতি চুবিং খুদিংগী অথুম আহাও তল·নচিংবা মচানা চাগে চাগে হাবা পীজ্জ। মপা অত্র মাম্মা রাবাক্ক। পীজ্জরবল্ল মচাচনা মিংগাই তোতনা চাগে চাগে হাবন্নাবা নৈজেবে। কবলা মচাচ পেলচনগদগে? হাবনা মপানা নাংই। মপাচমা হজরদ মহমদজা চক্তনা ঐগী ইচামা সন্দেস চাগে. সন্দেস চাগে হাবচনা জুংতি কবিং খুদিংগী হাবরিবসে কবলা পেলচনা জগদগে হাবনু জাকপীম। ঐমি মাম্মা লাইরবজি মাংগানা পীজ্জবা জুরুকবে। কবর তোবগা মাগী চান্নিংবসে কোকদগে, জাকপীম।

হজরদ মহমদমা হাবরকই চরোল অমা নৈরগা লাকউ ঐ হাবগে। জুপা অত্র চরোল অমা নৈরগা লাকানে। হজরদনা অমুকল্ল চরোল অমা নৈরগা লাকউ হাবরকে। মত্রুল্ল হৌক্রে। জুপা অতুনা হজরদকী বনাজা লাকে। হজরদনা ধা অমা নৈরগা হাবগে হাবতমা অমুক হায়রকে। ধা কাবগা অমক চক্তনা জাকপিরো হাবরবে। হজরদ মহমদমা হাবরকই হাবল্ল মঙগী মচা অত্র জল·সন্দেস চাবা তোক্কো হাবমা হায়। জুপা অত্রমা মচাদা হায়করে হজরদ মহমদমা নঙ সন্দেস চাবা তোক্কো হায়রকই। মচা অতুনা ঐ সন্দেস চাবা তোকচরগে হাবনা অহমক চাখিত্রে। মহাক্কা সন্দেস চাদনা অহুদা মপাগী জুংতাইবা

F—(ii)

পোক্নে। মপানা মহালমথৈ ঐগী ইচাদা ইপা বাবে ভোক্নো। ভোক্নো হায়বদি ম্যাত্রগা হজরদ মহমদনা সন্দেস চায়হ্ হায়না হায়বক্রগা। ঐ চায়বোই হেন্তা য়াখিবা করিগীমো! হায়না মীংতুমা হজরদ মহমদকী মক্ষমদা চত্তুমা "ঐগী ইচা সন্দেস চাবরে হায়ক্ররে। ঐনা হায়বদি ম্যাত্রগা হজরদনা হায়বদি মহাক্না য়ারিব' করিগীমো? মত্ত ভাকপীয়ু। ঐ ভাককে মহাক ভাবো। মহাক্না ঐথোন্দা ঐগী ইচা সন্দেস চাগে হাবরে হায়বহ্ ঐথোন্দা ভমই। মতম অহুদা ঐম্মু সন্দেস চানীংই। চয়োল অথগী মতুংদা মহাকথমুক লাকই, মহুদম্মু ঐম্মু চানীংলি। অহুনা চয়োল অমা নৈরগা লাকউ হায়। মতুংহুদম্মু চানীংলি। থং অমা নৈরগা লাকউ হায়রে, থাগুবা মতমদদি ঐনা চানীংত্রবা মত্তবদা মহাকপু সন্দেস চাগহু ক্রায়না হায়খিবনি। মবম অহুমা মহাক্না চানিংদবা ওইয়বগনি অসি হায়না বুগা অসিদা হজরদ মহমদনা হায়খি। ইশানা তৌনিংদবা, পেংলবা থবক অদো অত্তোম্মা মীদা হায়বদা মীনা য়াগনি। "ঐ ইশানদি পাবজবা, তৌনিংলিবা মীথোন্দদি ভোগহু হায়বগে য়াদবনি" মগে ঈশ্বরগী পাউত্তাকনি। ঈশ্বরদি অপেংবত্তা য়াবনি, অচুম্বত্তা চংগনি, হায়খিবা তৌবনি, অত্তবদা ওইবনি, ঈশ্বরগী শক্তি নৈবা হায়বদি যসি ওইবনি ঙুংশিবা হৈবনা মহাকী শরুক্রি। অল্লাহ ইবুংথোনা হায় "জীব হাত্তুমা চাগহ।" করিগুম্বা চাগে নীংলবদি, অদিংবহ্ কক্রপা চাও। জীব অহু ককপা

ভাববদি মতৌ অস্তুম্না ককউ, মৈ ইকুবা য়োংপাক অঙাংবো অচুগী মথক্তা লেপ্লগা ককউ. অচুগা চাও মুল্লা তৌব্রবদি চাবা য়াদে অল্লাহনা হায়রম্মী। চবা মাবা চাবগা ঈশ্বরগী মায় শোববমা অথোইবনি। প্রভুনা হায়রম্মী. ঈশ্বরদা কংবগা চাও ঈশ্বরবু নীংউ উপব কংলু মীয়ামবু পীজো মীয়াথবু পেলহল্ল। চাবা কংদ্রবা মীশিংদা পীজো লাম্নথশিংগী অরাঙ্গা কোকহল্লু, লামলথশিংবু পেলহল্লু। হরি শোল্লু অথোইবনি। হরি শোমবা হায়বসে প্রভুনি। অরাবগীদমক থল্লু নীংশিংউ। জীববু থুংশিংলবনি জীববু থুংশিল্লু জীববু থুংশিন্নথদি ঈশ্বর ফংগনি। থুংশিনবা হায়বসে খুইদগী অথোইবনি মতম য়াথনি। কাওল্লুপ কাওল্লুপ মানইবগা থুংশিনবা পুন্নকপা য়াবোই। পূর্ণিমা-ওন্না মপুং কাববু নীংউ। মপুং কাবা হায়বসে পূর্ণিমাগী অঙাং-থবুনি। ফজরবা মপুং কাবা পূর্ণিমগী মচানদি মকম পুম্নমক থুংবা য়োল্লে। থাজ মাগী মচান উবদা পুম্নমক্কী থুংঙাইবা ওই। অয়ুক্কী অঙাংবু উবদা পুম্নমক্কী থুংঙাইবা পোকই। বাথলগী অঙাংবু লাকপদা থুংঙাইবা কংই। নীংউ "অপূববা অমত্তা ওইগদৌরবনি" নীংবনা অথোইবা কংগনি।

অথোইবা প্রভু থুরুমজরি ওসি।

অনীংবগী তুংথকম

ওঁ

থোমজিববা

T K Singh

কাৱেনগী পূর্ণিমা নুমিত্তা ঈশিংদা থরুম্বজবা

কালেনগী ১৫ নি পাংবা "পূর্ণিমা" নুমিত্তা পূর্ণিমী ময়ামনা পোক্ত শায়গা, ঈম পরেং পরোনী পাক্টীম থাম্নুনা চেংঙবোইদিং হৈ-নৈমচিংবা কচ্ছতুমা থরুমজবা; জীবশিংনী যাইকনবা থরুম-জবনি। পূর্ণিমা থামা ঈশ্বরগী মচাল নীরকপা মতমদা ঈশিং তুনা ইশাব্ লোংদোকচবনা তীর্থ পদুমজ চন্দ্রমা নুপচকুবনী মতৈত্ কাংই। বিষ্ণু লেবা কোজেংনী মাং কাংই। ইশা ইশাগী খৈবা পূর্ণিমা লৌবম থংনোকচবনা ঙমিং অসিগী ইথৌ ওইই। জাতি অমিনা চেনবকই। চেনখিগনি। শাংগনী থানা চাবকই। অদুম লৌবনা ঠক্কি থামজবনি। ইথংদা নিংথেম পূর্ণিমা ময়াম্না হৈম পরেং পারেং থাক্ তবু ঊবা— তিংথেম পূর্ণিমা হৈম থানবা কুরুচন্দ্রনা লেংখি। অদুমা লোংদোকচবনা চৌকোই ঈকপরবগী মতৈত কাংই. গঙ্গা. যমুনা, গয়া-তীর্থ পুষ্কর চঙবগী চপ থাম্বা ঙমিংদে থরুমপচবনি। বথ গয়াদগী পূর্ণিমা ঙমিংনিদা মীথাম্না হৈম কংলি। চৌকোই থাকনী— মীরোল কয়া ইথামা লোংদোকপীখিবা অতুমা, থাক্তুনা ইমাগী থুয়াদা কয়ামজ চঙজতুনা ইমাগী গর্ভ ভংবা লোংদোকচগ্রবনি। ঙমিদু লোংদোকচরি, মতাংদু লোংদোকচখিগনি। মে ইশা "লোকাক" ইশা মপাল তিমীবী, নচা কনাব্ থোকপিরিবী। মীওইবা কয়াগী থবায় কমবী-প্রবী, য়োকপীগ্রবী. ইমানি। মে ইশা লোকাক কৌবী লাইবেম্বী, লোকাক; লোকাক চাবনা শর্চবগা পেঙগোন মে লোকাক, তীর্থ পুয়মক্তী অথোইবী তিবেমী. গয়া তীর্থশিংগা চাংদম্নবদু লোকাক ইমামা মতেম্ল; মণিপুর ওগী লোকাক চাবসে ইমানি। ভারত মোংপোক্কা নৈবীনি। ভারতকী অথোইবী ইমানি। ভারত পুম্বগী ইমানি। ভারত পম্বগী লাইবেম্বী লোকাক ইমামা অথোইবীনি পোক্রকম লমদম ইমানি, পোক্রকম লমদম্না মহেম্রি।

মীওইবগী ভাব

মীওইবা অসুক্কী মতিক কুইরবনি। মীওইনা লৈরকপা হৌখিবা মতম, করম্বা মতমদগী হৌরকপগে হায়বসে ওসি কাওবদা থনবদা যানা থোকই। ধর্ম ধর্মনা "অসুক কুইরে" "অসুক কুইরে" হায়দরিবনি। ধর্ম মশীং থামদ্রে। ধর্ম মশীং থাম্নগুম কাওলুপশু অসুক্কী মতিক থামই। অসুক্কী মতিক শাংনা মীওইবা পোকদ্রে। পোকপি পোকপিবা মীশীং অসে পৃথিবীদা লৈরিবা মকম পুম্নমক্তা মীনা লেপ লেপ্তুনা লৈরবদা পৃথিবীগী মকম পুম্নমক্তা পুমথুং থুংনা লেপ্লবদা লেপকম লৈতনা মরোল মরোল লোনথত্তুনা মরোল কয়া যাংনা লোনথংথ্রবনি। অসুক থাম্বা মশীং থীওমজবা মী পোকপ্রবনি। অহুম্বা পোকপ্রবা মীশিং অতুমী যাথল জ্ঞান, পুক্নীং মী-মী অমমম্মা ওাক্তলম্বা যাইহে; যাথল কয়া থামগ্রবরো? ঐখোয়না হৌজিক ওাওলিবা, শক্তিবা ইরিবা, লৈরিবসে হায়না লৈরম্লবমক্তনি। মহাক্তা অনৌবনি হায়না নীংলিবরো, অনৌবা মত্তে নৌমা থওজ্রবনি। হায়না লৈরম্লবা যাইহে, হায়না লৈরম্লবা পোৎশক অতুনি মহাক্তা নৌমা থওবত্তনি। যাথল ওইরদস্তু অরিবনি, পোৎ ওইরবশু অরিবনি, হায়না থম্লম্লবা লৈরম্লবা পোৎ, যাইহে-যাতামক্তনি, জ্ঞানমক্তনি, যাথলমক্তনি। ক্রক-ক্রক ইম্লনা পৈত্থনা থম্লম্লবা ওাক্তনি; অনৌবনি হায়না নহাক্তা নীংজরুবত্তনি। ঈশ্বরনা পুম্নপ পৈত্থনা থম্লম্লবনি। অনৌবদা মক্তা থম্নীম্লবনি থনগদৌবনি থওগদৌবনি। মসি পুম্নমকসে ঈশ্বরগী থুৎশেম্নি। ঈশ্বরবু কাউপথু নীংউ।

G—(ii)

মরী লৈনবা—বাখল

মরী লৈনবা হায়বসে মুংশিবা বাখলদা থম্মুনা লৈগদবনি। ঙাঙলিবা বাশিং অসে অফবদা খনগৎকদবনি। অকবা খনগৎপা হায়বদি হাওনা চাখিবা এঙ্গাংগুম্বা মীংশিংগদবনি। হাওভবা এঙ্গাং চাবদা কাউথোকখিবগুম্বা "কত্তবা বাখল কাউথোকদবনি।" মুংশিবনা হায়বসে "অকবদা পূগদবনি।" মুংশিয়বা ইচানা তৌবা থবক্তা, অহল-লম্মা তৌবা থবক্তা অকবমক্তা তৌবনি হায়না নীংগদৌবনি। অহল-লম্মা ঙাঙবা-শকপ; বাদি ফনবক্তা ঙাঙলিবনি। মচা-মশু ফনবা, তৌগম্ম হায়না থিংবদনি। অফবক্তা ওইহল্লিংবগী ঙাঙলিবনি। মতু থঙত্রবদি মী অদো ভাব্ তাদবা কৌই। ভাব্ তাদবা হায়বসে অশাওবত ওইগনি। ভাব তাবদি শাওরোই। অশাওবা হায়বদি অমাঙবনি, অমাঙবা থবক তৌরোইদবনি। অমাঙবা তৌরিবদো অপঙবনি। অপঙবদি অশাওবা পোকই। অশিংবনা অফবা থবক তৌই। ঐগী তৌকম থোকপা ইথৌ তৌগদবনি। অতোম্বগী থবক ঐনা খুং থিংজিল্লোইদৌবনি। ওইদবা বা ঙাঙলোইদবনি। থম্মোয় শেংগদবনি। পূম্নমক ঈশ্বরনা উবনি। ঈশ্বর হায়বদি অশিংবা অথঙববুনি। ঈশ্বরবু কাউগম্ম, অফবা ওইগনি বাখল মুম্বা থনগদবনি অকবা বাখল থনগদবনি। ঐনা খল্লিবসে মীনা উবনি মসে অচুম্বনি। মুম্বা থম্মো অথোইবা প্রভু খুরুমজরি ঙসি।

অনৌংবগী তূংনফম

ওঁ

T K Slugh

থোমজিমবা

লাইরু তানবা

নোংমা কাক অমনা উশা অমদা ভোংলিরৈদা উচি অমমা মকোন্দগী খোরকপা উবদা হায়রকই। হে উচি নহাক্না ঐগা মরূপ শান্নসি। উচিনা হায়রকই, মতৌগা ঐগা মরূপ শান্নবা য়াদে কাক অহুমা অমুক হন্না হায়রকই, হে মরূপ হুংশিন্নবা, নহাক্না ঐগা মরূপ শান্নদবা য়াদে মরূপ শান্নসি য়াম্না হুংশিল্লে। মসি হায়রবদা উচিনা খুম্লকই। নহাক্কুম্বা মফম ময়াং খঙদবা নোংমমা উশা অমদা ভোংবা, নোংমনা মফম অমদা য়াইরেকপা অহুগুম্বা নহাক্না ঐ মরূপ শান্নবা য়াদে। অসি হায়মা হায়রবদা কাক অহুনা খজিক্কুং চঙশিল্লক্কুনা অমুক হায়রকই। ঐগা মঙগা মরূপ শান্নবা নহাক্না য়াদ্রবস্তু ঐদি নহাকপু মরূপনি হায়না নৌংলে। ঐগী নাকা থবা চঙশিল্লকউ। মসি হায়রবদা উচিনা খঙলহুনা শাউনা খুম্লকই। হে লুকচেল কচবা নহাক্না ঐঙোন্দা হায়রিবাদা ঐ খঙই। ঐনা ঐগী ইকোন্দা লৈরিরৈদা নহাক্কুম্বা কবিস্তু লৈত্রবা কাক্না কবিস্তু তৌবা য়াবোই। নঙদি হায়রুহু উচি ঐনা ঐগী ইকোন্দা লৈরিরৈদা কল্লবা মোংশা, কৈ, লিন, হৌদোংনকাও কবিস্তু তৌবা ঙমলোই — । ঐনা ঐগী ইকোন থাদোক্লুবদা নখোয়গুম্বা জীবনা উচি ঐবু করি তৌবা ঙমগনি। অসি হায়না উচিনা হায়রবদা কাক অহু কাক-কাক খোংলগা পাইখ্রে। মমুম থাদোক্লবা জীব অমম্বুং মীনা লৈকম থাদোক্লবা হায়বসে মরিল লৈবনি মমুংদা অমনি। অস্তুম্না হায়নবস্তু লৈ। য়ুমহোং তোয়রগা

লাইর তাক্লি। — কবি মরমদগী লাইরিকবো থন্দুনা য়েংলসি। মীওইবনা মুংঙাইনবা হোৎনবদা পোৎলম য়াম্না য়ামখ্রে, মপূং ফানা শেমগৎপসে য়াম্ম। মফম অমদগী মফম অমদা চৎপদা হোৎনবদা পোৎ মচিং মচিং লৈরোই চিথরোই। পোৎলম য়াম্না বাৎশিল্লকই। শেমগৎপা শাগৎপা য়াম্না য়াম্ম মুংঙাইনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইদে। অমুওম্লবা অদুবু হোং হোংদুনা লৈরবদি লাইর তাগবা হায়বসে মশানা ওইরকফম থোকপনি। পাইরো অদে অচুম্বনি।

তৌরকফম

মরু অমা ওইরে। মরু অমা লৈপুংদা চঙখি। লৈরোলনা পুমকুপ কুপশিনখি, অমম্বা ওইখ্রে। (মরু হায়বদি মচল অমা য়াওবা কুয়োম অমা য়োকশিনবা অমম্বনি)। মোংমদা পোকথায়দুনা তাম্মোরকই, মরোল চোংই। মনা অনি পাল্লে, মরা পাল্লে, মদুবু নাপী হায়রে। মনা মথং-মথং পাল্লক্লে মশা লোঙলক্রে। মশাদা মনা কয়ামুক্ত পাল্লে মদুবু উরে উ হায়না কৌরে। মশীং লাকণ্ডমদ্রবা উগী উনাশিংনা কেন কেন্দুনা কয়া কেনখ্রে। মশীং থৌঙমদ্রবা উনানা পাল্লি। পাল্লি কেল্লি, পাল্লি কেল্লি। উ অমগী মশীং থিংঙমদ্রবা উনানা কেল্লি পাল্লিসি ওইরি। লেংলি পাল্লিবা জীব পুম্নমকসে উমাগী মতৌওহনি। মপুগী খুৎশেম্মি। ঈশ্বরগী থৌজালমখমনি। ঈশ্বরবু নীংউ। ঈশ্বরবু কাউগনু। অথোইবা প্রভুবু খুরুমজরি ওসি।

শ্রীচিং অম্মা

"তেনকাপ অমুক্তা অনি পমবা কাপকনি।
শাদান্‌বা নিপা অমগী বাথল।"

মহাক মখুৎ য়াম্না চুমই। অপাইবা উচেক অমম্বুং পৈচনা পুম্নপ্‌ মচিঙ্গাক ভাহনা লৈবা উচেকশিংদা মহাক্না তেন কাপ্পদা অমমম ইতঙ্ঙতনা পাম্নি। মহাকী তেনকাপতি অসুম্না থল্লপা কাপই। অমুক কাপ্পা তেনৈ অমনা অনি পাল্লসপু হাৎনা নীং-লপা কাপই। অপাইবা উচেকশু অনি পামনবা, পাইরকপা উচেকশিংদা থঙ্‌গাংনবা পাইরকপা উচেক য়েংলপা তেন তমই। মচিঙ্গাক ভাহনা লৈবদসু পরেংদা নকুনা লৈবা উচেক্তা মহাক্না তেন তমই। অসুম্না নীংলপা কাপ্পনা অমা মক্রপা অমদি হেক্তা পানবনি। অসিবু নীংছুনা মীওইবশিংনা মহাক্না মথৌ থবক অমা চৎপদা থবক মরম অনি-অছুম লৈবা মায়কৈদা চৎকনি। অমা শোয়রবসু অমদি কাম্বা ফংগনি। মসি খম্না থবক চৎলবাদি থবক চৎপদ অকবা থবক চৎপা কোই। শোয়দনা থবক পাঙ-থোক্কনি, মতম মাঙদ-রাই, কান্নবগনি। তেনকাপ অমুক্তা অনি পামবা কাপকনি। করিগুম্বা নহাক্না চৎপা মায়কৈদা মরম অনিদগী হেমনা লৈবা মায়কৈদা চৎলবদি থবক অমতি শোয়দনা পাঙথোকপা য়াই। তৌগদবা মথৌদি থবক অমত্তু শোয়দনবুনি. শোয়দবদি মায় পাকপনি। মায় পাক্লবদা অথোইবা ওইগে। ঈশ্বরগী নীংতম। অবোইবা প্রভু খুৎখক্লিরি শদি।

অনৌংবগী ছুংনকপ
ওঁ
শোমাজনবা

T. K. Singh

খায় লেবুক ২৩ খা

ইঙ্গাগী ১৫ নি পানবা অহৌবা অশেংবা মপুং ফাবা পূর্ণিমা থাগি লবুক হানৌ কৌনানা লেং-লেং চৎপা মাগংবনা কৌনাথক্তা তোংহুনা চিংখৎলি। মুংশিংবা লিরিং-লিরি হুম্বদা কৌনাগী শরুক চিংখৎলি। লবুক-লম্নাং পুম্নমক মখল শুনা হৌরে। মখল শুনা তিম্নরে পৃথিবী লৈমায়থকসিদা মখল শুনা তিম্নরে। মালেম লৈপাকথকসিদা অশৌ-অশেন পুম্নমক তিম্নরি হৌরা থা, ইঙ থাদি অথোইবা পুম্নমক্তা তিম্নখি। মীওইবগী পুগীং পুম্নমক অপুম্নবা রাখল চেনবা অকনবি। মীওইবা পুম্নমক তিম্নৌ হায়রবনি। তিনশিল্লগা চাম্নিরগা মুংশিনৈ। অঙাও-অশেন পুম্নমক মুংঙাইরবু তিম্নখি। হুমিং অসিগী মমিংবু স্নানযাত্রা হায়রম্ব কৌনৈদো। হৌরকপা থাবু ইঙনৈদো। মনা-মশীং পুম্নমক অনৌ অনৌবা হৌকদি থানি। ইঙেল থাগা থংনবা থানিদো পুম্নমকপু তিনশিনবীহুনা পুল্লক্ষ্ম থোংহুনা চেং, হবাই, মরু মরাং থাক্কুনা পুল্লপবু থোংহুনা তিংশিল্লগা চাইদা, খিচুড়ি হায়রম্ব কৌনৈদো। খিচুড়ি চানবা থানি। জগন্নাথ বলভদ্র শুবিদ্রা কনবা অহুম্না তিল্লবা অশংবা মণি, সনা অহিংবা মচু, অহৌবনা কোয়শিনবা গুরু কৃষ্ণ বৈষ্ণব, রসরাজ খুরুমজরি ওসি।

অনৌংবগী তুংমকম
ওঁ
খোমজিনবা

T K Singh

যুমদগী যুম হৈনবকী

মক্না থাম্বগা হৌরকপনি। মপাল শাংলগা, মহৈ য়াম্লগা হাম্নী মরু অচু অমুক ওইরকই। মসে শোয়দবনি। মীওই-বশিংস্থু মপা, মমাগী মওং মতৌ মচানা লৌই। ইমুং-মনুং নুংশিননা লৈবা হায়বসে অকবনি। "মতৌ করম তৌরগা নুংশিনবা য়াম্নি" হায়না মীঃচুনা হায়রকই। ইমুং অচুদা লৈরিবা মীশিংসে মমা মপা, মচাশিং অতাং ওইরিবৈতা লোইনবা নুংশিনবসুমক্তনি। চাউরক্লগা মৌ থিরক্লগনস্থু তিননা লৈমিন্নচুনা অহল-লম্বনা হায়বা ইমনা লৈমিন্নে। অমমা হায়বা অমনা ইন্‌বা, অহল অহলনা হায়বা অতাং অতাংনা ইনৈ। তাব তা চুবা শাউনদে, তা'ব তানদ্রবদি অশাওবা পোকই।

ইমুং ইমুংগী বাখল থবা তোঙান তোঙানৈ। থবক মওং তোঙান তোঙান তৌনৈ। মখল মখলগী বাখল খনৈ। ইমুং ইমুংগী পুক্নীং থম্মা থম্মা থৈদোক-থৈজিন তৌনৈ। খেৎনবা ইমুংদগী ইমুং অমদা পুম্না লৈমিন্নরে। লৈমিন্নরিবদো মহাক মহাকী তোঙান তোঙানবা ইমুংদগী লাকখিবনা খেৎনবা বাখল লৈ। বাখল তিনদ্রবদি নুংশিনদবা ওইরকই। ইমুং অচুদা হামনা লৈমিন্নৌবগী মওং-মতৌ লাক্লিবা মৌশিংবা চৎকদবনি। মচু চৎলবদি লাক্লিবগীস্থু করে, লৈমিন্নৌবগীস্থু করে। তাব তানগদবনি। মৌ পুম্নমক্না নুংশিনমনবদা হায়না লৈমিন্নৌবা মচিন-মনাও লোইনা নুংশিনগনি। মনেম-মকু, মপা-মমানা য়াবা মী ওইরে। ঈশ্বরনা চানবীগনি, অকবা ওইগনি, নোংবা

থুংলনি। মরাম হেন্না অপুনবা থাখলনা মওং শেমদুনা অকবা পুরকপা য়াই। অদুম্না হায়বা মহা ওইবনা ইনুংলদবনি। অহল হায়বদে মূখ অহুমী মী লোইনমক ওইরকখিলদবনি। মরম অসিনা অদুম্না হায়বা ইনলদবনি হায়রিবসনি। লিংজেল মায়না পূন্নবা থবক তৌলদবনি। লিংজেল মায়না কুপশ্রবা কককেংশিংনা চাউরবা হিয়েংলাকপু চেম্মুনা পুই। মসি উবদা অচাংশিংনা মমাদা লৈই কয়িশীনো ইমা হায়না লৈই। লিংজেল মায়না কককেংশিংনা নোংজু থা য়োম্রিটৈবা কুম অমগী চাবা কোয়নবা মকোম্দা মচিঙ্গাক পুশিন্দুনা, পৈশিন্দুনা থমইবনি হায়না মথানা থুমই। লৌবশিংনা কুমগী, কুম অমগী চাওবা মচিঙ্গাক পৈশিন্দুনা থমই হায়বসে অচাংশিংনা খঙখি। শূ-মোয়লগা চাপদবনি। কককেংশিংনা লিংজেল মায়না লোবই। অপুনবনা অকবা কায়বা পুরকই। তুমনো, ঈ-মনা ময়াম্না পুনশিন্নগা যুথ কূপ্লগা মী লৈনৈ। মীওইবনা অপুনবা থাখম্না তিন্নরগা ইরায় লায়না জুংঙাইবা ওইগনি। মসে শোয়দবনি। উক্রুবদগী, তাক্রবদগী থাখল পোক্লই মরৈবাকা অরৈবা পোং উরগা মরৈপাকপু জুংশিবা থাখল চেল্ল। মীরমগী পোংপু উরগা মীয়ামগী অপাম্বা পোক্লকই। মতৌ তম্মীংই। মুম্না য়েংউ, তাবদা শেংনা তাও, খঙনবা থাখল তৌ, মতৌ তম্বা কায়রোই অখঙবা ওইযু। চেকশিন্না য়েংউ, তাও। খঙলগদি অকবনি। থুক্রমজরি তসি।

অনৌংবগী তুংলকপ
ঔ
T. K. Singh শোয়জিলবা।

ইঙেন থা, মপুগী লাংগুন

চৈরা-তমম্বা, পূর্ণিমা, পাং লাইজ ঈশিংনা ঈমায় চেংলে। থবো, থম্বাল, থাম্বিকথা ঈশিংগী নৈপাং কয়ামা ফুপায়বা শাংপা থাবি ইঙেন থা। ইঙেনগী নিনি পানবা থুমিত্তা কাং চিংই। শ্রী শ্রীগোবীন্দ মন্দিরদগী জগন্নথনা বলভদ্র শুভিদ্রাগা লোয়ননা কাইরেম কাইলাও মওংগী কাংদা তোংদুনা লেঙথোকই। মীয়ামা জয় ওইবো, জয় ওইবো হায়বগী খোল্লাওপা লোয়ননা মপুগী মিংলেন শোগ্নি। থুল্ল কুম্ভ জগন্নাথ লেঙথোকুবা নৈরক কোথোং খুনিংদা অরতি কংদি। মপুগী কোলোয় মিংলেন শক-শেম্নি থুমিদাংদা মীয়ামা মপোক লাংগুন তরাগী কোলোয় মিংলেন শক শোন্দুনা জয় ওইরে জয় ওইরে হায়বা লাউই। মীয়াম পুল্লপ তিম্নহনা খেচুরি চামিন্নে। অস্মুম্না থুমিদাং খুদিংগী মথং মথং মপুগী কোলোয় শক শোন্দুনা মীয়াম পুম্না তিম্নহুনা খেচুরি চানিন্নবগী থৌরম পাঙথোকই। তরানি পানবা কাংলেন থুমিত্তা অমুক জগন্নাথ বলভদ্র শুভিদ্রা কাং তোংদুনা লেঙথোকই। ইঙেনগী ১২ নি পানবা থুমিত্তা হরি শয়ন (মপুগা চেপ্পা) গী থৌরম পাঙথোকই। মসি নিঙোলশিংনা থৌরম পুথবা পাঙথোকপনা শিঙোল পালি হায়নম্মু কৌই। ইঙেনগী ১৫ নি পানবা গুরু পূর্ণিমা:— লুপাবা ফুদোংবা কুচুবু ওথজবা শক্তম ওইরিবা, হে গুরু অঙৌবা কিজোল শেংলিব, ওক্তা অঙৌবা নৈ পরেং থোলবা, অঙৌবা পুম্নমক্কা মহাকী ওইরিবা, মঙাল পীনিরিবা হে গুরু অঙৌবনা চাবদা চৌজাক ওইরিবা চেং চাক

পোৎলম পুম্নমক অসি গুরুনা শিখা ওইনা পোৎলম লাইচুম্না কয়চবি। চৌঙাক্না মীওইবগী মখল খনখি। মহা ওইবিবৈঙদা চাদিবা চৌঙাক্না অহল ওইবা কাওবা চাবনা যাম্নবা চৌঙাক চাবনা মহা ওইবিবৈগী মখল অহল ওইরগস্থু অদুম যাম্নবা মখল খনি। চৌঙাককী মখল পোকই। চৌঙাক মেম্না চাবনা মখলস্থু থেংনৈ। চৌঙাক্না হৎচাংগা মরী লৈনৈ। গুরুগী পাউচাক্তি অবোইবনি।

থবান থা—বায়রথা

থবানগী মোংবা পানবা থবান অমা। থবান অমি, ত্রিমূর্তি পামবা থাজগী মায়কৈগী কঙবা। থবান অহুম ব্রহ্মা, বিষ্ণু মহেশ্বর, নৈ, অঙৈশিং, নুংশিং, মচিন তুম্বা অহুম। নৈগী মচিন তুমই, অঙৈশিংগী মচিন তুমই, নুংশিংকী মচিন তুমই। মতাং; লুবাং, খুমল, খুজরৈ। থবান মরি; মোংমা অমা হায়বদে মরিথোক্লা খায়দোক্নি। মোংবাইদগী মোংঙানবা কাওবা অমা, মোংঙানবদগী চুমিংযুংবা কাওবা অমা, চুমিংযুংবদগী চুমিংতাবা কাওবা অমা, চুমিং তাবদগী মোংবাই কাওবা অমা অসিনি। মোংবাইসে অঙৈবা অমসি অশাবা অনিগী লংদাইনি, অশাইনা হৌখিবা। মোংঙানবা, অঙানবা অমদি অমম্বগা তাইনবা, অঙানবনা হৌখিরা। চুমিংযুংবা, অশাবগা অঙৈবগা তাইনবা অঙৈবনা হৌখিবা। চুমিংতাবা, অমম্বগা অঙানবগা তাইনবা অমম্বনা কুপ্পিনখিবা। মরি অসিগী মখায়দা শেবাবা মপুনা লৈবনি। জুগং মরাক খুরুমজৈ। থবান মঙা; ইচিক হুনবা ঈবিক্তা পুরুক্তা হৌবা মতম থবান মঙা মপুনা পুথোকপনি। কৃষ্ণ লীলা কুমৈ

শাঁমবা। পুমমক্না হৌবা মতমদা থবায় মঙা হৌখিবনি। ইচিক হনবা ঈরিক্তা কাউহনা লৈবা ঈপাক্তা, মতমসিদা মপুনা পুথোক-পনি। মচিন মঙা কাথোকই লেঙলি পাল্লিবা পৃমমক, অচৎ-চত্ত পৃমমক হৌখি। মতমসিদা হৌরপা মীওইবমা মতম কুইনা হিংড়ুনা লৈগনি। লমথুংকম য়ৌগনি, নীংবা থুংগনি নশা মুং-ঙাইগনি, চংথোকপদা মার পাকনি। অকবতা ওইগনি। থকবা পুম্নকপু খুক্রমজরি। অমস্বা, অঙানবা থুক্রমজরি। মি থুক্রমজরি ; মাওয়োম য়োমশিনবা, অমস্বা কুপশিনবা অনস্বা খাইদগী অহেনবা কুঞ্জ কলংকী মপূ খুক্রমজরি। ইপাগী মুমিং শলাই, য়েক ডরেং, মচু থোকখি। মচু ডরেং চয়োল ডরেং, মুমিং ডরেং, খোঙ্গাং হরেং বাঁশিগী মখোল থোকহনবীরিবা খুক্রমজরি বিশামনি শ্মনবা ইমাগী মুমিং থুক্রমজে। মাপল নে পানবা থুক্রমজে। গ্রহ মাপল; খোঙ মাপল, লোতাক-ইশা মাপল চীংলোল মাপল, মাপল মাপলবু খুক্রমজে, ঈশ্বরগী কুশ্মে, ঈশ্বরগী মমিং লোনবা। ঈশ্বরগী কুশ্মে নীংবা, ঈশ্বরগী থুম্না থম্বাল নীংজবা মীওইবগী কনবা নীংজবা, অনাববু কনবা নীংজবা। লাইরবগী মতেং পাংবা গুম্নবা নীংবা, ইমা ইপাগী কনবা নীংজব, লৈবাক্কী কনবা নীংজবা। ঈশ্বরদা অংলেংবা নীংজবা ঈশ্বরদা থুক্রমজবা। ঈশ্বরগী মমাইনি নীংজবা ঈশ্বরবু চান্নবা মক্লপনি নীংজবা। ঈশ্বরবু থবাবমক্কি হায়না নীংজবা মাপলবু থুক্রমজবা। জগৎ গুরু রাধা ভক্তি মাপলনা লৈজেংবী অমুকী অঙানবা থুক্রমজরি ওসি। পলেম ইমা উনামা মপুং কাবা ১০ নি পানবা থুক্রমজে। ১১ নি পানবা থুক্রমজে। থুমু হনবা হৌবা কায়দোংবা, ঝুলোন হৌবা হুমিং। হুমিং

অসিবগী হৌড়ুমা স্বমিং মচানি চুপনা ঝুলোনগী থৌরম পাঙ-থোকই। দেবালোইশিংদা স্বপীপালা, স্বপা পালাশিংনা ঈশ্বরগী কুম্মৈ মীংশিংজুনা. ঈশ্বরগী মীংবৈ লক-শোনবনা ঝুলোনগী মকওইবা থৌরমনি। ১৫ নি পানবা পুর্ণিমা স্বমিন্তা ঝুলোনগী থৌরম লোইশিল্লি। থরান থাগী শিথবকপা ৮ নি পানবা স্বমিন্তা কৃষ্ণ পোকপা স্বমিংনি। মোংয়াইগী মতমদা পোকই। স্বমিং অসি য়াম্না মরুওইবা। স্বমিং অমা ওইনা অহল লম্বনশিংনা কৃষ্ণ পোকপা চাইজুনা লাইরিক তাইনে। নমা ওইরিবা পাথঙ-লৈশাবী-শিংনা স্বমিদাংদা লীকোন শানৈ। চহি তরুক/তরেৎতা চায়রিবা অচাংশিংদগী অহল-লম্বম কাওবনা অয়ুক, সুংখিলদা দেবালোই-শিংদা লাই থুকস্বা চৎলি। মহাবলি, গোবিন্দ মন্দির, কালিমাই মন্দির, বামজি প্রভু অসিমচিংবা দেবালোইশিংদা লাই থুকস্বা চৎলি। স্বমিদাংদা অহল-লম্বমশিংনা মতম চাইজুনা দেবালোই-শিংদা তিল্লুবা লৈনৈ। মথোয়না মকমজুদা লাইরিক তাজুনা মতম চাইনৈ। মোংয়াই, পুং ১১ তাবা মতম হৌবদা কৃষ্ণ জন্ম পাঙথোকই। দ্বাপর যুগতা দেবকি, বসুদেবগী নিপালতবা মচা কৃষ্ণ অহিং মোংয়াই পুং ১২ তাবদা কারপাদা পোকখিবহু মীংজগনি। বসুদেবনা থৈদোকলুবগা যোগ মায়া পুরকখি। হে! কৃষ্ণ যদু শাগৈগী অথোইবা থুরুমবরি চসি।

অনীংবগী তুংনক্ষ
ও
খোমজিনবা।

T K Singh

'লাংবন থাগী নিপালনি পানবা থৌরাম্নি জন্ম'

অহৌবা, অঙানবা থা কোতিগী মঙালবু ওমজগা গৌর-অঙ্গ রাধাগী মায়থোংনি। পুন্নমক্তা হেম্না মঙাল পীবিবী জগৎ গুরু রাধানি। মুংশিবু লমজিংবীরিবী প্রেম গুরু রাধে। অহৌবদি মঙালনি, রাধা গোকপা হুমিং। লাংবনগী নিপালনি পানবা হুমিং মুংবা মতম।

“—লাংবন তর্পণ—”

লাংবনগী ১৫ নি পানবা, থাগী মপুং ফাবা থরাম্বু নৌংশিংবা হুমিং। থরাম্দা মরী লৈনবা ইপা-ইপু, ইমা-ইবেন, ইচা-ইশু, মরী লৈনবা পুম্নমকপু নীংশিংদুনা লৈরিবা অমম্বুং লৈখিদ্রব (লাই ওইগ্রবা পুম্নমকপু নীংশিংগনি। থরাম্দা মরী লৈনবা চিরাক লকোই, চু উটেং মরাম নৌংশিংবা হুমিং অসিদা থাইদোকচদুনা জীব থরাম পুম্নমক্তা কংবীয়ু হায়না নীংশিংজে। পুম্নমক্তা পেনবীয়ু হায়না হায়জবা। মৈ, ঈশিং, মুংশিং, নীংশিংদুনা রাধ-কৃষ্ণ, সিতা-রাম খুরুমজৈ হরি।

ফাগুন অমম্দি অসুম্না খুরুমজংশী ইচিক হুনবা ঈরিক্তা তাউদুনা লৈব অঙানবা মতমসিদা হৌগত্তুনা নীংশিংই থরাম্পা-দমক্তা মথক্তা হাপ্লিবা পোৎলমশিংসে পুথোক্লুনা ঈশ্বরগী মফমদা নীংশিং পোৎলম্না থৌরম পাংথোকচৈ। তোত্রবা রাত্রব ইথৌনি, মসে মীওইবগী মুচাইনবনি অপেনবা অকবা কামবাসায় পাকপা নীংবা থুংবা মীগনি শোয়দনা ঈশ্বরনা গোবিন্দনা খুরুমজরি

লাংবনগী ১৬নি পানবা। কুমিৎ অসি থাগী মপুং কাবদা অমম্বনা মচেৎ অমা চঙখিবনি। নুমিৎ অসে থবাযবু মীংশিংবা কুমিৎনি। থবায়বু মীংশিংবা থৌরম পাঙথোক্কনি। মিনিগুদা থৌরম পাঙথোকপনি, ইবুধৌশিংদা মীংশিংবা হৈ-তৈল থাইদোকচবা, ইবেমধৌশিংদ মীংশিংবা হৈ-তৈল থাইদোকচবা, ইমা-ইপা মীংশিংজবা হৈ তৈল থাইদোকচবা, ইচা ইশু মীংশিংবা হৈ-তৈল থাইদোকচবা মরী লৈনবা জীব পুম্নমক্তা থাইদোকচবা পুম্নমক্তা পেনবীব ওইবীবু হায়না হায়জবা গোবিন্দদ খুরুমজরি ওসি।

লাংবনগী ১৭নি পানবা অমম্বনা মপুং কাবা থাদ চঙবা হুমনিগুবা থবাযবু মীংশিংবা কুমিৎ অসিদা থবাযবু মীংশিংবা থৌরম পাঙথোকচরি। থবায়শিংগী মণ্ডপ, থবায় পানবা কাংলুপ মণ্ডং য়ামা শেম্বা মতৌনি মতম অসিদা মরী লৈনবা থবাযবু অকবা মণ্ডংদা পুথৎনবগীদমক্তা থবাযবু মীংশিংজরিবনি। অগৎ শেম্বা মপুদা খুরুমজহুনা থবাযবু মীংশিংজরি। অকবা মণ্ডং ওইহনবীবু হায়না গোবিন্দদা খুরুমজরি ওসি।

অমম্বনা থাদা চঙবা, মথং মথং ১৮নি পানবা মরীমি গুবা থবাযবু মীংশিংবা কুমিৎ। নুমিৎ অসিদা থবাযবু মীংশিংবগী থৌরম পাঙথোকচরি।

বিষ্ণু নীংবা গোবিন্দদা কঞ্চবা লফোই, চু, উহৈ মরাম, হৈ-তৈল, চেং, থোইদিং তুলসি মনা, তিংথৌ ঈশ্বরদা হায়না কচ্চপনি। ইবুধৌ-ইবেনধৌ, ইপা-ইমা, ইচা-ইশু জীব পুম্নমক্তা

মথং মথং নীংছুনা শরুক তমগনি। খাখা কুক্কুদা পেনবীয়ু হায়না থুরুমজৈ ওসি। অমম্বনা থাদা চঙবা মথং মথং, লাংবনগী ১৯ নি পানবা থবায়বু নীংশিংবা হুমিং। হুমিং অসি থবায়বু নীংশিংবগী থৌরম পাঙথোকচরি। থবায় মঙাম্বকপু অকবা মঙালা শেম্বীগী [illegible] নীংলি। হাইকবা ওইহনবীয়ু পেলহনবীয়ু হায়না শেম্বীবা মপূদা নীংজরি। শেম্বীয়ু মপুনা। থুরুমজরি য়াথেল্যাম ওসি।

লাংবনগী ২০ নি পানবা তক্ককনি শুবা থবায়বু নীংশিংবা হুমিং। হুমিং অসিদা থবায়বু নীংশিংবগী থৌরম পাঙথোকচরি। মমপ্রবা থবায়শিংবু অকবা মঙদা ওাক্লকপা নীংশিংজরি। শেম্বীবা মপুনা থুরুমহুনা হায়জবা। থবায়শিংদা হৈ-হৈ, চেং-থোইদিং শরুক তমম্ববা, থাইদোকচহুনা ঈশ্বরদ সেবা তৌহুনা লোল্লুকচরি। থবায়বু পেনবীয়ু হায়না গোবিন্দদা থুরুমজরি ওসি।

লাংবনগী ২১ নি পানবা তরেৎনি শুবা থবায়বু নীংশিং হুমিং। লাংবনগী ২২ নি পানবা থবায়বু নীংশিংবা নিপামনি শুবা নুমিৎ, ওসিমু থবায়বু নীংশিং থৌরম পাঙথোকচৈ। তঙ্খাই অমা অমম্বনা চঙশিল্লকপা থাদা কুপশিল্লক্লি অমম্বনা।

লাংবনগী ২৩ নি পানবা মাপননি শুবা থবায়বু নীংশিংবা হুমিং অমম্বনা মথং মথং থাদা কুপশিল্লক্লি। লাংবনগী ২৪ নি পানবা ১০ শুবা থবায়বু নীংশিংবা হুমিং মথং মথং অমম্বনা কুপশিল্লকপা অমম্বনা মপুং কাজিল্লকপা হৌরকপা। লাংবনগী

২৫ নি পানবা ১১ নি শুবা থবায়বু নীংশিংবা মুমিং ১০ নি শুবা অমম্বনা কুপশিন্নকপা ১০ মপুং ফাবা মুমিং। লাংবনগী ২৬ নি পানবা ১২ নি শুবা থবায়বু নীংশিংবা মুমিং, অমম্বা অমা। লাংবনগী ২৭ নি [illegible] [illegible] [illegible], ১০ নি শুবা থবায়বু নীংশিংবা মুমিং।

লাংবনগী ২৮ নি পানবা অমম্বা অহুম, ১৪ নি শুবা থবায়বু নীংশিংবা মুমিং লাংবনগী ২৯ নি পানবা অমম্ব মরী, ১৫ নি শুবা থবায়বু নীংশিংবা মুমিং।

লাংবন থা শুবা অমম্বনা মপুং ফাবা থবায়বু নীংশিংবা ১৬ নি শুবা মুমিং। অমম্বা ১৬ না তিন্নবা মহাকপু নীংজবা পোঙ্গব জগৎকী মপু খাইদগী অথোইবা পুম্নমক্কী অহেনবা কৃষ্ণচন্দ্র মহাকপু নীংজরি। পুম্নমক্না মতোম্না চঙজগদৌরি-বনি। অীব পুম্নমক্না চঙজকম ওইরিবা মতোম্দ খাইদগী কৃপ্পদা মথা অমুক লৈত্রবা, তোঞ্জবদা খাইদগী তোপ্লবা মীনা চঙজবা নওনা করি উপায় লৈজদে। মে অথোইবা কৃষ্ণচন্দ্র খুরুমজরি রাধা গোবিন্দবু ওসি। থাগী নমাইগী নমাই খুরুমজরি।

অনীংবগী তুংমকম

ওঁ

T K Singh

খোমজিনবা

ফজবা নুংশিবা মায়নি (মায়থোংনি)

থাগী মপকপু উবদা, পূর্ণিমা থাগী মায়থোংবু উবদা মহাক্কী মঙালবু পূম্নমক্কা হুংঙাই। থাবু উবদা পূম্নমক্কা পেল্লি অমসুং হুংশি মাসবু থাজগা মায়থোং হায়নে। মপুং ফায়বা পূর্ণিমা থাবা লেংলি-পাল্লিবা জীব পূম্নমকপু মঙাল পী। পূম্নমক্কা থাবু ঐগীনি ঐগীনি হায়নৈ। মসে মায়থোংনি। অমুক্কী হুমিংকী মঙালবু উবদা পূম্নমক্কা হুংঙাইবা কাওই। হমিংসু মপুং ফাবা অমানি পূর্ণিমা থাসু অমনি। মপুং ফাবা হায়বসে ফজবনি। হুমিং থা অনি অসে জীবশিংনা মায়থোংমক্তা উবনি। মায় হায়বসে ফজবা শিবিক্কা ভিন্নবা মফমনি। থাইদগী অহেনবা হায়বসে মায়থোং অসিনি। জীবশিংগী মাং-তুং নাই। ঐগী তুং ঐনা উদে। মহাক্কী মমাঙদা থাগৎপদা নতুংদদি অথীবনি। মহাকপু তুংদদি থীবনি। তুংদা থীনা ঙাঙনি হায়বসে মহাক্কা থমগদবনি। অথীববু উবা হায়বসে খুদিংমক্কা উনবনি। বাখল থমবা মীনা অফবনা হেম্না উই। বাখল থম্দবা মীদি ফত্তবনা হেম্না উই। বাখল মপুং ফায়বা মীদি অফবতা ইগনি, ফজবা থঙগনি জীববু নুংশিগনি মীওইববু হুংশিগনি। মীওইববু হুংশিবা হায়বসে ঐগীনি। ঐনা নোংগনি পূম্নমক অসে ঈশ্বরনা শেম্লীবা শেম্লিবমক্তনি। অফবা উবা হায়বসে ঈশ্বরগী মঙাল চঙলক্লবনি। পুক্নীং ঙাহোকপা পীবিয়ু। হে অথোইবা প্রভুবু খুরুমজে ঙসি।

অমীংবগী তুংনফম

ওঁ

T K Singh

খোমজিনবা

মুন্না য়েংজরে। মুন্না য়েংবা মতমদা থাগী মকোয় অকোয়বা পোংতা য়েংশিনবদা পুমকোয় কোয়শীল্লগা ময়ায়দা মরু-কোকপা মওং অমা ঐগী মীত্তা উপ্রে। মহু উবদা নীংশিংলকখি, ঐনা কাওরকাওরবা ঋষি, মহাত্মাশিংবু থা উবদা নীংশিংলকই। মহাত্মাশিংনা করিগী মরু কোক্লিবনো? থাজগী অকোয়বহু উবদা ফজবহু পামজহনা মপুং ফারবা অহেনবা অহবু উবদা মরু কোকথোকচবনি। অহেনবা অথোইবা মহাকী নমচংপু, মাথলমু, হৃংশিবা পামজবা হায়বসে হৌনবনি। থাগী মাথলদগী থাবু হৃংশিবশিংনা মরু-কোকথোক্লিবনি। অথোইবগী মতৌ তন্না হায়বসে মাথলগী মঙাল লাকদবনি। মঙাল লাকপা হায়বসে অকবনি. ঈশ্বর নীংবা হায়বসে অকববু তান্‌বনি। অকবা হায়বসে পুম্নমকনি। অহেনবা হায়বসে অথোইবনি। অথোইবা হায়বসে সুংথাইবনি। সুংথাইবা হায়বসে সুংতিগী ওইপদবনি। "নিত্য-আনন্দ" অথোইবা প্রভুবু থুরুমজরি ওসি।

অনীংবগী খুত্তনফম

ও

থোমজৌনবা

T K Singh

"অঙৌংবী ইমা"

মেরাগী নোংমা পানবা, তৌবা থুমিৎ — অশংবা কিয়েংনা ১০শুবা পারোম ওইরিবী। অঙাংবা শকুম, অকনবদা ভোংলিবী। লাংঙনবা মথৌ ওইরিবী ইমা। ইমা দেবী থুক্রমজরি।

অঙৌংবী অথোইবা ইমা অহেনবী অপাম থোইবী অকনবী অথোইবী অশেংবী পুম্নমক্কী হেল্লবা পুম্নমক ওইরিবী অথৌবী পুম্নমক্কা শীন থুংলবী মতবী অকন্নবু ভোংলিবী অথোইবা পায়বী মতুংনা লাক্লেদৌ হায়রবে অদুম্বা বাবু হায়রবে। থুম্নকই অথোইবীনা মতুংদা অকনবা ভাম্নবদা অহেনবদা লৈগনি। অসি হায়রবদা অথোইবীনা খাজৎলক্লে, হাইবে, মতুং মতুপ-মতুপ ভাগ্রে। হায়বা হায়বা থুদিংগী মতুংনা পুমথল থল্লক্লে। অথোইবীনা লাংঙল ভরং মরৈ ভিংথোক্লে। অথৌবী ভরংথক্তা হায়রক্লে পুমকূপ কুপপ্রে। খক্কিবগী মশক ওইনা পুম্নম মম্মা কূপপ্রে। থাওলেন থুত্তা পায়তুনা অথোবীনা হায়প্রে। পুমলং-পুমলং লংলক্লে লাইজ ঈশিং ওইরক্লে। থকচিনপ্রে লোইমমক ঈমশা ওইপ্রে। পুম্নমকপু তিনপ্রে শাগৎলে মপাহ্ন মহাদেবী দুর্গাদেবী পুম্নমকা ইমানি থুক্রমজরি ওসি।

মেরাগী নিনি পানবা, মেরাগী হুমনি পানবা,
মেরাগী মরিনি পানবা, মেরাগী মঙানি পানবা
মেরাগী তরুক্নি পানবা মেরাগী তরেৎনি পানবা,

অনৌংবগী তুঙনফম
ঔ
— খোমজিনবা —

T. K. Singh

শাই। অহুম অথৌ কায়রক্লুবা মাশি মাশি কমকমদা কমলৈ। নিংথৌনা শায়ু ডাইবোংথক্তা অমসুং সময়থেঙ্দা লেঙথোরকই। নিংথৌনা লেঙথোরকপদা অহুম অথৌ মীয়াম পুন্না লেপখৎনা নিংথৌবু ঙকই। নিংথৌবু ডাঙগনিং লেঙলিনরবদা মীয়াম কমথে। যাওজৈবসু যাওজৌ পুরক্লুবা নিংথৌগী তোলোক্তা (কোবমেস্তা) থেংলে। অহুম অথৌগী নুংদম্ব য়েল্লি। কাক তান্নরৌবা মীনা নিংথৌদা খুমমমগা কাক তানবা চংল্লে। চহী চৎপী মায়কৈ হোং-হোংদুনা কাক তানবা চংলি। চৌংথা-দম কাক তানবা চংখি। পুরৈবোম্বা খোংবাংদা থাঙ-ত তৈব-শিংনা কুপ্পে ডিতুনা নিংথৌগী খোমলা তৌই। কাক তান্নবা মালা হন্নজুরা কাকী মঙং তমলৈ। অথৌ-অবৈশিংনা কুমশি কুম অসি অকক্না কুমারি হায়না খঙই।

অরিদাংদা থাঙপাংতাংঙ্ মরামঙ্ পূমপীঙ্গুমা থাবক লাঙ্গনা দুর্গা দেবী লেঙথোকই। থবক লাকপা অষ্টগুণা অদিদা কোপ্পংদগী দুর্গা অমা লেঙথোরকই, অমনা কালিমাই (M.K.) দগী দুর্গা লেঙথোরকই। মৌ হোন-হোন্দুনা হি মথক্তা কুপ্পে তৌই। থাঙ-পাং মপানগী অর্থাং থংবদা বম্বুলা য়াম্না থায়। নৌকা খেলাদা চেবোল য়াম্না খাংনা-খাংনা থাগংলে। অথাম্লদা লৈবা মীনা উই। মচুপী মচুংনা দুর্গা থাঙপাং ইরোলম্বংদা থাদল্লে। খৌরম লোহাশনল্লে। ভৈগ্যবতি দেবী ইমাবু খুকমজরি ওসি।

অনৌবেগী হুঙনকম
ওঁ
খোমজীবনা

T. K. Singh

"ফজেকো য়েংউসে"

মেরাগী পুর্ণিমা—মেরাগী ১৫ নি পানবা থাগী মপুং ফাবা, শীন্‌বা থুংনা ঙাল্লবা, মপুং ফাবা অঙানবমা পুম্নমক ঙাল্লবা, ফজবা পুর্ণিমা কৌরে। অদুম মপুং ফাবা মুনি ঋষি তেজ মঙাল থাখল মপুং ফাবনি। থাখল মপুং ফাবা হায়বসে ফজবনি। ফজবা হায়বসে অথোইবা অহেনবা মায়পাকপা মুংঙাইবনি। মীওইবনা পীকপদগী চাউরকপদা মপুং ফারক্লবা চহী ১৫ থরক-লবদি মতোম্দা মপুং ফারক্রে, ফজরে। চহী ১৮ শুরবদি অদোম মপুং ফারে অফবা কৌরে মপুং ফাবা হায়বসে অথোইবনি। প্রভু মুংঙাইবা মুনিং থুদিংগী পীবিরিবা খুরুমজরি, অঙানববু ঙসি।

মেরাগী অয়ুক—ফজেকো য়েংউসে হে অয়ুক মুংশিনবা, অমত্তা চায়নবা চামববা মহাকপু উজবদা মুংঙাইজে। শক্লোন মথল মথলনা মহাক্কী শরুক ওইরিবা অয়ুক্কী অঙনবা মহাক্তা তিন্নজবা কংবা অসে অফবনি। মহাক্কী কুচু অচৌবনি, অচৌবনি অঙানবনি, থাধা কৌই, থাগম্বু হায়বনে। ভরেংমা নৈতেংবনি. মচু করেংমা শক্লোম পুথিবী। ফজেকো য়েংউসে অয়ুক্কী অঙনবদা হৌড়ুনা হকচাং শেংদোকুনা অশেংবা থাখলবা নহাকপু য়েংজবা কংজবসে অফবনি, থাইফবনি, মুং-ঙাইবনি অফবদা শরুক পীনবিরি। মথল মথলগী থাখল কয়ানা অয়ুক্কী অঙনববু তাম্নবগী। অচৌবা ময়নবা হোংথৈ। মেরাগী অঙনবদা হৌগত্নুনা কাঙলুপ অমনদি মযাম্না তানবা কাংশি থীংদুনা অচৌংদা চৌগত্নুনা ফমনবগী মমক্তা মঙলারত্তি তৌনৈ। মীওইবগী থাইফমবনি ফননবনি। হৌগংলু. হৌরো নোংঙাল্লমদাইদা

অয়ুক্কী অঙনবা। অস্থুম্না তৌরবদা মীওইবশিংগী অরা-অমা লৈরোই। খুংঙাইবা শরুক ওইগনি পুম্নমক্কী চেনগনি। মকোকথোংবা মীওইবা ওইগনি, ব্রহ্ম মশক খঙবা মীওইশিংনা তৌগনি। হৌজিক ফাওবা চৎনরি, তম্লরি। ব্রাহ্মণশিংনা তৌরি। মদু তৌরিবা মীওইশিংদু ব্রহ্ম মশক খঙবা কৌই। থরাম্মগী মপু ওইরিবশিংনা অয়ুক চুম হৌপত্তুনা লৈরবদি থবাগী মপু ওইবা মতম কুইনা ওইগনি। পুন্সিগী য়াংহৌ ওন্নগা, য়াম্না কুইনা হিংবনি।

মেরাগী থাশু - থবায় খুংঙাইবা খুমিং, মেরা থা ওনা, অমম্বা অহেনবা পুথোকপীরিবা অহৌবা অচানবা হে কৃষ্ণচন্দ্র লক্ষ্মী নরায়ন খুরুমজরি। থবামবু খুংঙাইবা পীরিবা অচানবা পরেং লেংলিবা অশাম্বা পোকহনবীরিবা মালেম শীনবা থুংনা লৈরিবা। খুম-থোঙ খুমথোঙ থুনিংদা মৈ পরেং থাম্মুনা ইবুংঙো-ইবেম্মা অনিবু মীংজরি। তৌবাশিংনা খুংঙাইজরি। মমিং মথন মথন থোম্মুনা ইরাংহৈ। শেম্বীবা মতমদগী চৎমরকই। হৌজিকসু চৎনরি। লোন কয়াদা লাইনিং লাইশোন পূজা তৌনরি। মেরাদি, দীপান্বিতা, লক্ষ্মী পূজা তৌই।

মসে জীবশিংগী য়াইকনবনি। পুন্সিগী খুংঙাইরবনি। মসি তৌরবদা চহী চহীগী অহেনবা ওইখংলকনি। লমগী মবেম্মবু খুরুমজরি ওসি। থবায় খুংঙাইবা খুমিং॥

অনৌংবগী তুঙনকম

ওঁ

T. K Singh

থোমজীনবা

চীংগী ৱারী

হিয়াঙ্গৈ নোংমা পানবা— মঙানবগী হৌবা মহেনবা, অশাবগী মতময়কপা অঙাংবগী মহৌবা তাইনবা মতম। মনৌ-অপেল পুম্নমক্কী অঙাওবা শীবা মতমনি। জীবশিংগী মচিংতাক মপুং ফাগৎলকপা মতমনি। মতম অসি অহৌবনি গিরিধারীবু খুরুমনৈ। চীংবু খুরুমনৈ মসি চৎনরকই। চীংনা জীব পুম্নমক্কী মানবা পী। মহৈ মরোং পুম্নমক চীংনা অহানবা পুথোকই। চীংবু ইরাংনবনই খুরুম্নরম্মী। ভৌত্রনা মাত্রনা পোংশক্লি। চীং হায়রবসে অক্লবা পোংশক্লি। খুৎনা পোংনরগা অক্লবা পুম্নমক কোকহল্লি। মুমিং তরেৎনি থোংখাইথিংদগী থাংজ কাওববু তরেৎনিগী মশীং শঙমগনি। মশিবু থাঙ্গতুনা লৈবগী অক্লবা কোক্লনি। লাইবকপু খুরুমজৈ। কাঙলুপ মশিনা গোবর্দ্ধন পুজা তৌনৈ। খেৎনবা কাঙলুপশিংনা তোঙান তোঙাননা লাইমীং লাইশোন্দা চীংবু পুজা তৌনরম্মী। কাঙলুপ কাঙলুপকী চীংগী বারী মথল মথল লৈরম্মী, লৌনরম্মী কাঙলুপ অসিনা গোবর্দ্ধন পুজা তৌই। গিরিরাজ গোবর্দ্ধন গোপালদেববু খুরুমজরি ওসি।

অমীংবগী ভূতমকম
ও
খোমজীনবা

T. K. Singh

“নীংতোম্বগী নুমিৎ হিয়াঙ্গৈগী নিনি পানবা

মমা-মপা, মবুং-মৌপাশিংনা মযূম পানখ্রবী নীংতোলশিংবু কৌহুনা পীজ-পীথক তৌই, অঙকপা পোংথৈশিং পীরে। নীংতোল-শিংগী য়াম্না হুংতাইজবা থুমিংনি। পূক্নিংগী নীংজবা বাখল পূম্নমক্পু নীংশিংই, নীংশিংনৈ। নীংতোলশিংগী মপুক্কিং পেমনবা মবুং-মৌপাশিংনা হোংথৈ। নীংতোলশিংবু করম্না হুংতাইগদগে পিবাশিংনা খল্লি। পিবাশিং, (মবুং মৌপাশিং) অসে নীংতোল্লবী নীংথোই নীংহেনবা ওইরবদি হুংতাইগনি হায়না নীংতোলশিংনা নীংই। কজ-কনবা অরৈবা ফিজেৎ শেজনা নীংতোলশিংনা মপামদা লাক্লে। নীংতোলশিংনা অহাও-অথূম পুরকই, য়ূমদা পুরকই য়ূমদা লৈরম্লিবা পিবানন্দ চান-থক্কুবা পোং কজনা লাঙচনা পীজ-পীথক তৌই। থুমিংসিদা অচল ওইরবা হুম্বী নীংতোলবুন্দ মপাম লমদমদা কৌই চৎলি। য়াম্না হরাওনা অচল ওইরবী নীংতোলনা লাকই। মপুক্নিংগী বাখলনা হুংতাই-জবা কাওই। মহা ওইরিবৈগী বাখল নীংশিংদুনা অচল ওইরবী নীংতোলনা মমিত্তা ঈরা চেক্ষুনা মপুক্নিংগী হুংতাইবা নীংশিংই অসিগুম্বা পৌদোক অসে নীংতোল চাক-কৌবা কৌই। নীংতোল চাক-কৌবা হায়বা অসে য়াম্না চাউবা চৎনবী অমনি। তৌম্নবা য়াত্রবা ইথোনি। অসিগুম্বা থবক অমি থবাম য়াওনা শোয়দনবা তৌবা মীনা মরল-মথুম লৈবা, চহী চহীগী ইনাক খুল্লকপা মরল লৈরকপা তৌক তৌকবদা মমাম পাকপা মহৈ-রৈবা ওইগনি। তৌনবা নীংগদবনি। চাং নাইনা তৌরবদা অকবমক্কা ওইগনি।

জগৎ গুরু রাধা

চাং নাইবনা মহাক্কী শরুক ওইরবা
নহাক্কী নথৌ পুম্বক ফংগনি।

রাধা কৃষ্ণ অনিবু দর্শন ফংবা অরুবনি। মহুবু উননবা মীংগদবনি। মহু উরবদি মীওইবগী মুংঙাইবা ফংলে। অশুম্বা মীংগনি।

অয়ুক্কী অমম্বা অঙানববু উজবা রাধা কৃষ্ণবু উননবগী পাক্লনি। অসিগুম্বা কম্না হোৎনরবগদা মীওইবগী মুংঙাইগদৌবনি। মীওইবশিংদি মুংঙাইবা পামই, পামগদৌবনি। মমলিতৈদা হৌগতুনা অঙানববু য়েংগদবনি। হায়রিবা মতম অসে হোৎনবদা য়াম্না রানা থোক্কনি। মরম অসিনা রাধা কৃষ্ণ ফংবা অরুবনি হায়রবনি।

ফংনীংলবা মীশিংনা হায়রিবা মতম অসিদা হৌগতুনা য়েংউ। মুংঙিগী তৌগদবনি। অদু তৌরবা মীশিংদা মুংশিবা ওইরে। ঈশ্বরনা মহাকপু চানবীরগনি। তৌরু-তৌরুবা থবক্তা অকবা ওইগনি। মরিল লৈবা, থোমা লৈবা, পাক্লল কনবা, লৌশিং শিংবা, মহৈ হৈবা, অথোইবা ওইবা, নীংবা থুংবা, অকবতা মহাক্কী শরুক ওইবা ওইগনি। শোয়রবা বানি কাউগদু, হোৎনলু, য়েংউ, ঈশ্বরবু কাউগদু, অথোইবা প্রভু! খুরুমজরি গুনি।

অনীংবগী তুংনফম
ওঁ
খোমজিনবা

T K Singh

শচিগী চরাশুবা মচা নিমাই

নিমাই মমা শচিনা নিমাইদা হায়রকই। ইমান্না নঙোন্দা যায়া লানখ্রে। ময়াম্বা বিশ্বরূপনা লাইরিক অমা পীরম্বনি মহু ইমাবা পীদরে। নয়াম্বা বিশ্বরূপনা মফম থঙদনা মাঙখিবগী ইমানা বাহৌ-বসে, অহুঙুম্বা নহাকম্ভু মাঙথিগদ্রা নীংহুনা লাইরিক অহু ইমানা নঙোন্দা পীদবনি। মহু ভাবদা নিমাই য়াম্না বাখি। মহাক্কী মায়থোংদা ভারিবা অবাবহু মমামা উরে মহুদা মমা শচিনা অমুক হেন্না অবাবা হায়বহু ওইরে। নিমাইনা অমুক মবাগী অবাবহু উরে। অহুদগী নিমাইগী হৈ-শিংলবা বাহৈনা মমাদা হায়রকই।

"ইমা নহাক্না এঙোন্দা এগী ইয়াম্বা বিশ্বরূপনা পীরম্বা লাইরিক অহু পীদবাদ ইমামা এবু থংশিবীহুনা পীদবা নত্ত্রবে?" নিমাইগী হৈ-শিংলবা বাহৈনা (পাওথুম্না) মমাবু পেলহল্লে। অচুম্বা বাহৈ অহু হায়রক্লবদা মমানা পেল্লহুনা হয়াওখি, নুংঙাইখি।

নোংমম্ভু রঘুনাথনা পৃথিবীদা লৈরিবা লাইরিকশিংদগী এগী লাইরিক অসিনা থাইদগী হেন্না অফবা লাইরিক ওইরগনি নীংখি।

নহা ওইরিবা নিমাইনা লাইরিক অমা ইরে হায়বাস রঘুনাথনা খঙলে। নিমাইগী খুৎই লাইরিক খাসগীদমক মহাক্না অকিবা অমদি মিপাইবা পোকখি নিমাইমা ইরিবা লাইরিক্তু মহাক্না য়েংনিংলম্মী, য়েংগে হায়বা য়াগত্রা হায়দোকপদা চিংনরম্মী। নোংমা নিমাই অমদি রঘুনাথ হি ভোংহুনা চৎমিমরম্মী। মতমহুদা রঘুনাথনা নিমাইদা হয়াওনা মহাকী লাইরিক্তু অমুক্তা য়েংগে হায়রে। নিমাইনা হয়াও-হয়াওনা য়েংউ হায়না পীরে। রঘুনাথনা লাইরিক অহু পাক্নবদগী মায়থোং মকশিনখ্রে অবাবগী মমি ভারে। মহু

উবদা নিমাইনা হংই, মরূপ ! অতুক থবায় মুংঙাইত্রিবা করিগীনো ? রঘুনাথনা হায়রকই। ঐনা মুংঙাইত্রিবসে হায়রগে তারো—

পৃথিবীদা খ্বাইদগী ফজরবা লাইরিক অমা ওইরনি হায়না ঐনা চাউথোকচবগা লোয়ননা ঐগী লাইরিক ইরুবনি। মরূপকী লাইরিক অসি ঐনা শারুবদা ইচম চম্না ফজবা, ফনাগী মতৌ অমত্তা তমদনা পূমজোপ তোপ্না ফজবা হেক্লে হায়না ঐনা খল্লে। মসিগী লাইরিক অসি লৈরবদি ঐগী লাইরিকসে করিমত্তা ফজবা ওইরোই হায়বসে খল্লুবদগী ঐগী থবায়সে বাখিবনি। রঘুনাথকী থবায় বাবতু উবদা নিমাইনা লাইরিক অছু ঐতোম্দা পীরক্লো হায়না লৌখ্রে। নিমাইনা লাইরিক অছু মচেৎ-মচেৎ শেগায়দুনা ঈশিংদা থাদক্লে। লাইরিক মচেৎ মচেৎ ঈশিংদা থাদখিবদা রঘুনাথকী মমিত্তা চেক্তেৎ মরাম অছুনা ঈশিংদা তাউরিবছু ফুগায়না শাংলবা থম্মালগী মওংশুম উক্লে। রঘুনাথকী থম্মোয়দা মুংঙাইবা ফাওক্লে। রঘুনাথকী মুংঙাইবা অছুদা নিমাইগী থম্মোয়দা মুংঙাইবা পোকখি। অসিগুম্বা চৈ-শিংনবা মহাক্কী মুংশি চৈহবা, মীওইববু পেন্নবা হোৎনবা, হরি শোনববা মথৌ ওইবা পূম্নমক্কী মুঙাইনবা হোৎনবত্তা নিমাইগী মুংঙাইবনি, অপেনবনি। হরি শোনবা পামজবা পুরুষ কয়ানা নিমাই, গৌরাঙ্গ প্রভু, চৈতন্য প্রভু হায়না মিংথোল কয়া মথং-মথং পীরক্লুনা চহি ৫০০ শুরব কাওবা শোম্রি, শোমখিগনি। ঈশ্বরভক্তি মীংনরি। হরি শোনবা মংতিগী মুংঙাইবা ফংই। অথোইবা প্রভু, নিত্য আনন্দ ! অথোইবা প্রভু ! খুরুমজরি ওসি॥

অনৌংবগী তুংনফম

ওঁ

T K Singh খোমজিনবা

“মীয়াম্না খণ্ডনরবা গৌতম বুধগী পাউতাক”

পজা রাণীনা মতোমতা পোকচবা সিদার্থ
গৌতমীনা য়োকচবা গৌতম, বুধদেব
মিংথোল কংখিবা মহাক্কী পাউতাক।

“উনা অমা শেগায়মু, অমুক হমা শমখিল্লু।” মসি ওই-রোইদবা থবকপু তৌরোইদবনি॥ ঐনা হংলকপা তাল্লকপা লেলনা ঐনা শিজিন্নগদবনি ঐনা অতোপ্পগী পোৎপু শিজিন্ন-রোইদবনি। অপীকপদগী চাওখৎলকদবনি, অনেম্বদগী হাংখৎ-লকদবনি অনেম্ববু কাউরোইদবনি, চাউপে হাংগে মীংলবা, অপীকপবু কাউরোইদবনি।

“লোংদোন তম্না কাপ্না তেম হাতোন ফাওবদি য়োই।” হাথলনি। হাথলদি থম্লিমথৈ য়াই। অচুনা বুধদেবগুম্না অকনবা থনবা মী ওইগদবনি।

অসিগুম্না গৌতম বুধ হায়না মিংথোল কংখিবনি। বুধ-দেব, গৌতম বুধবু খুরুমজরি গুসি।

কালেন পূর্ণিমা

T K Singh

অনৌংবগী তুংনকম
ও
খোমজিনবা

(1)

মরুওইবা চিংনবা

ঙগ হায়বসে মখল-মখল কয়াগী হীদাক ওইনা লাবনি। মীওইবগী থবায় কয়বগীদমক্তি মীংচুনা অকবা হীদাক লাই। অনাবশিংবু ফহল্লি। করিগুম্বা হীদাক মখল অতোপ্পা থম, জীবশু হাংবনবগীদমক লাই। মসি নীংচুনা মীওইবশু চাংলগে হায়না খাসিগুম্বাশিংসে পুথোকই। হেরোইনগুম্বসে অতোপ্পা লৈবাক অমনা লৈবাক অমবু মাঙহন্নবগীদমক লাই, থাজোল্লি। মহু শিজিন্নবা মীওইশিং অদু মশাগী অযাঙবা ওইবদ নত্তনা কৈদৌঙৈদা মুংঙাইরোইদবান। মচুনা মুঙাইহনব্রা হায়বশু থবায় শিবা নওনা মহাক্না মুঙাইবা ওইরোইদবনি। থবায় মাঙনীংলবা নশা ফিংলরোই নীংলবা নহাক্না মহু থকচাল্লু, চাশাল্লু, মতম থম্না লৈরগা নহাক শোয়দনা শিরগদবান। কাউগনু হায়রিবসে—মসি শারকপা চুপা অচুনা নখোয় শিক্ত্রশনু হায়না নখোয়দা পীরকপনি। মসি খঙাজল্লু; কাউগনু, হেরোইন শিজিন্নরীবা নতোঙ্দা হায়রিবনি। নহাকপু শিননবা তোরাক্লবা মপাচু, যোল্লক্লীবদো, শারক্লিবদো মচুবু মুংাশিন্নু। মচু মুংাশিবনা নখায়দি শোয়দনা মাঙলগদবনি। মচু থক্লুনা মতম মাঙহন্দুনা নহাক্না লৈখোকই। নহাকী লৈজরবা শেল লোইথিগনি, মতম হৌথিগনি, মাঙাথপনি, মুঙাইহনা লৈখোকই। নহাক অকবা মী ওইরিব্রা? শেল শায়রিব্রা? নহাক মুঙাইরিব্রা? শিননবা নহাক্না পোং অদু কংব্রবদা নহাক বাব্রা? হেরোইন কলগা নহাক মুংঙাইরবদো নহাক শোয়দনা শিরগদবনি।

অতোপ্পা লৈবাক্কী পোৎপু শিজিন্নরীবা মী অমত্তা কনমক ফবা ওইদুনমক্ষু নহাক্কী অমাত্তা ওইগনি। নহাক্কী নৈবাকা ফংবা, নশানা পুগদৌকপা ওম্বা পোৎ শিজিন্নরবদি অফবা মী হায়বদো ওইরে। অতোপ্পা লৈবাক্কী পোৎ শিজিন্নবা হায়বসে চাং-নাইনা ফংলোই। ওককং ফংখিদবসু য়াই। ওককং ফংলক্রবদা নহাক্না কৈ হায়না শিজিন্নরীবদো শিজিন্নবা ফংদ্রবদি নহাক করি অমুক শিজিন্নগনি। চাগদবা, থক্কদবা, থাদোকপা য়াদ্রবা মত্তু শিজিন্নদ্রবদি শিরগদবা পোৎ অমত্তু থক শিজিন্নরোইদববনি। মত্তু শিজিন্নরিবা মী অমত্তু থাথল থাংপা মী কৌরে। থদ্দৌ, নহাক্না কৌরিবদো চুম্নিত্রা? নহাক্না মুম্না নিংশিংদুনা য়েংলগা য়াম্না ইকাইনি। ইকাইবা হায়বসে অরাবা মথল অমনি শিবা ফাওবা য়াই। মরম পুম্নমক্না তিল্লদুনা নথায় মাওবা হায়বদো ওইবনি। নহাক্কী শিননবগী মরম য়াম্না য়ামগ্রে। মরাম্না হায়নরীবা NO. 4. মত্তু চারগা শিগনি হায়রিবসে মরম অসিদনীনি।

মীওইববু নুংশিবু, মীওইববু কনবা থনগদবনি।
মীওইববু ফবা হায়বসে এগী অফবনি।

ঈশ্বরবু কাউগনু, খুরুমজরি, ওসি

পাবিবু, চেসি মাঙহনবীগনু। নমথোকপীবু, য়েন্থোকপীবু। অফংবশিংনা থমজিনবীয়ু, অঙাংবু থংহনবীয়ু।

অনীংবগী ভুভনকম

ওঁ

— থোমজীনবা —

ঐগী সঙ্গ

ঐনা তৌরিবা থবক অদো, মতুংনা ঐগী শঙ্গ ওই। ঐ পোৎ য়োনবা অমমি হায়মা নীংলসি। অঙাংগী চান-থক্লবা পোৎ য়োল্লবদি অঙাংমক্তা ঐগী ইমাক্তা চঙলকনী। লাই মীংবগী মপোৎ-মচৈ য়োল্লবদি লাইমীং লমীচংলবা মীওইশিং চঙলকনি। করম্বা পোৎ য়োনবনা অকবনো, পোৎ য়োল্লীবা ইশানা লেপচগদবনি।

ঐনা তৌরিবা অসে মুত্তাইনবনি, মাইকনবনি। মতু ওইরবদি অকবনি থঙবা পোৎমক্তা য়োনবা তাই। মীওইববু কনবা পোৎ ঐনা য়োনগনি। মীওইববু ফনবা তৌবা হায়বসে ঐগীস্থু অকবা ওইরক্কদবনি। ফঙবা পোৎ য়োল্লবা, মী মাঙনবা পোৎপূ য়োল্লবশিংনা শোয়দনা মাঙলক্কদবনি। মসে থাজো শোয়রোইদবনি।

মীওইবগী মুত্তাইবা হায়বসে শোয়রবনি। মী থুদিংমক শেল লোইনা পায়রকপমক্তনি। মহাক্কী পুস্সিদা মযুম-মকৈ শাবগে নীংলকপা, শারক্লীবা মী অতু শেল পাইরবা মুপানি। লৈনবা যুম শাবা মুপানা মহাক্কী মপোৎ মচৈ লৈবদা কনাঙ্গুম্বদগী শেল অমত্তস্থু পীদনা তোক্লোই মত ইনাকথুনবা কৌই। ঈশ্বরনা কংনবা পোৎ লৈবা মীশিংনা মশাগী অশেংবা মরলনা লৈগনি। ঐনা তৌরিবা থবক্তা ঐগী মুত্তাইবনি। মুত্তাইবা হায়বসে ভুংদা মুত্তাইবক্কদবা থবক ওইগদবনি।

ইশাগী কপদবনি যাদি মাওনবা তৌরোইদবনি। ঐগীদমক লেমনবা (চোঙবা) মীনা কজনা ভাওনগদবা অদুগুম্বা থবক তৌবদা পুম্নমক্কী অফবনি। পুম্নমক্কী থবক তৌবা হায়বসে ইশাগী অফবনি। পুম্নমক্কী মায় পাক্লবা এনা তৌবদা ইচা-ইগী অফবনি।

পুকচেল শেংনা অফবা পোংনা ইচা-ইদা পীক্লগদবনি। মহৌ ওইরবদা ইচা-ইও কপদবনি। ইচাবু হকনগে নীংলবদি পুকচেল শেংনা অফবা লম্বীদগী তানবা লেম্না শাকিমগদবনি। মায় পাক্লদবনা অফবা ওইরে, ঈশ্বরনা চানবা মী ওইরে, শত্র অফবা হংলে, নহাক লোয়দনা হুক্তাইরগদবনি। মসিবু কাউক্লবা ঐনা ঈশ্বরনা লোয়দনা থৌজাল-বীগনি। অফবত ওইরক্লবি। অফবদগী যাম্না লৈবনি. নীংবা থুংগনি অফবনু লীংউ। অফবদগী যাম্না লৈরক্লনি। অফবা থবক্কী চানবা লেলনা নহাক্কা হুংচাইগদৌবনি। হুক্তাইবা অতেদগী অফবদগী কংবা হুক্তাইবনা শক্রুক লাক্ষ লাক্ষ হেনগনি। অফবা থবক পাঙউ। অথোইবা, পামউ অথোইবা! প্রভু।

প্রভুবু খুরুমজরি চসি।

অনৌংবগী ভুডনকম

ও

--বোমজীনবা —

অমুক্কী 'অঙানবা' ফজবা

উ উরিতৈদা উচেক্কা উপাদা তোংই। উচেকশিংনা চুমিং ভাখিগদোমে হায়বা থজং। চংথোক্লবা মাংশংনা হুয়ংভাখ- ত্রিতেদা য়ুমদা হজিল্লকপা থাইদনী অকথনি- নোংভানবগা উচেকশিংনা মচুমদগী শাইথোকই। মীওইবশিংনা নোংভানমা দাইদগী কোগংপো, চংপা কৈ। তৌপদবা মথো, শূপদবা মশিন শূ-নোংছুনী চাং নাইনা হুংতিগ হোৎনবা মীশংছু অকবা মী ওইরে লাইরিক-লাইথ হৈবা, পরিক্কা তম্বা অতাং ওইগনি। শোয়দবা বাশি, ফাত্তগনু, মথক্তা চায়রিবগে তোগদবানি। অমুক নোংভানবগ মথক্তা তিংদনা, অতৌবা অঙানবা থৌক্রকই। মীমন্না তিংগদা য়ুমথোং খুদিংদা ভাশিহনি। মীওইবশিংদা কায়বা পীগ অহিংদা লৈন পতিংদা, থাও তিংনা, ইলেক্ট্রিক বলব রাথিবা থান্দুনা মীওইবমা জুংভাইমবা তৌখৈ। শেন অমত্তা তিংথবদু অমুক্তা জুংভাইবা কংই। অতৌবা অঙানবা য়েংঙু হেনাম। অমুক্কী অঙানবা অমুক্তা ফজবা পুম্নমক্কা পোকপানি। অমুক্তা ফজ-ফজবা লৈ শাংনি। লৈকোল্দা মথল খাদংমকী লে হৌই। কফু-কন্নবা লৈ খুদিংমক্তা মতম মতমদা শাংনি। মথল-মথল খুদিংমকী লৈনা শাংনিবদো য়েংবদা অপুনবা লৈকোল অমুবু উবদা থাম্না ফজে। শাংনিবা লৈ অমুবু অমমম্তা ওইনা য়েংবদন্তুং অমুক্কী মতিক হায়নিঙাই লৈতনা ফজে মচুবু লৈ- শিংলকী ভৈলোমিসা শিংনা হেকলুবগা মথল-মথলগী লৈরাঙা

পবেং লেংছনা "পৈ পবেং" শেমই। পৈ পুম্নমক্পু ভিরশিন্দুনা মখল-মখলগী লৈশিংহুনা লৈশিংলবী লৈথিবীনা মপুল অমা পুনশিল্লি, মাচোম শেমই। হে। লৈকোল মুংশিবী অপুনবা বাখল থোকহল্লিবী। খুংশেমগী মাচোম ফজবা সাহিত্যবু কৌপেকো, লৈকোলগী ফজবা মুংশিবা॥

অনৌবা অশেংবা নহা ওইরিবৈঙ্গী বাখল নীংশিংবা অমুক্লি বাখল অশেংবা নহা হায়রবসে সৈতা মুপকুম্বনি, অমুক্কি অচুম্বতা চাহৈ। কনি হায়রবসে অথেঙবা অংল ওইশিল্লকপা মীওম্বনি হৌজিক ঐ অহল ওইরক্লে। "ঐনা নহা ওইরিবৈদা ঐনা থমখিবা বাখল ঐনা ভৌথিবা থবক নীংশিংউ।" মুম্না ঐনা নীংশিং-লবদা মুংশিবা অমস্তুং কপনিংবা মুংঙাইবা পুম্নমকপু থম্বদ: ঐগী পুক্নিংবু মুংশিন্নকই। পুক্নিং অমগী মমলসে অস্তুকী মতিক লামল্লে। অপুনবনু কান্তিপগম্ব পুম্নমকসে অমত্তনি।

নোংমা হায়রবসে পুম্নমক অপুনবনি। পুক্নি অমি অপুনবা অমনি। পুম্নমক নোংমদা ঈশ্বরনা শেম্নমকনি। মথল খুনিংমক ওনা মাওরহনি লাকপস্তু ওসিন্নি, চংখিবস্তু ওসিন্নি। অপুনবদি নোংমনি। মচাল পীরিবা অথোইবা, জগৎ শেম্বী-রিবা হে মপু, জগৎ গুরু অঙাংবা থুরুমচ্ছবি ওসি।

অনীংবগী তুংমকম

ও

T. K Singh

থোমজিনবা

খাগি তরানিখোইগী অমম্বা

অমম্বদি লেঙদবনি। অয়েপ্পা ওইনা লৈবনি মকম পুম্ন-মক্তা মমই। পূক্লিংনম্মু মমকই ইশাসে অমম্বনা কুপশিল্লক্লবদা পঙথরকই। মীংখিবদগী ওইখিবনি॥

শা, শামু, নোংশা, কৈ ঙক্লদগী ওইবা ফজ্জা বারী অমত্তা লৌবিয়ু ইপু! কয়ে লীবগে তাবো ইশূশা। নোংশানা পথা ওইবগী বারী।

নোংমা কৈ খিবা কুচ মুবা ইমুং অমনা ঙক্লদা মখোয়গী পথা পুন্থমা কৈ থিবা চংলম্মী। মখোয়না কৈ খিবিদুনা পথা অচু মাঙদ্রে। খুমিংলম্ম ঙাশিনদ্রে। পথা লৈত্রবদা মখোয়না বা খমরক্লে। কৈ থিবগী সুপীনা পথা থিক্লদো পথা লৈত্রবদি থবক অমত্তা তৌবা ঙম্রোই হায়রকই। মতুদা মশাক্কী সুপাম্না থুম্লকই, ঐ কল্লবা নোংশা, কৈ, শামুনচিংবশিংসে করি অমত্তা কিদে, ঐনা কিব্বা হায়বদু অমম্বনা থাইদগী লেমা কি। মখোয়মা ঙাঙমরিবশিংদো নোংশা অমনা তাবম্মী। কল্লবা ঐবু কিদতুনা অমম্বনা লেমা কি হায়রিবসে অমম্ববু কয়াম কল্লিগনবা? মসি খন্নবা নোংশা অচু কূন্দূনা লৈদ্রে। কৈ থিবগী মচাম্নুপা কুচ্মুবনা নোংঙাল্লমদাইগী অপীকপা অহিংদা হৌগৎ-তুনা পথা থিবা চংলি। মহাক্না মকমতুদা কুপ্লিবতু থোংনয়ে মঙম্বা থৌরী হুকচিন্দুনা পূরক্লে। মখোয়গী পথা লৈরম্লে, থৌরী হুক্কুনা পূরক্লে হায়না তমই। মখোয়গী কৈ পুম্নমক পথাতুগী মথক্তা হাপচিল্লে। ইচিক হুনবা ঈৎহিক্না ঙাইতুনা

নৈবা মতমহুদা [illegible] [illegible] লৈবাক অহু হোইহুনা পুরোবক্লেপ [illegible] চৎলিবহু [illegible] তাববা [illegible] [illegible] [illegible] হেক্তপুমা [illegible] নোংশানা অমম্বা হোইহুবা পুরকপক্লি [illegible] নীংহন্না [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লাক্লপক্লু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মাগী [illegible] অহনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পথাপ তোপ-লনা [illegible] মোংশা [illegible] হোৎকিবা কবিনীবো [illegible] মতমহুদা নৈ পুন্নিবা [illegible] খুমক্লী [illegible] মীনু লৌবু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মসি তোবনা [illegible] নোংশাহুনা [illegible] । [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হেরকৌ, [illegible] মাবাও [illegible] নোংশাগী, [illegible] [illegible] [illegible] । [illegible] [illegible] [illegible] নোংদ্দ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] যাওবিবা [illegible] [illegible] [illegible] হানগী [illegible] নোংমা [illegible]

[illegible] ভশুগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible]

অনীংবনী [illegible]
[illegible]
হোয়ুখিনবা

[illegible] K Singh

মথোনা মরাল লৈবা

ঙসিগী চহী ৬৫ গী মমাঙদা ওইরম্বা কিদম। মতমদুগী নিংথৌ চূরাচান্দ মহারাজনা ওইরম্মী। মতমদুগী মথোনা মরীল লৈবা মীবু হকাই থুম্নরম্মী। লাক-লানক চংনরম্মী, মাওং কাঙলুপ অমদি লাবণী থংক্রা মথো ওইরম্মী। মথোয়না লা কায়, মী কায়। মলাগী মথোনা মকৌলম থবক তৌই। অখাঙ কংল্লা, মীগী মতেং লৌবা পাম্নরমদে মতেং লৌববু চোপ্নরম্মী মম্না চৌকৎবুস্থু পাঙদবগুম্না লৌনরম্মী। খুঙোম্না খোংপা লাঙুম মীনি হায়রা তৌরক্লে। লা কাবা কাঙবুম লা হাংগে, হিংনা কায়। মপাঙ্গল কনবা মীনা লা অকনববু কাবা ঙমই। মরীল লৈবা মুপাগা মপাঙ্গল কনবা মুপাগা শাঙনাহুবা ঙৈয়েনবদা মরীল লৈবা মুপানা মমায় পাকই ঙসি ঙৈয়রে, হয়েংস্থ ঙৈয়রসি হায়রা মরীল লৈবা মুপানা মুমেৎ খুদংগী তৌদুনা ঙৈয়রে। মপাঙ্গল কনবা মুপানা খুংঙিগী নমথুনা কয়াং রক ফুণমবস্থু মরীল লৈবা মুপানা মুমেৎ খুদংগী ঙৈয়রসি তৌরবদা মপাঙ্গল কনবা মুপা অতুনা ঐ লায়রে হায়জরবদা মরীল লৈবা মুপানা মাবিদুনা তোরখি। মরীল লৈবা মুপাবু কিনরম্মী, ইকাই খুম্নরম্মী। অশোনবা মীবু কনবীরম্মী। মতেং পাংবী, যাম্না লুনা চায়না তৌরম্মী। মীনুংশি থঙবা ওইরম্মী। অচুম্বা চংপা পাম্নরম্মী, চৎনরম্মী। মলা মলাগী মপেংবা ফিংনবা যাম্না কম্না হোৎনরম্মী। যুম খুদিংদা মোইথাপ নাইরম্মী।

ফুগী থুমংবক মেইথাপ মাইবা হৈরম্মী। ফুগী লোইমমক ফি শাবা হৈ। মপাগী বাক্তেনবা লেইনা লৈরম্মী। তৌন য়োক্লরম্মী। তৌনশিং কপে মনা পীজে। তৌনশিংনা চাউরগা মতুম চাইরকই। মতুম চাইরগা তৌন শত্রু মশকনা লৈখি। তৌন মথল অনি শুই, মতু খরা চাইরগ তোনথোক্লুনা শিখিবা অমা, অসিগুম্না তৌন কতল চাংনা কৌই। অহাংশিংদা অতোনবা থবক শূমীংনবা মী হৈরগা কতল চাংনা হৈরম্মী। অহাংশিংনা কতল শুমৈংবদা হৈরগা থবক শুনা লম্মী। অচুম্বা তৌন অচু লৈবক্কী অহাংশিংনা অতোননবু থকই। তৌবশিংগী বাখল য়াম্না পোক্লম্মী

মপা মপাগী পোংবা কৈথেলদা লেন্দুনা পুথংনি। পোংবা পোংক তোক্লকহুন। লংখিরে। যাম্রিবথৈ লেনবা পোং লৈরবদে শুগুদগী হিনা উচান, লোইবুম হিপোং-হিপোং পুথংলকই। চকপানগী উচাম কাবকই। (উচাম= উ পুন্নপ পুন্নপ পুন্নপা চিংথংলকপা উ)। চাংবেলদগী চফু পুথংলকই। বাংথোকদগী ঙা লুবাক লুবাক থাইগ্রন্দ কৈথেলদা পুংলকই। ঙা য়াম্না কাবা মতমদা থাইরন্দ, খোইরাংবোম, শিংজমৈ, কৈথেলদা অমুক অতোনবদগী লুংথিল কাংবা ঙা লুবাক পুহনা পরেং পরেং লেপ্তুনা চেনথংনরকই। অমুক য়াম্না ঙা অচু অহুম লোইরে। কৈথেল কাবগা ঈমিল অরাংবচু ফারগা ঙা য়াম্না থোকম্লগনি হায়দুনা যুমদগী ঙা লৈবা চেন্থোক্লরম্মী। ঙাতোন, ঙাহৌ, পেংবা, খরাক অসিনচিংবা ঙাশৌ য়াম্না থোক্লম্মী।

ঙাক্তোন তাঙলবদা নৈপন্না অমগী মিকুপগী ছেন্না কৌরম্মী। মুমিদাংবাইরমদা লম্মী চৎপদা ঙাক্তোন কৌবগী মুংশিবা মময়া নৈরক কোয়শাংদা মরুম্মী। তিন কুৎ-চুৎ ঙোৎনৈ। উমাইবী কাক রামুং নৈরম্মী উমাইবীনা ঙা লুকমাইদগী লাক্লুনা চায়। কাকক উমাইবীনা লাকুহৌনা, মুমহৌনা চায়। অদুঙা কাক খোংলম্মী উমাইবী কাক নৈরবদি ঙা নৈনি।

উচানবা লুপিমদাংগী কৈথেলদা নৈ ওইনা থামরম্মী। মোংমাইলিং চোংদগী থাও উকোং কঙুনা মাংপোৎ মীপোৎ য়োনববা শিনন্নম ওইনা মীওইশু নৈরম্মী। থাও উকোংদা চামবা থাও হাম্বুবা নৈরবম্মী। মথুংবা, মপাঙ্গলবা থবক কয়া শূরম্মী। মতম অদুগী লম্মী সরক উফুল ক্রোং ক্রোং হৌরম্মী। যণ গড়ী চৎলম্মী। শেল তানবা মীবু থোইদোক্না লেম্বা ওইনরমদে নৈপাবুদি হায়না হায়রম্মী। গাড়ী চৎপা মীবুনা পাড়ীবালা হায়না হায়নৈ। ইকাইবা নংঙরম্মী। ঙসি কাওবা লেম্বা ওইনা লৈরদে। নৈপাবালি, নৈপাবালা হায়না হংলৈ। মীগী মচে কৌদনা ইশানা ইশাগী পোৎ পুথোকচরগা চাওখৎকদবনি। মীয়মগী পোৎ পান্নবা কৰিমু মুংঙাইবা ওইরোই অরাবত্তা ওইগনি। নশাগী মপোৎ পুথোকউ, মীয়মদা খাদোকখো। মগী মুংঙাইবা ওইগনি। খল্লো, পুক্নীং মুংঙাইবা নৈগনি। অকবা ওইগনি। ঈশ্বরবু লাংগনি অকবা লাকনি। শেম্বীবা মপুবু খূরুমজরি ঙসি।

অনীংবগী তুংনকম

ওঁ

K, K Singh

খোমজিনবা।

Q (iv)

মতম মতমগী অরাবা নুংঙাইবা।

চহি ৬৫ গী মমাঙদা অহল-লম্মনশিংনা হায়রম্বী মতুংদি ইরোলদা চেপায় মচেৎ অমতং ... ... চেপায় ... লৌ-থোকউ, লুনা কোম অমদা কুমজিল্ল পোৎ কৌরবোত হায়না হায়রম্বী। করিগুম্বা নুং অমমং কারম্বদা, লাইান ইরোলদা ঙাহনগন্থ, ঐশিংনা থাদক তৌরেদে হায়না অঙাংশিংনা হায়। মতুনা তাকপদি নুং লৈরগা মনা মশিং পোৎ কৌরে হায়রবসি অহলশিংনা থঙুনা অঙাংশিংদা হায়গনি।

চৌকিক্তি লম্বী য়াম্না পাক্না পাক্না লেম্লবা। লম্বাশিংনা নুং থাপ্লে, কয়লাসগী থাও হাজিন্দুনা ফজনা লেমলে। মুমাশিংসু চেক্র, নুংনা, শাতুনা লৈরে। শুংাদা নুং লৈ'ছল্লগা চক-শিল্লগা লৈরম্লে। ঐশিং চেন্থকম ইরম থোংলমশিংসু চেক্র, নুংনা চন্দন বিলামাটি তেশিন্দুনা ফজনা লেমম্লে। মীশীং য়াম্না হেনগংলক্লে। লম্বী-থোং ফনবগীদমক্তা চৌং অয়াম্ব লম্বী শাংনা শাংনা লেংডুনা কয়লাস থাজিনম্লে লম্বী লেম্বদা লম য়াম্না শিজিন্নরে। চংথোক-চংশিন তৌদ থুমে'ং চাহল্লে। ঙঙল কোকশিল্লক্লে লম্বা ফবে। উপাল য় পাল হৌবম্বা শানি লম্বী লেমম্লবনিনা হৌরম্বশিংহু হম্লে। মতম মতমগী অরবা অর ব নুংঙাইবা অসে মতম মতমদা থোক্লিবনি। থুকমজরি ঙসি

অনৌংবগী তুংবকন

ঁ

খোমজিনবা।

K. KS.

R-(১)

অশানবা অহৌবা অয়ুক

অজগী গোপাল কাহ্নাই, সুদাম সখা অনিমা অয়ুক ওমা হৌগত্তুনা শানমিন্নৈ। সুদামনা কাহ্নাইদা হায়রকই, "অমহা, অচানবা, অণাওবা, অহৌবা, অসিবু শেম্বা অমা লৈগনি, মত্থবু কনানো ?" কাহ্নাইনা খুমই—"অসিবু শেম্বদি কৃষ্ণচন্দ্র কৌই, পুম্নমকদে কৃষ্ণচন্দ্রনা শেম্লিবনি।" সুদামনা পুক্নীংদা নীংখি, কৃষ্ণ হায়বসে ঈশ্বরনি। ঈশ্বরনি হায়না খাজল্লে। মাগী থম্মোইদা কৃষ্ণবু শোমবা হৌল্লে। কৃষ্ণবু নীংই অতৈপা লৈতনা শানমিন্নৈ কাহ্নাইগা, সুদামগা ইতাও-ইতাও হায়দুনা কৃষ্ণ অমসুং সুদাম। কুংশিনবা মরুপ্পি ইতাও-ইতাও কৌনদুনা, মাখন্দা পুক্নীংদা কৃষ্ণবু মিকুপ অমত্তং কাউথোকপা লৈতনা নীংজৈ সুদামনা কাহ্নাইবু ইতাও-ইতাও কৌই। কৃষ্ণনা দ্বারিকাদা লৈরে হায়বসি সুদামনা খঙলে ইতাও কাহ্নাইনা দ্বারিকাদা লৈরবদি চংকে হায়না সুদামনা নীংই। মাগী চাবীবা চিঙাক খরা য়োমদুনা, ইতাওদা পীজগে হায়না মাগী ফিজিদা কিশিল্লি। করম্না পীজগদগে হায়নসু মপুক্নীংদা চিংনরম্মী। মহাক্না খল্লি; ইতাওগা চানিয়নদবনী হায়না নীংই। সুদাম্না দ্বারিকাদা লাক্লে। থোঙগঙবদা হায়রকই— নখোয়গী দ্বারিকাগী নিংথৌদো ঐগী মরুপ্পি, ইতাওনি, ঐগী কাহ্নাইনি, ঐ লাকই হায়দুনা তম্লু চো ঐগী ইতাওনি কাহ্নাই, সুদামনা উমসি লাও হায়রকই হায়না তম্লু চো। থোঙগঙবা অদু শাউমনখিদুনা সুদাম্বু য়েংলে হায়দুনা

R-(ii)

মথুং থাজংলক্লে। সুদামগা থাম্মরক্কই — এ ব্রাহ্মণি এবু য়েংগদবু, এবু য়েংগে হায়রবদু পাও তম্লুবগা থোরক্লগা য়েংয়ো।" অসি তায়বদা থোঙশঙবদা ব্রাহ্মণমি হায়বা তাবদা য়েংগে নীংলদুনা ভোক্তুনা কৃষ্ণদা পাউচৎ তম্লুরে। থোঙশঙবগী পাওচৎ লেপ তাবদা কৃষ্ণ, চেন্থোরক্লগা সুদামদু কোম্মুনা পুশিনখ্রে অরৈ-অরৈবা চামিন্নখ্রে। কৃষ্ণ সুদাম খুঙাইখিনখ্রে সুদাম অঙকপা ওইখ্রে। কৃষ্ণ সুদামগী মরী অঙকপা খুংঙাইবা ওইখ্রে।

হে থবায়মী চায়রবা! নুংশী অমসুং অঙানবনু উজবা ফংবা ওইজগে পীনবীয়ু মতম অসে, পামজরিবদি অচুম্বনি। রাধা কৃষ্ণবু উজবা ফংবা ওইজগে। প্রানসখা মহিমৈচেলগী হৌপন্তুনা নুংশিত্তগী অঙানবনু য়েংতুনা লৈরিবা মীওইবশিংনা পুক্নিবদি শোয়দ্রবনি। চাং মাইনা হৌগন্তুনা, নুংঙাইবা ওইনা লৈরবা অতুগুম্বা মপী অতুগুম্বা মপা অদু নীংবা থুংবা ওইরে। নুংতি-নুংতিগী অচুনা সেবানি নীংলবা, অচুম্বা ভোজবদা, মপা ফজনি, নুঙাইরনি, নীংবা থুংবা ওইরে। হায়রিবসে প্রানসখা মতোম্দনি কাউরনু অসিবু মরূপ নহাক্না কাউদ্রবদা অফবতনা মহাক্কী শরুক ওইয়গদবনি, অথোইবনি, অথোইবা প্রভু পুক্কলকনি ওসি।

অনৌবগী তুংনকম

ও

T. K. Singh

থোমজীনবা

পোইনু য়াদিম

পোইনু থাবা মপুং ফাবা ১৫ নি পাবরা অমুক্ত ইতিক হনবা ইমিকা তাউদুনা লৈবা অঙাংবা মতম অহুদা হৌগত্না হকচাং শেংদোক্লগা মৈ হৌগংচদুনা অগাবনু ওকচৈ, (নীংথৌ)। চেক মৈদা কংচদুনা থুক্লবৈ। অতুম তৌক্লবনা মীওইবগী অকণা ওই। কৌওইবা ইমানা পূকৈ ননমৈ থমা, চোম্না পীবা ওই। থুৎনা কমা শূ লোমদুনা বাখল থন্দুনা নীংলবা মীওইবশিংনা অহেনবতা ওইমনি। মাম্না পাকনি, তৌক তৌক্লবদা মনীং থুংগনি। অমুক অওনবগী মতানবু উম্লবদা মহাক্কী থম্মোম ঙাম্মোরকনি। মপুং ফাবা বাখল ফাওরকনি। বাখলনা মপুং ফারবদা ফজবা ওই। ফজবদি অথোইবনি, অহেনবনি। অতৌবা মতাল উজবা ফংবা হৃতাইবনি। হৃতাইনবগীদমক্তা অতানববু মেংনবা, উনবা, অওন্বা অমুক্তা হোগংলু। অমুকী অওনবগী মতানবু খুক্লমজবি ওসি।

পোইনুগী অয়ুক

ওসি অচুম্বা অকবা অথনবা নীংজবা বাখলনা ওবাংদগী হেমনবা হোংনগদবনি। হয়েংবু লামবা কংহনবীমু হায়না নীংজগদবনি। পোয়দবা থবক অচুম্বা চৎপা ইশাবু চেকশিনবা নোঙ্গুকপা বাখল থনবা, মিকুপ-মাছম শিংবা, পূক্লিং তপ্পা; কায়দনবা হোংনবা চেকশিন্না হোংনগদবনি। অকবমু নীংশিংগনি কত্তবনু কাউথোকনি। অঙৈংবা (নিংথম্বা) কিমবা পাওদবগী থুদম্মি, অত্তনবনি, চাওখৎলরোইদবনি। মীগী থদাং মথা থাগদবনি।

অইংবা নিংথম উপেনদা অইংববু খাওহনা অশাবা কালেম মুংশাদা অশাববু খাওদুনা মথৌ নিংখিনা পাওথোক্লিবা মহাক অত্থনা অফবা শক্তক ফংগনি। মীথোই মীহেনবা ওইগনি, তৌজবা পুবা কাম্নবি, অফবা শক্তক থুংগনি। ঙসি শোয়দনা, হয়েং লামবা ফংনবা মীংজগনি। অয়ুক্কী অঙানববু থুক্কমজরি ঙসি।

পোইনু থা শুবা অয়ুক

পোইনু থা অমা মুখিং কুম্‌ত্রানি চূপ্পা অম্নম্মা মীংই। অহৌবদগী নোংমগী তত্তনা ইচিক হুনবা ইরিকা ঋেদা চেঙ খয়া খয়া কৎচহনা মীংই। হে অশাববু ওকশীয় হায়না মীংই। অশাববু থুং তিংথোকুনা ওকচৈ। থা অবা মুমিত্তা যম্নাও মচাদা পীজ-পিথক তৌহনা যম্নাও মচাবু পেলহল্লি। নোম পেল্লু হায়না মীংজৈ। অস্নুম্না তৌরবদা মহাক্কা মহৈ-মরোং চূম্না পানগনি পুক্কৈ-লনপৈ থনগনি। অফবা শক্তক ফংগনি। মমায় পাক্কনি, নীংবা থূংগনি, মীথোই-মীহেনবা ওইগনি, কম্না মোম্বা ওইগনি। থবক্তা পুক্নীং চঙগনি। চাবা থকপা যাৎলোয়, শেল লৈগনি। অফবত মঙগী শক্তক থুংগনি। অথোইবা ওইগনি। মঙালগী জ্ঞান লাক্কনি। অশিংবা মী ওইগনি। মঙালবু য়েংউ। মঙাল ফংবা হায়বসে অথোইবনি। অথোইবা প্রভু অয়ুক্কী অঙনবা রাধা-কৃষ্ণ থুক্কমজরি ঙসি।

অমীংবগী তুংনফম
ঔ
খোমজীনবা

T; K. Singh

হোংনমমল্গী মহয়

দেব-কর্ম্ম তৌবদা ওবা-শুরবু মপক খঙবা তৌনরম্মী। পুংথৈবা ওবা ঐখোয় [illegible] ঈকায় খুম্নরম্মী। ফিদা-কিজিন্ তৌনরম্মী ফিদা কিজিন্দি সাগম খুদে কৌই। মখোয় মঙাদা কি য়াম্ন খুকমহুনা কংগি। দেব-কর্ম্ম অতৌবদদি চুরাচান্দ মহারাজনন্থু ঐখোয় শকই। চুরাচান্দ মহারাজনা ঐখোয় শকপদদি অকংপা ফিমা চুরাচান্দ মহারাজনা কম্মিবহুদগী থেম্মা য়াংখৎনা থৈ। তৌশোক তৌবা কিদা মখোয়, ঐখোয় শকপা, পুংথৈবা ওঝা মঙাগী মখোয় মঙা, ঐখোয় শক্লোবা অহূম মমাখদা থৈরম্মী মতম অহূগী শোরাং শোনবদা কিপাবীশিংদা থবক পী, কামবা কংহল্লি। কি-য়োনবীশিংন্থু কামবা কংহল্লি। পালা ওঝাশিংগীন্থু কামবা কংহল্লি। শোরাং লোইরগা পোৎয়োব পুবা সেবকপুন্থু কামবা পী। মতৌ অমুম্মা মী খুদিংমকী কামবা কংহল্লি। কর্ম্ম তৌবদা মী অয়াম্বা কামবা পী। অথমবা থম্নতা কামবা পীদে। ওঝাগী মগুণ থৈরম্মী ওঝা উবদা খুরুম্নরম্মী। অচৌ-পীগক খায়রম্মী। ঐখোয় শকপগা পালাগা মামহল্লমদে অমুম্মা খেননবা থম্লম্মী। ছাত্রগা ওঝাগা খেৎথৈ হায়বা খঙহল্লম্মী। থবক তৌবদা উংলম্মী। অঙাংশিংনা থঙই। ওঝাদি য়াম্না অফবনি হায়বসে খঙই। ওঝাগা ছাত্রগা খেংনবা অসি তৌরিবা কর্ম্মশিংনন্থু তাকই। মমম অহূদগী ওঝাবু ছাত্রশিংনা কিনরম্মী। অফবগা ফত্তবগা খেৎথৈ হায়বনে উংনরম্মী। মমাম তিনবদা থঙথৈ। অঙাংশিংনা তাব তাই। মসে চনিদগী চহী হুমফু (৬০)গী

মমাঙগী য়াদি। হৌজিক্তি ঈশৈ শকপা ওঝাগা পালাগা মান্নরে। মরম অসিনা পালাম্বু শেল য়ায়া ফংই, পুংরৈবা অরাবম্বু পালগা মান্নবা ফংই। ঈশৈ শকপা ওঝাম্বু চপ মান্নবা ফংই অঙাংশিংনা খঙই অমম্বুং উই। খেৎনদবা মওং অসি ঊবদগী স্কুলগী ছাত্রম্বু ঐম্বু মীনি ওঝাম্বু মীনি হায়বা পূকচেল চেন্নরে। ছাত্রশিংনা ওঝাবু খঙইরক্লে ওঝাবু খুরুম্না তোক্লরে। ওঝাগী মগুণ নম্বরে। মমাঙবৈদদি ওঝাগী মগুণ লৈরম্মী। পুংরৈবা ওঝাবু উবগা ময়াম্মা ঈকায় খুম্নরম্মী মরম মখুম লৈ হায়বা মহাকপু অকনবা হায়বা খঙনরম্মী। ওঝা ওইনীংবগী পূকচেল চেল্লে। ঐম্বু হয়েং ওঝা ওইবা ঙম্বা হোৎনগে ইবল ইখুম ফংগনি, য়ামা ঈকায় খুম্নগনি, কর্মশিংদগী খঙই। কর্মনা মশক উংলম্মী। হৌজিক্কী কর্মদদি মশক উত্তে। হোৎনরিবা কর্মদা, কর্ম তৌরিবা ইমুংসিনা পালা য়াওরিবা অমদি ওঝা ঈশৈ শকপগা চপ মান্নবা উৎপনা অচৌ পীশক থায়দবা অঙাংশিংনা উই। স্কুলদা তম্লিবা ছাত্রশিংনা ওঝাগা ছাত্রগা মান্নবা উরকপনি। মতম মতমগী থৌশিন মতমনা ওল্লক্লি। মতম হায়বসে মথং মথং লাক্লিবনি। মওং অমা চৎনরম্মী, মওং অমা হোৎনোরকই। মসি পুম্নমক অসে ঈশ্বরগী খুদোংমনি। ঈশ্বরবু মীংউ ঈশ্বরবু খুরুমউ, অগোইবা প্রভু খুরুমজরি ঙসি।

অমীংবগী ভুংনকম

ওঁ

T K Singh

খোমজীনবা

অৱাবা

অৱাবা অমা, য়ূম লৈতবা হায়বসে অৱাবা অমনি। অনিশুবা শেংনবা লৈতবম্ অৱাবা অমনি। অহুমশুবা চানবা লৈতবম্ অৱাবনি। হায়রিবর্ণিংসি লৈতবা য়াদবা পোৎ ভাক্কি। লৈনমবা নীংগদবনি। মসি লৈরবদি লুপ্তাইরে। মসি লৈনবা হোৎনবদা কনাগুম্বা অমনা মাগী মরল শোক্‌চিন্না শীঙ্গিমরবদি অকিবগী মশক ফংদবা অৱাবনি। অসিগুম্বা থবক অসে তৌরোইদবনি। মীগী মরল তোনবা নোংম নোংমগী থ'য়কনি। লম্বী চৎপা য়ারোই লম্বী থিংখগান। তুম্বা য়ারোই হেন্না হেন্না ঈকায়রকনি। মমা কায়নবগী অৱাব', মপা কায়নবগী অৱাব, মচা কায়নবগী অৱাব', লৈমীয়রম্বা মপী কায়নবগী অৱাবা, মপা কায়নবগী অৱাবা পূম্মকসে অৱাবমক্তনি। খ্বাইদগী অৱাবদি মীগী মরল শোক্নবা মীগী মরল তোন্নবগী অৱাবনি। হায়রিবা অৱাবা ময়াম অসে কোকনবগীদমক্তা ইচৌক হুনবা ইরিক্তা তাওয়না লৈবা অচানবদা ঈরুজবা গুম্বা মতমমতুদা হৌগৎলু, নশা শেংদোকউ। ঈশ্বরবু খুরুমউ। মঙাল উবদা নহাক্কী থম্মোয়গী মঙাল লাকনি। চুমগনু, অতনবা হায়বসে পাপনি। অঙৈংববু কিগনু, অশাববু থাডউ। মতু ওইরবদা নহাক শোয়দনা অকবা ওইগনি।

নীংউ অথোইবা প্রভু খুরুমজরি ঙসি॥

অনৌংবগী তুংনকম
ও
খোমজীনবা

T; K. Singh

ইনাকখুনবা অহল অমগী বারী

অহল অমা ঐগী মাঙা লাক্লুবা ইনাকখুনবগী লাইরা ভাকপীগে চুরুপ অমা থকে চাদনা লাংবম্মী। ঐনা হায় থকত-থকত চুরুপসে ইনাকখুনবগী লাইরা ভাকপীরে। অহল অদুনা হায়রকই. চাদবা লৈবা তম্বা, শেন্তংবা লোংনবা হৌনখত্তদবা হায়বদু ওইরবদি শেল পাম্নদা মী ওইরে। শেল লৈরে॥

ইমাগদা চাক চাক্রুক অমা থম্লে ঐ ভুংসগী চাক চাক্রুক অদিমা চাবা য়াররা ঐনা খনগনি ঐ কন্নি কদি থবক তৌরে। তৌরিবা থবক্না চাকী মখল কংলবা, ঐনা তৌখিবা থবক অদু লৌংলগা চাক অদু চাগনি। য়াবিরমথে অদুবা কি শেংকনি। মখল চঙলোয়দবনা তক-তকনা শেংকনি। উমনা ঈংলোয়দবা কি শেংলগা লোইরে। যাদি হৌনখত্তদবনি, মীগী থৌওোক-য়াথাক কয়া চংবন্দে হায়রবদু মাগী শেল চংলোই। অদুগুম্বা মী অদু শেল লৈগনি। শেল লৈনীংলবদি শেন্তবা, চাদবা, হৌনখত্তদবা হায়বদু ওইরবদু শেল লৈগনি। মহাক্কি হৌন-খত্তই, থৌওোক য়াথোক য়াম্না চংলী, লৈব-লৈন্তবা পোৎসেং শেল চাউনা চাউনা পুগনি। মপাগী অরৈবদা পীবা তম্লবদি লৈ, ঐকায়রবদগী মাগী শেল লৈত্রগা মীওোন্দগী পুরগা পীবা হায়বসে মীগী শেল তোরলবনি। মসি য়াখল থম্লগা তৌগদবনি। মতম চাদনা হৌমখত্তই হায়দুনা পঙচং চংলবসু অপঙবা মী ওইরকনি। মীগী মরল তোন্ববা হায়বসে অপঙবদগীসু ওইরকপনি। অপঙবা থবক থক তৌরোইদৌবনি হায়রম্লগা চংগ্রে।

শেংদোকচবা

ৱাকচৌংগী ১৫ নি পানবা (পূর্ণিমা) হৃমিত্তা শেংদোকচবা নীংথৈ। মৈকুন্না থৈ হৌদুনা ঈশিং অচোন্‌বা অমা থিন্দূনা নীংথৈ—"মৈদা নীংজবা হে ব্রহ্মা। পূর্ণমকপু শেংদোকপিরিবা মতুনা পূর্ণমকপু শেংদোকপিরিবনি। অশাবা ওকচরি। মাইত্তা ঈশিংদা নীংজবা "জগৎ পূর্ণমকী ইমা ওইরিবী হে ঈংলবী ইমা।" মনিল ওইনা পাইথংপিন্নিবী, নোং ওইনা চূথবীরিবী শায়োল মণ্ডল-মণ্ডল ওন্নীবী হে ইমা। মহৈ-ময়োং চেং-হৱাই, মরোই-মরাংনা ইমাগী থৈভেং ওইনা অথেনপোং ওইনা ইমাগী সেবা তৌজরি। অশেংবনু নীংজরি থুক্রমজরি।

গুরু বিন্দ অমা শেন্থৌরিবী জগৎ গুরু রাধা অমুকী অতুনবদা হোগত্তুনা হকচাংবু শেংদোকচরগা ঈশিং থরা (থক্‌চিল্লগা) আচমন্ তৌরগা থৈ ঈশিং হুংশিত্তা শেংদোকপীনু হায়না থুরুমথৈ। পূর্ণমকপু চাকথেকপীরিবা অফ-ফত্ত পূর্ণমকপু চাকথেকপীরিবা থৈ ত্তুং ওইনা ওলহল্লগা অমূক শেন্দগৎপীরিবা ব্রহ্মা অঈংবী ইমা হে। ঈশিং নহাক্না মনিল ওইনা পাইথংপীব্রগা লেন ওইনা ভাবিরক্লুনা নোং ওলহনবীরগা ঈশিং ওইনা ওইবীরিবী ইমাবু থুরুমজরি। অঈং অশা থায়রীবা জগৎকী গুরু পূর্ণমক্তা থুরুমজরি। রাধলগী মতাল পীরিবা অমুক কৌবী লাইরেন্সী মত্তমদা নীংজৈ। রাধা গোবিন্দবু থুরুমজরি ওসি॥

অনৌংবগী তুংনফম
ও
T. K. Singh
খোমখোমনবা

তম্বা নুপা

বাকচৌংগী ১৬ নি পানবা, ইচিক হুনবা ইৰিক্তা তাউহুৰা লৈবা খুৱাঙবা অমুক্তা লেংদোকচবা ঈশ্বৰগী নাম লোন্দুনা অঙৱবৰা ৱয়ামদগী হায়না হৰিহৰনি তাহনবা অহুগুম্বা মী অহু লোয়নদনা মুংঙাইনি মীওইবনগী অথোইবা ওইগনি তৌজবা পূৰমক্তা কাৰবত ওইগনি মশা ৰগনি। মী পূৰমক্কী কামনবা তৌৰিবনি। অহুগুম্বা খোঙজেন অহু মীদু তাহৰবা হোংনৰিবা কাংশি খীংদুনা মথোল থোৰপা পোং অমমা তুম্নাবশিংবু হোৎদোকপনি। তুম্বা হায়বসে জ্ঞান যাওত্ৰবনি জ্ঞান যাওত্ৰবশিংবু জ্ঞান যাওহনবীৰিবা হে তম্বা মুপা মহাকপু থাগৎলি। খোঙজেন তাদুনা মীকপ থোৰকপা মীওইশিংনা মীংগনি। মাহু মীনি ঐস্নু মীনি। ঐনা তম্বনা অঙাংবনু কিহ্নুনা, ঐনা হোৎগস্তে। মহাক্তু ওৱা হৌগত্তুনা ঈক্কজথোক্তুনা ওনথ্ৰবা অমুক অসিদা ঐথোয় পূৰমকপু তাহনবা কাংশি খীংলিবনি। ঐদি কৎলৱোই। মহাক্কু মশা মউ কয়ানি তাৰিবনা নীংগৎলবনি। কাংশি খীংহনা লাইগী সেবা তৌৰিবা মী অহু, মহুবু অকবা মী ওইৰে। মীওইবগী কননবা তৌৰিবনি মাওইবনা থঙ্গদবনি। ইকাই খুম্নৰিবনি। ঈশ্বৰগী সেবা তৌবা হায়বসে অকবা মীতনা তৌগদবনি। সেবাবু কাউগনু। জীববু নুংশিনু। অথোইবা ওইগনি। অথোইবদি নুংঙাইবনি। অথোইবা প্ৰভুবু খুৰুমজনি ওনি।

অমাংবগী তুংনক্কম
ও
খোৰজানবা

T K Singh

অয়ুক্তা ঈরুজবা

ৱাকচীংগী ১৭ নি পানবা অয়ুক অঙনবদা হৌগত্তুনা ঈরুজ্জথোক্কুনা হকচাং শেংদোকচে। অপেংবা পীনবিয়ু হায়ছনা থুরুগৈদ্বে ঈশ্বরদা। পাপ্ কোকচপ্পে হায়না নীংই। পাপ্ কোকপা প্যাপ্ চেনবা থনিনা খেংনরিবদি অরুনবা অমম্বুং ভলবা অসিনি। পাপ্ চেন্দবনা অফবা ওই। পাপ্ চেন্দনবা হোংনবসে মীওইবগী তৌদবা য়াত্রবা ইথোনি। ঈশ্বরনা পীরক্লি-বনি। অসিগুম্ববা মহাক অদো অচুম্বা চংবনি, থুংশিনবু পুরকনি থুংজাইবা ওইগনি জ্ঞানগী মঙাল কংগনি। মীথোই মীহেনবা ওইগনি, নাংবা থুংগনি তৌজরুবা থবক্তা মায় পাক্কনি, ইরল লৈরক্কনি মহে হৈগনি, থুংজাইগনি অফবা শরুক্ক ওইনি অথোইবা ওইগনি, অথোইবা প্রভু নীংঙ। ঈশ্বরবু কাউগনু মহাকপু শোয়রনা য়ানা চানবীগনি ঈশ্বরনা য়াগনি। পুম্নমকসে মপুনা শেম্লকপনি। মপুবু কাউগনু। অঙনবা অয়ুক্তা ঈরুজহুনা, শেংদোকপনা পাপ্ কোকই। শেংদোকপা হায়বসে পাপ্ চেন্দনবা হোংনবনি। নীংঙ, রাধা গোবিন্দবু থুরুমজরি গাস।

অনৌংবগী ভুংনকম

ওঁ

T. K. Singh

খোমজীনবা

বাকচীংগী ম্লাঘস্নান

বাকচীংগী থাশুবা স্নমিত্তা শেংদোকচবা নীংঙৈ। মৈফূদা মৈ হোৎহনা ঈশিং অচোনবা অমা থিন্দূনা নীংঙৈ।

অস্মুম্না পূর্ণিমাদগী থাশুবা ফাওবা নীংঙৈ। হে অঙৈংবী ইমা মৌনা নেমথবীরক্কুনা অঙৈংববু হস্তবীগ্রে। অশাবা ইরিক বাংথৎলক্লে। অনিমক্কী ভাইনবনি। অঙৈংবনা হৎখিবা অশাবনা হাইগংলকপা অমৌবা ওল্লকপা মতম অসিদা অনৌ-অপেল খিবিক্লা তিম্না নেমজ-শাজৎনা অথেনপোৎ ওইনা লাস্তোকচৎনা সেবা তৌৎহনা নীংঙৈ। অস্মুম্না মীওইবনা তৌনৈ। অস্মুম্না অনৌবা অসিদা পূক্লীং থিংজিন্না নীংলবা মীশিং অহনা মুংঙাইবা ফংগনি। মাগী থম্মোয় মকা লামগনি। অঙানবা ফংগনি। অমুক্কী অঙনবদা হৌগত্তুনা নীংলিবা মীশিংদু অফবা ওইরে। শোয়দনা কয়গদবনি। ভাইবঙপানববু শেম্মীরিবা মপুবু কাউরোইদবনি। পুম্নমক অসে মহাক্লা শেম্মীরিবনি। নহাক্লা অশাববু থঙলিবনি। অশাবদি উবা ফংদে থঙবনি। অশাবদি মুংঙাইবনি অঙৈংবদি কোকপনি। অশাবা অমম্মুং অঙৈংবগা জীবশিংগা থানবা য়াদে। অঙৈং-অশাগী চাং কায়রবা মতম অহু শোয়রবনি, জীবগী মুংঙাইবা ফংলোই চাং কায়দ্রবদত মুংঙাইবা ফংগনি। চাং কায়দনা তৌবা হায়বসে তৌগদবনি। অফবনি, ঈশ্বরনা অস্মুম্না শেম্নক্লিবনি। ঈশ্বরবু কাউগদু তক্লকপু শেম্মীরিবা হে অথোইবা প্রভু থুক্লমজরি ওসি।

অশীংবগী তূংনফম

ঔ

T; K. Singh খোমজীনবা

পুম্নমক অসি ঈশ্বরগীমক্তনি

মীওইবনা নোম্লোবা, তোংনখিবা, লৈরিবা পুম্নমক অসে ঈশ্বরগীদমক্তনি হায়না মীংনৈ। মীংসনবনি, অচুম্বনি, অশেংবনি॥

মীওইবা হায়বসে উনা অমগুম্বনি। উনা-না মাকেন্থা যোবন্দা কেনথি। মীওইবসু পুন্সি লোইরগা শিথি। ঈশ্বর হায়বসে উগী মউগুম্বনি হায়না মীংসি। উনানা উপালগী ফলবা তোংবৈ (মউনা CO_2 চিংশিল্লগা O_2 থাদোকপ) ঈশ্বরগী গুণ তেম্বা মাগী মগুণ শক শোন্নরি। উনাবা কেনশ্রগা উপালশিং থাওদনা, যেন্নাংবাদা খমুক তেকসংলকই। মীওইবনা শিঙ্গ্রগা ঈশ্বরগী কবি অমন্তা অমাওবা লৈতে। ঈশ্বরদি লেৎ-দবনি। উনা-না উপাদমক ফননবা তোংবৈ মীওইবনা লৈরিবা তোংনখিবা নোম্লোবা পুম্নমকসে ঈশ্বরগীদমক্তনি হায়ংসে অচুম্বনি। হায় তেন্না মফমদা পোৎ খারগা পোৎ কৈ। বাখল লোশিং লৈবা মীশিংনা অচুম্বগু চুম্না উই। বাখল থঙ্গদবা মীশিংনা লমন্না উগনি। বাখল থঙ্গবা মীশিংনা চুম্না উগনি। অচুম্বা, অশেংবা পুংশিবা অসিমক ঈশ্বরনি। খুরুমজরি।

হকচাং অকপা থম্বনা য়ূম অকনা থম্বদগী হেন্না মরু ওই॥০॥

থবায় মুঙ্গাইনবা পোথাফম শেম্বনা পুম্নমক মুঙাইনবা পোথাফম শেম্বদগী হেন্না মরু ওই॥০॥ উনা অনগী লৈমদং মতমসে পাম্বাদা পাল্লগা চহী অমা গুরগা কেনথি। মীওইবনা চহী চাম্বা লৈগদবনি। অদুবু চহী ১০০ ফানা পুন্সিদবনা অয়াম্বনি। মীওইবনা, মীনা লৈনমবা য়ূম শাবাদ মীয়োল ১০ চংনবা (লৈনবা) য়ূম শাবা ওমই! মীওইবগী পুন্সিংদা মীয়োল তরা

চৎমবনি হায়না মীংনা শাই। ভৌদবা য়াত্রবা থরায়না লৈমবা য়ুম অসি চহী চাম্মা চৎননবস্থু খনগদবনি। অফবা লমচৎ, অফবা পুক্নীং, অফবা বাখল অফবা চৌঙাক খনগত্তুনা, মীওইবনা হকচাং ফনা লৈনবা খুঙাইনা লৈমবা থনবা হায়বসে মীওইবগী হকনি। অহুনা পুক্নিং খুঙাইরগা হকচাং ফগদবনি। হকচাং ফহনবা হায়বসে চৌদবা য়াত্রবা হকনি অহুনা পুক্নিং খুঙাইরগা হকচাং ফবনি। য়ুমম্থু লৈতবা য়াদবনি. অহুবু পুন্সিনবা হোৎনবনা মকনি।

অহাঙবদগী উমা-না হাইনা-হুমনা চৌঙাক পোশিল্লি। চিংশিল্লি, মরুদা পুথখি। মরানা লৈপাক মপুংদগী চৌঙাক চিংখৎলি মরুদা পুখৎলি, অদুম্না উ-না হিংলিবনি। মনা অমম্থুং মরানা মচৌঙাক চিংশিল্লিবা চুপথৎলিবা অসি চাং-নাইনা ভৌদ্রবদা উ-না হেক্তা লৈ। অনৌ আস অমা মত্রগা অমা লেপ্লবদা উনা হিংবা ঙমদে। চৌঙাক হায়বসে মরুওইবা চঙদবা য়াত্রবা অমনি। চাংনাইনা চাগদবনি অফবা চৌঙাক চাগদবনি। মচল শুনা য়াওরবা চৌঙাক চাংনাইনা চাগদবনি। থর'মগা চৌঙাক্তা মরী লৈনৈ, মীগা ঈশ্বরগা মরী লৈনরিবনি ঈশ্বর হায়বসি পুম্নমকপু শেম্মীরিবনি মসিবু নীংগদবনি। অনীংবা হায়বসে অফবনি, নীংলগা লোইনমক ওইরকপনি।

ঈশ্বরদি লোইনা থঙই, লোইনা ঙই, মসে হায়নরিবনি. চাং হায়বসে মহাক্না শেম্মনি, শেম্লিবনি। চাং কায়দবা হায়বসে ঈশ্বরনি॥ রাধা কৃষ্ণ অনিবু খুরুমজরি ঙসি।

অনীংবগী তুংনকপ
ও
খোমজীনবা

T; K. Singh

ফাইরেলগী ৱোংমা পানবা

ফাইরেলগী ৱোংমা পানবা ৱাখলগী মতাল অনৌবা লৌশিং জ্ঞান শেম্লবী ইমা, পুম্নমক্কা পীবিরিবী মীকপ থোক্লক্লিবী, অনৌবা শাইগন্ ওল্লক্লিবী, হে ইমা, ঙসিদগী থৃম্ হল্লক্লে মতাল পীবিরে। ইমাবু থুরুমজরি। অঙাংবনা মপুং ফাঙ্গবা অশাবনা হৌরকপা মতমনি। নীংউ, খল্লু মৈ অমা অমকপদা লৈ। মৈ অদু থাপ্লা লৈত্রবগা অশাবা হুৎরকই। মৈ অদুনা অমকপদা লৈরগা মৈশা নেনগংলকই। মতম অসে অশাবনা নকশিল্লকপা হৌবা মতমনি। মাক্লে ৱাখলদা মবেম্বা। ৱাখল লৈবা অকবনি অমসা অমগা থেংনৈ। থেংনবগী ৱা অমগে তাউ। প্রভু রামচন্দ্রনা সীতা সয়ম্বরদা মীকং থুদেক্লরগা হল্লকপদা লম্বীদা পরশুরাম থেংনৈ। পরশুরামনা হায়রকই "হে অঙাং মহাক্কা ঐগী মিং রাম হায়রম্ব কৌশিল্ল, ঐগী লৈকংবু মহাক্না থুদেকই, মহাক ঐগী শীংজং অসিনা য়াল্লংগ।" হায়বা মথুং থাঙ্গৎলি। রামনা শক্তি পূম্নমক চিংশিনখ্রে পরশুরামগী হাইগংলীবা শীংজংদু থাদনা ওমদহন্না পরশুরামনা রামদা চঙ্খি। অদুম্না থেংনৈ। য়েংউ অয়ুক মখিইংগী হৌগত্নবা মতম মহাক্ত ডান্নবা ইলেক্ট্রিক বলব্ অমা মনাক্তা থাল্লু। ইলেক্ট্রিক মতামদা মহাক্না ডান্ন কয়ম্বখু অয়ুকী অতানবনা ওল্লকপদা বলব্ অদু মশাশিনখি। মসে অয়ুকী অতানবা হেন্দুনা ওইবনি। মামনা লৈরবা ইলেক্ট্রিক পবারবদি তাথবা মতে। ৱায়রিবসি হৌগত্নবা অয়ুক্কা য়েংউ। মহাক্ত খল্লু, নীংউ উগনি। শোয়দবা ৱাদি মসে ঈশ্বরবু মমা মমা নীংউ ঈশ্বরগী মতাল লাক্লনি। অথোইবা প্রভু থুরুমজরি ঙসি।

মহৈগী মবেম্মা

ফাইরেনগী ৫ নি পানবা অঙৌবেনা চঙ্খবা অপাবনা নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপা অচৌবা ফীজেৎনা লৈতেংবী কাংজবু তোংলিবী, পশোৎপু চুমজবী কুচুনি, অফবা শরুক ওইরিবী মহৈগী মবেম্মা অফবা পূস্বনা তিমা শাহোল্লবী ইমানি, অফবা মপুং ফারবী ইমা সরস্বতি মিংথোন্দুনা পূজা তৌনৈ ॥ মপুং ফারবী ইমানি অনৌবগী মঙাল পারবী য়েমনাং হুমকপা নতম্নি। অশংবা ফীজোল শেৎলবী শেংলা-পাল্লবা উপাল-ৱাপাল পুম্নমকপু অনৌবা মওং শেমগৎপিরে শেংলবা মপাল শাত্তুনা মহৈ থুমু তম্লক্লে। ফাইরেনগী ৫ নি পানবা চহি ও তয়ায়ম্রে ॥ অফবা চৎম ওইরে। মঙালগী মবেম্মনা শেম্না। অফবা শরুক ওইরক্লে। ফত্তবা খিবিক মাইরে অশাব মপুং ওইরমি। চহী অঙম শুরবা অকাংগী পোকপদগী য়াওরকপা মকোক্কী মশম কোকথোক্তুনা নাহুৎ-নারেং তৌনেদো। চুড়াবু কোকথোকই। শরাইগী শমবু কোকথোকই। হরাও তম্নাঙ্ম্রে। ঈশ্বরবু নীংলবা প্রকৃতিগী থুংশেমবু নীংলগা ঈশ্বরগী লস্বীদা মীওইরশিংনা খোঙ থাংজিনগদৌরিনি। প্রকৃতি মশক থজলবা পুরুষ (মুপাশিং ঋষি অপোইবাশংনা) প্রকৃতিগী জ্ঞান লৌহুনা ঈশ্বরবু নীংনরম্মী। জীবশিংগী মশকপু থজনরকই। জীবশিংগা মওং মতৌ জ্ঞান লাকই জ্ঞানগী মশক ওইরবা ভগবানবু শক শোম্বুনা মমিং থোন্দুনা শোনবা হোৎই। মাইংশিং অতু মান কৌই। নাম শোল্লু নাম শোল্লু হায়নরক্লে ফত্তবশিং অত্র থাদোক্তুনা অফবশিং খনগত্তুনা ঈশ্বরবু শোন্নরকই। হে অথোইবা প্রভু খুরুমজরি সরস্বতি ইমাবু ভসি ॥

কাইরেনগী পুর্ণিমা

ৱাকচৌংগা থংনবা কাইরেন পুর্ণিমা ১৫ নি পানবা কাইরেন পুর্ণিমা মোল্হৈন্ পূর্ণিমা কাইরেন থানিল্ মপুং ফারবা মালেম পুম্নমক শাংকাররকই। মতাম্না পুম্নমক পীবিরিবী। শীনবা থুংনা ঙাম্লিবী। মতানববা শরুক ওইরিবী, মহৈনা মপুং ফারবা পুক্নীং মকা লামহৎনবা, অকবদ শরুক ওইরিবী হুংঙাইবা পোক্লিবী মালেম শীনবা থুংনা অনৌবা মতাম পীবিরিবী, অনৌবা মতাম্না থাথল পোকহনবীরিবী, মপুং ফারিবী লৈম্নাংনা শাংকাররে। লৈদি অপেংবনি। পুম্নমক্তা শাংলি লৈনা, জীব পুম্নমক্কম্ভু শাংলি লৈদি লেংলি—পাম্লিবা অচৎ-চত্তা জীব পুম্নমক্তা শাংলি। লৈ অপেংবী লৈনা শাংলবদা পীথোক-পদি লৈনি। পীথোকপা হায়বদি কৎপা হায়রগম্ মাৱৈ। লৈ শাংলবদি মহৈ যাল্লি। উহৈ হায়বদি মহৈবুনি। মহৈনা মরু, মরুদগী মপাম্বী ওল্লকই। অম্বুম্না ঈশ্বরনা পেমই। লৈ খ্বাইদগী পেংবা পোৎশক্নি। মপুং ফারবদি পীথোকই। লৈদি পীথোকপনি। পীথোক্লগা মহৈ যানবনি। লৈগী বা অমে খল্লকহৌবা নীংহৌবা য়েংউ। হায়রিবসে করিনো লৈদি পীথোকপনি। অপেংবনি। জীব পুম্নমক্তা শাংলিবনি মসে অচুম্বনি। অহুনা মহৈ যাল্লিবনি। মহৈ লায়বহুদি অমী অমুক ওইবক-দৌরিবহুনি। মহৈ হায়বসে খল্লহৌবা য়েংসি নীংসি লৈদি কৎ-থোকপনি অতোপ্পা অমুক কংজুত্রবস্ভু নপাম্বী লৈনা কংকদবনি। লৈ কৎপা হায়বদি অহুবুনি। কেতুলি পাম্লিবা জীব পুম্নমক্তা

লৈবু কংলি। মপা-মশানা ঈশ্বরদা কক্তবা যহুবুনি। অশেংবা লৈবু কংলু ঈশ্বরমা লৌবিগনি। ঈশ্বরনা শেম্মক্তনি। ঈশ্বরবু কাউগদ্র ঈশ্বরবু নীংতৌ অথোইবা প্রভু মপুং কায়রবু খুরুমজরি। ওসি।

নুংঙাইবা

অনৌবা মঙাল শেম্নীবা মহৈবু মপূং ফাহনবীরিবী অঙানবা খিবিক পৃথোকপীরিবী মখল ওনা মঙাল পীরিবী হে অশুবা থা, মঙাল পূম্নমক শেম্নীবী. মহৈশী মবেল্মা থানি। লেংলি-পাল্লিবা জীব পুম্নমক্তা অনৌবা অহেনবা অথোইবা পুক্নীং বাখল মকা লাম্বা নুংঙাইবা পোকপা অনৌবা চৈয়ায়দা মঙাল পীবি-রিবা ফাইয়েল থানি। নুংঙাইবা হায়বসে মসিনি। অয়ুক মন্নি-ঙৈদগী হৌগত্তুনা অমম্দা মিং পাঙহনা ঙেংগনি, মহুদা অঙানবা কাওরক্কনি। মসিবু নুংঙাইবনি। নুমিৎ তারে মিং উইশিলে মসিবু নুংঙাইবনি॥ মীওইবগী মথৌ, শিক্ষা ওইনা শীজিন্নরবা মীশিং অহুনা চাং নাইনা চৎলবা মায়পাকপা অনীংবা পুম্নমক থুংবা, অফবা শকক ওইবা, মচৈ-মশিং লৈবা, মরল-মথূম লৈবা চাওখৎপদা ওইবা নীংবা থুংবা মী ওইগনি। মথক্তা হায়রিবা নুংঙাইবা অসে চাং নাইরবদা মী অদো নুংঙাইবা হায়বদো শোয়দনা ওইগনি। ঈশ্বরনা থৌজালবীবা পীনবিনি। অতৌবা মঙান পীনবীরিবা অথোইবা প্রভু খুরুমজরি ওসি॥

অমীংবগী ভুংনখম

ও

খোমজীনবা

T; K. Singh

ফাইরেনগী ২৯ নি পানবা

পুক্নীংনা উবা, রাখলনা খনবা অহেনবনি। অহেনবদি পুক্নীংনি। পুক্নীংদি য়াওই, শান্নী, থুংই মকম পুম্নমক য়ৌবা য়াই। মিংত্তি থাপ্না উদে। মতেং চঙলবদি থাপ্না উই। নাকোংদি অথাপ্পদগী তাদে নাতোন অয়াপ্পনা মনম্ নম্দে। মিং নাকোং নাতোনগী ওমথৈ নৈদে। পুক্নীংগীদি নৈতে য়ৌনীংবা মফমদা য়ৌবা য়াই। চীন্দি নথীনি।

ওসি শিবরাত্রিগী অহিংনি শিব হায়বদি মহাদেব কৌই। মহা অথোইবা অহেনবা পুম্নমকপু শেম্বীবা পুম্নমকপু ওস্বা পুম্নমক্না চঙজফম ওইবা। রাখল্ পুক্নীং খঙ্হন্না য়েংলি। খল্লু নীংউ পুক্নীং অমম্নং রাখলবু মথক্তা হাম্প্রিবা অহেনবা অসে রাখলনি। রাখলনা ঐনা চংলুম্বা লম্ হেক নীংলকপগা নীকুপ্তা পুক্নীংনা উই। ঐগী পুন্সিনা চংলুবগা মকম পুম্নমক উখিবা পুম্নমক পুক্নীংনা মিংকুপ খবদা য়ৌবা ওমই। উবা ওমই। মওাসিদা থ্বাইদগী হেনবদি পুক্নীংনি। মিং নাকোং নাতোন চীন পুক্নীং হকচাংবা 'নৈরিবা পুম্নমক ঈশ্বরনি হায়না নীংলসি হেল্লিবদি অম্মি শিব মহাদেব হায়বদি পুক্নীং রাখল জ্ঞান অসিনি। মহাদেবনা ওম্লিবা শক্তি পুম্নমকসে রাখলনা ইরাই-লাইনা ওাইহাক্তদা খবওুহনি। নিল-কণ্ঠ হায়নসু কৌই। অতৌবা ওকশমদা অমুবনা নৈবনি। অশাওবা দুংওাইতবা কত্তবা রাখল ওকশম ফাওবদা খনবা অহু নীওইবগী অকবনি।

অকষা ৱাখল হুংঙাইবা অশেংবা ৱাখল অহুদি পুক্নীং নৈতাবা খল্লগদবনি। অশাওবদি ওকশম ফাওবদং থবল্লগা হেক্তা কাণ্ড-থোক্কনবনি। পুক্নীংনা অশাওববু থাদোক্কদবনি। মহাদেবদগী খঙগদবনি বৈষ্ণবকী মরক্তা অথোইবা দেৱনি, অথোইবা ৱাখলনি মহাদেব বৈষ্ণবপু খঙনৈ। মহাদেববু থুক্নবজরী ওসি।

শিব মহাদেব শঙ্করবু মীংজবা—নিলকণ্ঠ, অঙৌবা ওকশমদা অমুবনা লৈতেংবা পুম্নমকী অথোইবা, ওসি মহাকী মুত্তিদা সেবা তৌজরি। শেংনবা পুক্নীংনা অহম্লক চাইথৈজে। ওমজবা থরদং অথেনপোৎ ওইনা লাথোকচে। নৈ অশেংবা, শিন্দুর, চেঙ-থোইদিং, যুবী, চিনি, থুংশেমগী কবোক, বনগুলা, চিনি অঙৌবা কমলা, লকোইমচিংবা কোলা ওইনা অথেন পোৎপু মাঙদা থমজরগা, জুবাকুসুম, শগোইদাক মপাল গঙ্গাগী ওাবক ধুপ-থাউটৈম থাম্মুনা পুম্নমকপু খেংজেন্না হকচাংবু শেংদোকচরগা মোইবুংবু অহম্লক হন্না থোঙজরগা পুক্নীংনা নীংজে। অরোইবদা অমূক হন্না মোইবুংবু অহম্লক খোংজে। ঋতু তরুক শেম্নীরিবা প্রকৃতিনা থোগল্লিবা ঋতু তরুকমকপু থুরুমজে। শিবলিঙ্গবু নীংজে। অথোইবা প্রভু মহাদেব পূজা কচ্চে। থুরুমজরি ওসি। অশেংবা অরেম্মা কজবা, অশেংবা অরেম্মা কজবা, অশেংবা অরেম্মা কজবা। অথোইবা প্রভু থুরুমগদ্রি ওসি॥

অনীংবগী তুংজকম

ও

T. K. Singh — খোমজৈল্লা

চৎনবিবা পৈশা

মোট অসি পাল্লিবা গোভর্ণমেন্ট অসিগী মোট অহু ফজবা অমস্তুং অফবা ওই মহু চৎনবিবনি। বা ঙাঙবদা যম্বায়া চৎনরোইদবা ব্রা অহু ঙাঙলূহুনা থাম্নবা ফংদে। বা যাম্না ঙাঙবা অশিংবা মাল্লি কায়না উৎদনি মহু অশিংবা করিস্তু ওইদে। মমা-মপা ওইবনা মচাশিংদা হায়বদা মচাশিংনা ইনবিবদবা মমা-মপা অহু অফবা মরা চৎপা অহল-লম্মন ওই। মমা-মপা ওইহুনস্তু হায়বঃ ইন্দ্রবা মচাশিংদা প.উতাক পীক-বদা মম-মপা ওইবগী কান্নবা ফংদে। মমা মপানা হায়বা মচাশিংনা ইন্‌পদবনি। মহু ওইরবদি মচাশিংগী কান্নবা ফংলে, মমা মপাশিংগীস্তু ফবে। মসি মযামগী অফবনি। যায়দোক-প্রবা বা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙম্নবা তৌগদবনি। মহু তৌদ্রবদি বা ঙাঙবদ ঙাঙবা খুৎ যাওনবা হায়বহু ওইরে। চৌনগা খুৎকা মান্নবা তৌগদবনি। বাখল থমবনা মফনি। ঙমগদবা বাদ ঙাঙগনি। মহু মীৎউ, মীৎবা হায়বসে অথোইবনি।

রঘু কুলরীতি সদা চলি আয়

প্রাণন জায়, বচন না জায়।

অথোইবা প্রভু থূকমঙবী, ঙসি।

অমীৎবগী ভূঙমকম

ওঁ

— থোমজীনবা —

TK Singh

নুমিৎকী শাগৈ

নোংঙাম্নকপা, শীকপ্নবা জীব উচেক-য়ায়ানা ফাওবা থঙই। অসিগুম্বা খঙলিবা জীবশিং অসে মশাগী চেকশিনবনি। নোংঙাম্নক্রে খঙলিবা মীশিংসে অকবা ওইগনি। ঙসাইবা কাওম্লুপ কৌই। নুমিৎকী শাগৈনি। নোঙাননা ডাইহুনা লৈবা সূর্য্যবংশ, হায়বদি নুমিৎপু মীংলিবা অকন্বা অথোইবা অহেনবা লেঙদনা লৈরবা অথোইবা ময়াম পোকখিবা পোক্লবা নুমিৎকী শাগৈ লেঙদবনি। অসুম লৈগদবনি, লৈরিবান। খম্নুনা নীংথৌ মথক্তা হায়খ্রিবসি অসিনা ভাকপদি ঙম্না হৌগৎলু নশা ফপনি, য়েক্লবা মাওখিপনি, নশাদা অনা-অয়েক লৈরোই, মঙাল ফংগনি। অকবা মরুপ ফংলে। ময়ামগী সেবা তৌরে। ঈশ্বর নীংবা হায়বচু ওইরে। পুম্মক্না হৌগৎপনি হৌদবশিংসু হৌদোকদবানি। হৌগৎলু ঙম্না চাং নাইবনা অঙকপনি। নুমিৎ থা অনিদি চাং নাইবনি। চাং নাইনা নুংতিগী হৌগৎলবা অদু অকবা ওইরে। মদু পাযত্রবানি ফগুবা মী হায়বচু ওইরে। মীগী খদাং মথা থারে। মীনা হৌগৎলু হায়না ঐবু হায়হল্লোইদবনি। হায়হল্লবদি মীগী খদাং মথা থাবা ওইরে। মতৌ করম্না য়াহৌবা ঙমগদগে ইশানা খনগদবনি। চাউরা চাউবা নিংথৌরেল ওইখিবশিং পুংলোং য়াম্না য়াম্নদনা তুম্না নিংথৌরেল ওইখিবনি। অদুগুম্বা নীংথৌরেলশিং অদু ইতিহাসনা খঙনরি। তুম্না অমম্লং চাবগী-দমক্তা অকিবা পোক্তে। পোকলোইদৌবনি, অদুগুম্বা মীশিং

অদু চাবদা মুঙাইথোক্তে ; তুম্বদা মুঙাইথোক্তে। মতম চেক-শিংন্ন চংলি। মতম কূপ্না শিজিনৈ। অদুগুম্বা মীশিংনা মশাদা অথোইবা ওইখিবনি। মুঙাইবা শরুক কংখিবনি। পূম্নমক্না খঁঙপনি। ঈশ্বর নাঁংউ। অহেনবা ওইগনি। য়েকুবা মাওংহিগনি। মুংশিবা লাক্কনি। অদিবু মুমিংকী শাগৈ হায়নরিবনি।

হকচাং অক্তবা থম্বমা য়ুম অকবা থম্বদগী হেন্না মক ওই। থরায় মুঙাইনবা পোথাকম শেম্বমা হকচাং মুঙাইনবা পোথাকম শেম্বদগী হেন্না মক ওই। উনা অমনা লৈশনবা মতমসি পাম্বৈদা পাল্লম্নগা চহী অমা কারগা কেনখি। মীওইবনা চহি ১০০ হিংগদবনি অদুবু চহী ১০০ পূন্সিগন্দবনা অয়াম্বনি। মীওইবনা লৈননব য়ুম শাবদদি চহি ১০০০ অমা লৈনবা শাবা ঙমই। মীওইবগী পূক্নিংদা মীবোল ঙবা চংননবা হায়বা মীংনো শাই। তৌত্রবা য়াত্রবা হক, থরায়না লৈননবা য়ুম অসি চহী ১০০ চংনবন্দ্রু থনগদবনি। অকবা লমচং, অক্তবা পূক্নিং, অকবা থাখল, অকবা চিঙ্গাক থনগন্দ্রবা মীওইবনা হকচাং অনা লৈনবা মুঙাইনা লৈনবা থনবা হায়বসি মীওইবগী হকনি। পূক্নিং মুঙাইরগা হকচাং ফগদবনি হকচাং ফহনবা হায়বসে তৌত্রবা য়াত্রবা হকনি, অদুমা পূক্নিং মুঙাইরগা হকচাং ফগনি। য়ুমস্তু লৈতবা য়াদবনি অদুবু পূন্সিনবা হোৎনবনা য়র্কনি।

অহাওবদগী উনানা হাইনা হুয়া চিঙ্গাক লৌশিল্লি, চিং-শিল্লি; মউদা পুথখি। ময়ামা লৈপাক মফুংদগী চিঙ্গাক চিং-থংলকই মউদা পুথংলি অদুম্না উ-না হিংলিবনি। মনা অমম্বুং।

মরামা মচিঙ্গাক চিংশিল্লিবা, চুপথংলিবা অসি চাং নাইনা তৌ-রবদা উ-না হেক্তা শি। অনি অসি অমা মত্রগা অমা লেপ্পদা উ অহু হিংবা ঙমদে। চিঙ্গাক হায়বসে মরুওইবা চঙনবা য়াত্রবা অমনি। চাং নাইনা চাগদবনি অকবা চিঙ্গাক চাগদবনি। মচল অমা য়াওবা চিঙ্গাক চাং নাইনা চাগদবনি। থরামগা চিঙ্গাক্তা মরি লৈনৈ, মীগা ঈশ্বরগা মরি লৈনৈ। ঈশ্বর হায়বসে মসি পুম্নমকসিবু শেম্বীরিবনি, মসি মীংগদবনি। অনীংবা হায়বসে অকবনি মীংলগা লোইনমক ওইরকপনি। ঈশ্বরদি লোইনা থডই, লোইনা উই, মসে হায়নরিবনি। চাং হায়বসে মরাক্তা শেম্লিবনি। চাং কায়দবা হায়বসে ঈশ্বরনি। অকবা কণ্ডবা অমিনা থজিত্তদা খেন্নববু লাইরবা সুঙাইবা অনিশু থজিত্তদা খেন্নে। ঈশ্বরনা মখোয় অমি থম্লম্লিবনি। ঈশ্বরগী মঙাল কংবদা ইরাই লায়না ওথোকই অমম্ববু মাঙহনবনা অঙানবা কংবগুম অরাববু মাঙহল্লবদি সুঙাইবা কংই। অমম্বাদ লেঙদবনি সুঙাইবা হোংবা নাই। অমম্বদা পোৎ থিরবদি কংবা বায়। অঙানবদা থিরবদি লায়না কংই। খেন্নবিবদি পুক্নিং চালহল্লিবা অচুম্বনি। পাউজেল অসি থম্মচুনা য়েংসি। অমুকী অঙানবা অমদি অচৌববু ঙক্তনা চাং নাইনা। উজবা কংলবদা সুঙাইবা কংগনি। হে অথোইবা খ্রাইদসী হেন্না মমুবা মহাক্কী মতৌবু জীবশিংনা ঙম্বা ঙমত্রা? ঙমলোই জীবশিংনা, মহাক্কী অরেপ্পা অহেনবনি। রাধা-কৃষ্ণ অনিবু থুক্তজরি ঙসি।

অনীংবগী তুঙনকম

ওঁ

TK Singh

— খোমজীনবা —

লমতাগী থানিল্ পূর্ণিমা

লমতাগী ১৫ নি শানবা, থাবা মপুং ফাবা পূর্ণিমা থানিন্ অঙৌবা কুচুনা লৈতেংবা অঙৌবা থানি। গৌর-অঙ্গ, গৌরাঙ্গ, মপুং ফারবা থা থানিন অবানিথোকইমা শুবা, চন্দ্রী অমা লাকপৌবা শজিবুশা থংনবা থা লমতা থা। শাম-না লৈতেংবা অনৌবা অবিবা অনৌবা যেন্নীং চক্রকপা অবিবা মমা কেনপ্রবা অঙৌবা লোইশ্রবা অশাবা মপুং ফারবা মনিল ময়াম শাইবৎখিবা অশাবনা লৈনুংদা চঙলক্লে। অঙৌং-অশা শিন্নার। মতিলনা মৈখুগুম্না উক্লে। সুমিত্রা মনিলনা কুম্মা তোপ-তোপ্পা শক্তম উক্লে। থাদোক্সল্লগা চৎক্লে। অনৌবা মওং থোংক্লে। বসন্ত ওইক্রে। পূর্ণিমা লমতা থা অচামবা থাজনী মায়থোং উবদা অঙাঙবা মায়থোং থোক্লক্লে। নৈনী মচু ওইক্লে। মতম অচুনা যাওশং হায়বা কৌই। থাগী মচু উবদা মীওইবনা নৈ থানবকই। য়াওশং নৈ থাবা হায়বা কৌই। গৌরাঙ্গ শোন্নবে। হরি হরি হায়নৈদো। হোলি হায়মন্ত হায়নৈদো। মচু থুজিংনা লৈতেংলে। অঙাঙবা অশংব-মচিংবা মচু তরেং থোকপল্লে। মচু উবদা মীওইবনা মুংঙাইবে। মখিং কয়া শোন্দুনা হরিনী মামব শোন্দুনা শকপা-শোনবা চৎনৈদো অহল মীনা থাক্তনা হয়াও তেয়ায়ক্লে। মখল কয়াগী অমীংবা মথৌ ওইনা শাঙথোক্লে। লাইফম লাইফম চক্রনা অহল-লম্বন ওইবনা নাম শোন্নরুইদো। মপুং ফাবা মঙাল উবা গৌরাঙ্গ চন্দ্রী শুববা অহল ওইবনা উই। মঙালদি অফবনি অহলদি অখণ্ডবনি। অকবা তৌবনু অহলনা থওই। অহলনা

X—(ii)

য়ারিবশিংসে অকববুনি। অশেংবা হায়বা অচুম্বা চৎপা অহনগী মথৌনি। মসে ভৌরিবনি হায়রিবসিনি। হায়বা ইন্দ্রবহু অশোয়বা ওইরক্কদবনি। মঙালবু মশক খঙলিবশিংঙ্গনা অকবা ওইগনি। শোয়দবনি, শোয়দবা হায়বসে অচুম্বনি। শোয়দনবা ভৌগদবনি। মথৌবু চেকশিনগদবনি। নীংঙ্গ, খল্লু ঈশ্বরবু কাউগদ্ব অচুম্বা চৎপনি। হায়বা ইনগদবনি। পাউ-তাকপু কাউরোইদবনি। কাউদবসে মঙালগী মশক্নী। মঙাল লৈরবা মীওইশিংনা মুংঙাইবা কংই। অবাবা ওইরোই মুংশিবা পোক্কনি। মসে অকবত ভৌগে সেবা ভৌগে নীংনরিবনি। নীথোকপদি মপুং ফাবনি। পুর্ণিমা থানা শীনবা থুংবা মঙাল পীরিবনি। মমাগী গর্ভদগী (নোংমদা) পোক্লকই। নাওয়োম্বা য়োমশিন্দূনা নাওয়োমদগী মপান্দা থোক্লগা মী হায়বহু ওইরে। মী অহু নাওয়োম্বা য়োমশিল্লিভৈ মমল্পী। অমম্বদগী অঙানবা ফাওরক্লে। ঙান লাক্লে খঙবা থৌরে। চহী অমা ফারবদা চৎপা ঙমই। মীওইবদি চহী অমা ফাবদা চৎপা ঙম্লবনিদা চৎপা ঙম্বগী মপুং ফাবা ওইরে। চহী অমা ফাবা মতমদা কৃষ্ণদি গুরুদা মহৈ (কলা, বিদ্যা) তম্বদা মহৈ মপুং ফানা লোইনা হৈখি। থা অমদগী থা ১২ দা চহী অমা ওইরে। চহী অমগী মপুং ফারবা লমম্তা থানি। লমম্তা থাদগী অনৌবা অহা অমুক লাকপ্রনি। শজিবু হায়না কৌখ্রনি। চহী ফারবা পুর্ণিমা থা অথোইবা প্রভু খুরুমজরি ওসি॥

অমাংবগী তুংনফম

ওঁ

T K Singh

খোমজীনবা

পেচকারী

লমতা থাগী ১৬ নি পানবা য়াওশং নিনি চনুবা গোবিন্দদা হোলি কানবা পেচকারী দুমিত্তা পানা মরিগী হোলি কায়কই। মায়কৈ কয়াগী হোলিনা মমাঙ ওন্না লৈবা গোবিন্দগী মন্দিরগী মাগুবতা মায় অমাং ওন্দুনা থুকুম্বরমই। হৰি শোম্লি। ঈশ্বরগী মিংলেন শোন্দুনা ঈশে শক্লে, শাবী-শানৌশিংনা থাবল চোংলৈ। উপাল বাপাল পুম্নমক য়েন্নৌং হুন্নি অরিবা মনা কেল্লগা অনৌবা য়েন্নৌ' হুনকই। অসেম্বগী অমাংবদা বাংখৎলকই। বাখল জ্ঞান হেনগৎলকপা ওইবনি। মসিনা তাকপদি অমাংবা কাখৎল্লু হায়বনি। অাংনবা ঙাল্লু অথোইবা ওইয়ু হায়বনি। চহী চহীগী অকবা অমাংবা কাখৎনবা ওইগদবনি। অরিবা মনা কেনগ্রগা অনৌবা মনা চোংখৎলক্রবদি উ অহু বাংখৎলে। অমাংবা ওইরে অমাংবা বাখল নী'গদবনি। অকবা থবক তৌগদবনি। অস্নুম্না হায়নবম্ভ লৈ. বৃন্দারাণী "তুলসী" হায়না খঙনবা ভুমাংদা থানরিবা অসে চার কৌবদা অমাংলোম্বদা মখায়োমদগী পীনৈ। কৰিগীমো হংলগা গোবিন্দগী মনাক মকপা তাম্নবনি। মহুনা পীবা তৌহৈদে হায়নৈ। অমাংবা কান্নবা অমাংবদা কাবা জ্ঞান লৈবা হেনগৎলকপা লৌশিং হেনগৎলকপা ময়ল-মথুম হেনগৎলকপা মীওইবমা পাম্মি। লমতা থা অমাংবা থানি। অসিগুবা থাবু চহী চহীগী হংজবা তামরিবনি। হৰি কোলোই মিংলেন শোম্-রিবনি। অথোইবা প্রভু থুকুমজবি ঙসি॥

অনীবেগী তুংনকম
ঙ
খোমজীনবা

T. K. Singh

মচু পুন্নঙ্গক্না তিনবা

লমতাগী থা পানথংলকপদগী গোবিন্দদা হোলি কানৈ। শ্রীশ্রীবিজয় গোবিন্দদা ২০ নি পানবা ফাওবা হোলি কানৈ। লমতা থাদা হরিগী কোলোয় শোনৈ। শ্রীশ্রীবিজয় গোবিন্দদা লমতা থাগী ২০ নি পানবা য়াওশংগী তরুকনি চনবা হলহোয় হায়না খঙনবা তুমিত্তা পামা মরিমত্তী হোলি মায়কৈ মায়কৈগী হোলি পুম্নমক বিজয় গোবিন্দদা অতৎ-অথম লৈতনা কায়ক্রুনা হরি শক শোনৈ। শ্রীশ্রীবিজয় গোবিন্দগী খুরুমজরি ওসি।
য়াওশংগী হোলি লোইশিনখি। লমতা থাগী ১৮ নি পানবদা চীংগোট বারুণী লৃপনৈ। নোংমাইজিং চীংদা কানৈ। বারুণী হায়নষ্ম কৌই। চীংমায়গী নোংপোকথংবা মায়কৈদা ঈশ্বরগী খবম অমা লৈ। নোংপোক নিংথৌ, মহাদেব হায়নৈ। খলোং চীংথক নোংমাইজিং চীংখোম্দা নিংথৌরাজশিংগী থাবৈ চূরাচান্দ মহারাজ অমদি বুধচন্দ্র নিংথৌ ফাওবগী থাবৈ য়ুংই। চীংখোঙদা বুধচন্দ্র মহারাজনা গৌরনগর হায়না থোম্দনা প্রশস্ত কাওতনা থোয়। গৌরনগর হায়বশিগী মমাঙ পাংনা চৎলগা মীয়ামনা লুপ্লরিবা চীংঙোই হায়বত্থ লৈ। নোংপোকথংবা চীংমায়দা কাদূনা মহাদেবগী খুবম য়োকই। খলোং তাম্না কাথংলগা চীংগী নোংচুপ থংবা মায়কৈদা কুমথরকই। কুমথরক্লিবা মায়কৈ অহুবু লফু পোকপী হায়না কৌই। চহী চহীগী কানৈ, হৌজিকসু কানরি, নোংপোকনিংথৌ মহাদেব খুরুমজরি ওসি।

অমীংবগী তুংনফম
ও
থোমজাওবা

T K Singh

চীঙ্গোই বারুণী

(বুদ্ধ পূর্ণিমা শেংদোকচবা—চীঙ্গোই বারুণী হুমিত্তা)

কালেন্দগী ১৫ নি পানবা "পূর্ণিমা" হুমিত্তা পূর্ণিমী মহায়দা মৈ পরেং পরেংগী থাউমৈ থাম্বুনা চেং-থোইদিং হৈ-লৈনচিংবা কজহনা থুরুমজবা, জীবশিংগী হাইকনবা থুরুমজবনি। পূর্ণিমা থাদা ঈশ্বরদা মঙাল পীরকপা মতমদা ঈশিংহূদা ইশাবু শেংদোকচবনা তীর্থ পুম্নমক চত্তুনা লুপচকবগী মহৈহু কংজে। বিষ্ণু সেবা তৌজবগী মহৈ কংজে। ইশা ইশাগী অরৈবা পূর্ণিমা থৌরম পাংথোকচবনা হৃমিং অসিনি ইথৌ ওইজে। জাতি অসিনা চংনরকই। চংনখিগনি। শাগৈগী থাদা হায়রকই। অসুম তৌবনা ঐগী পামজবনি। ইবুংঙো মিংথেম পূর্ণিমা মহায়া মৈ পরেং থানববু উবদা—নিংথেম পূর্ণিমা মৈ থাবদা কুমচক্রনা পেঙখি। অম্ভুম্না শেংদোকচবনা চীঙ্গোই ইরুপজুবগী মহৈহু কংই, গঙ্গা, যমুনা, গয়া-তীর্থ পুম্নমক চঙবগী চপ মান্নবা হুমিংসে থুরুমগদবনি। বুদ্ধ গয়াদহু পূর্ণিমা হুমিংসিদা মীয়ামা মৈ কংলি। চীঙ্গোই বারুণী—মীয়োল কয়া ইমাদা শেংদোকপীখিবা অহনা থাজহনা ইমাগী থুয়াদা কয়ারক চঙজহনা ইমাগী গর্ভগৃহদা শেংদোকচরবনি। ঙমিদহু শেংদোকচরি। মতুংদস্থু শেংদোকচখিগনি। হে ইমা "লোক্তাক" ইশা মাপল ভিল্লীবী মচা কয়াবু য়োকপিরিবী। মীওইবা কয়াগী থবাম কনবী-শ্রবী, য়োকপীশ্রবী, ইমানি। হে ইমা লোক্তাক কৌবী লাইরেম্বী, লোক্তাক, লোক্তাক হায়রনা পোজরগা পেঙগেনে হে লোক্তাক,

তীর্থ পুম্নমক্তী অথোইবী ত্রিবেনী, গয়া তীর্থশিংগী চাংদম্নবদু লোক্তাক ইম্নাবা মহেল্লি. মণিপুর ঐগী লোক্তাক হায়বসে ইমানি। ভারত মোংগোল্ডা লৈবীনি। ভারতকী অথোইবী ইমানি। ভারত পুম্বগী ইমানি। ভারত পুম্বগী লাইরেম্বী লোক্তাক ইমানা অথোইবীনি পোক্লকম লমদম ইমানি, পোক্লকম লমদম্না মহেল্লি।

মপুংফাবা নুংশিবা

লৈম্নাংগুম্না শাংকনু, উইহগুম্না পাল্লুরো। উইবনা পাম্নবদা, হৈজিং কানা বুল্লবদা পুম্নমক্না কল্লকই, ঐগী ঐগীনি হায়নীংই। মীওইবনা চেকশিন্নগদবা মতাংদি, মপুং ফাবা হৌরকপসিনি। মীওইবগী শঙ্গ হায়বসে অম্নায়বা নত্তে থনবদা। ইশাসে কয়াম কবগে ঐগী শঙ্গনা য়েংলগা থক্তই। ঐগী শক্তী মখি ঐগী শঙ্গনা তাই। ঐগী তিম্নবীবা মীদা ঐনা বাথল তৌগদবনি। ইমাম্নবা হায়বদি মাম্ন-মাম্নবহুবুনি। অসি থগুনা মীওইবনা চাং মাইনা চৎকনি।

লিংজেন মাম্নবা তাম্নদুনা থবক তৌবা

বামনবদগী অম্নাবা বাথল লিংজেন মাম্নমক্তবা অমনা ভাগুবা অমনা লৌদবা তামদবা থবক তৌবা অশোয়বা থবক চাং নাইদবনা অমাগুবা ওই তাব তাদবা অশাগুবা পোকপনা থবক পাঙথোকপা ঙম্লোই। অরাবতা ওইরকনি, মংলকনি, ওইজবা কবিশ্ন কংলোই। তাম্ন-তাম্নদুনা থবক তৌবা লিংজেন মাম্নবতনা অকবা, নুংঙাইবা পুরকপ ঙমগনি অপূম্নবনা নুংশিবা পুরক্কদবনি। শোয়দবা বাহৈনি অকবনি, অকবা ওইরকনি নুংঙাইরকনি। ঈশ্বরনা চানবীবা ওইরকনি নীংঙ, অথোইবা প্রভু থুরুমজনি ঙসি।

চাং-নাইবা

নুমিৎ থোক্লগা তাল্লকপদি হেক্তা থঙই

নুমিৎ তাথিনি থলহৌদে

নুমিৎতি হেক্তা তাথি

অমম্বা শীন-থুংবা তুপশিনখি।

শেন লাকখিবা থঙই।

লোইথোকখিগনি হায়বদি থলহৌদে

শেনদি হেক্তা লোইথোকখি।

কনায়না লোইখিবনো হেক্তা কাউই

পুক্নীংনা চাং-নাইবা নীংশিংগদবনি

মতম কায়দনা চংলিববুনি।

থবক তৌবদা চাং নাইবা তমগদৌবনি।

পুক্নীং লেপ্না তমগদৌবনি।

নোংমগী মনুংদা পুক্নীংসে মীকুপ ৫ তদি নীংশিংনি।

ঈশ্বর নীংবা হায়বসে কমফম অমনা কয়গা

য়ামদ্রবদা মতম থজিক্তং কাইথোক্লনা

চাং-নাইনা লৈববুনি।

মোংবগী তৌরুবা পুম্নমক নীংশিংনি।

তৌগনবা পুম্নমক থম্বুগনি।

মসিবু লাই নীংবা কৌই।

নীংতৌ কাউগদে রাধা-কৃষ্ণ

থুক্রমজরি চসিন্দ্র

মওং

অপাম্বা পুম্নমকপু থাদোকপা অকনবনি। মৈমা পুম্নমকপু পাযদে, অকবা-কন্নবা, ফজবা-অৎথীবা, পুম্নমকপু চাকথেকই। ঙুং ওলহল্লি অমৌবা মওং শেমই—॥ মতেং পাঙবা কৈ অকনবদি মতেং পাঙপদবনি। অকনবা পুম্নমক্তা মৈন্দ্র অমমি।

মথন্তা লেপচবন্ন অকমবনি। ঈশিংমা মথন্তা লূদূমা লৈরে। অমোংপা কন্তবা উফুল-বাইফূল পুম্নমক্তা মথোম্বা চঙলকপদা উং-বাই পুম্নমক থাদোক্লুনা মথন্তা লূ-লূদূনা লৈরে। অশেংবদি, শেংনা লূনা লৈ। ঈশিংগী অক্লবদি ময়াময়নি। মথন্তা উফুল তাউই। মথাদা লৈমাং লৈ। লৈনুংদা চঙখিল্লুনা মশাগী অশেংবা অমুক কাঙপংলকই। ইনিল ওইনা পাইখৎ-লুনা লৈচিম-লেন ওয়থি। য়ুংতিগী লিক্লা তন্দূনা মোং ওইনা তাই। পুম্নমক থবাক ওইনা শেবনি।

য়ুংশিত্তি য়াম্না য়াঙনা চৎলি। য়াম্না লূমই। য়ুংশিত্তি মকম পুম্নমক্তা শীনবা থুংনা পাই। য়ুংশিং লৈত্রবা মকমদা পুম্নমক মশক ওলহল্লি। কংই। মরু ওইবা থঙপদবা, মৈ, ঈশিং য়ুংশিং থানবা য়াত্রবা মওংনি। পুম্নমকসে অহুম অসিদগী ওইবক্লিবনি। ওইবিগদবনি লেঙদনা লৈবনি। য়ামথংনক্তে তাথদে অহুম লেঙদনা লৈবনি। মপুনা শেম্বনি।

অথোইবা প্রভু থুম্নমজরি, চদি—॥

অমৌংবগী তুংমকম

ঙ

T K Singh. খোমজিমবা

অহৌবা অরোইবা

জীবশিংমা থবায় থাবৱদা যমগী মনাক্তা পুই। জীবশিংবা মহাক মহাক্তা তৌরুবা থবক্তী মওং অদুগী মতুং ইন্না. অফবা তৌবা, ফত্তবা তৌবা থন্দোক থজিন তৌহনা থমই। ফত্তবা শিংদি ফত্তবা মরক্তা অচুম লৈ। অফবাদি মঙালদা লোইনা চিংখি, অরাংবদা শাথংখি। ফত্তবদি মেমথচুনা অনেম্বদা অন্থুম কূমখি। অঙানবাদ অশেংবাদি, ফত্তবাদ অপঙবাদ মসে শৌন্নৌবদি ধর্ম্মরাজনা। ধর্ম্মরাজনা যম, যমুনা, গঙ্গা, ত্রিবেনী, গদাবরি, চিঙ্গোই বারুনী, লোক্তাক ইশামাপল, নিংথেম পুখ্রি, লাইফু ঈশিং পুমুমক্তা মশিনলনা লৈরিবান। মথক্তা হায়ম্ৰিবসে ঈশিংগী লৈকমনি। ঈশিংগী মওংনি। অমোংপা কয়া, অনৈবা কয়া, ফত্তবা কয়া থেংনরুচুমন্ত, ভিন্নরুপরমন্ত, ফত্তবা মরক্তা লৈরুরবন্থু পুমমক থাদোক্লমগা অশেংবা অরুবা হাঙ্বদো হেক্তা ওইখি। ঈশিংদি অচুম্বান অরেপ্পনি। ধর্ম্মরাজ যমান অচুম্বা তৌই। যমুনাদি অশেংবানি, ঈশিং অরুবনি। মোংমা যমগী লৈকমদা হৃদয়মান চংলি, ফত্তনা অচুকপাংবু উবদা ফগমান বৈকুন্ঠবদা "রাম, রাম" হায়না শোল্লুবদা যমগী লৈবাক্তা লৈরম্বা ফত্তবশিংছু অরাংবদা শাথংগনি, অঙানবনাক্তা ওইগনি। রামা হায়বদি অঙানবরুবনি। শিংলবদি অপঙবা লৈতে। অঙানবা লাক্লবদি অমম্বা মাঙখি। হে অঙানবা, অথোইবা প্রভু থুরুমজরি ওদি।

অনৌংবগী তুংনফম

উ

T. K. Singh

খোমজিনবা।

অশেম্বা শা মতুম

মহাত্মা, পূকচেল চাউবা অচৌবশিংনা হায়দোকপ্রবা বা, তৌপ্রবা থবক লানপ্রবদি অচৌবা ওইবা তোকই। তোক্লবদি অচৌবা নত্তে। মহাকী মপূক্লোংনা নীংই, শা মতুম অশেম্বা পাম্বনি তোক্লবনি। অত্তবশিংনা খঙই, খঙইবত্ত অশিংবনি। মাম্না উরপা অকবনি। অচাংদগী অহলবা মুখিং মশীঃ হেন্না চৈ। অত্তশুম্বা অউবা অহৃপা মাল্লনবা হোংনহনা লাইরিক মামা পায়গা লাইরিক মাম্মা তৈরগা স্কোলায়শিংনা হেন্না উবা ওইরে। খঙনা খঙনা খঙহিন্ননবরা? অশেংবা খঙদ্রা? নহাক্না ককথংপ্রবা অরানবা ওইরে হায়বা থবক অতুনা অচম্বা ওইরহনা অমুক হানগুম্না থবক্তু তৌরে। মতু ওইরবদি মহাত্মা পূকচেল চাউবা ওইদরে। অচৌবা মঙনী ওইরিবদো থাদোকফম থোকএ। মথক্তা হায়ত্রিবা বা অহ মহাক অমা ওইরে, করম্বা ওইনোংই মহাকী অপাম্বত্ত ওইত্রু। সহরগী বারী অমা, মতম ১৯৮৫। শোয়খিবনা লাইবক থীবা ওইরে। ঈশ্বরনা চানবীবা ওইদে। মরাল ফংলবা ওইদ্রে। নশাদি লানদে হায়না নীংবম্ব মাই। আইনবদি লাল্লি হায়না হায়রে। শোয়দনবা ঈশ্বরনা থৌজাল-পীবা ওইসহ্র। চেকশিনবা হায়বসে ঈশ্বরগী থৌজাল ফংলবনি। চেকশিনগদবনি। ঈশ্বরবু নীংউ। অথোইবা প্রভু খুরুমজরি চসি।

অনীংবগী ভুংনকম

ওঁ

T. K. Singh


খোমজিনবা

মতম মতমগী মহৈ

য়ুম থুদোংদা লশিং ফংলম্মী। লশিংনচিংবা লাইনা হৌরম্মী। মোইথাপ নাইরম্মী মোইথাপ নাইবা হায়বসে থুংলাই য়াম্না চঙই। লশিংদনী লং ওনহনবনি। মশানা কি শাহনা শিজিন-নরম্মী। মশা মশামা শূজবা থবক্তা মশাগী মরূপ-মহৈগী চঙশনবা পোংশিং বাংঙনবা হোংনরম্মী। লৈজবা পোংনা লেল্লম্মী, মতমচুপী মৌনি। কপক্রেংনা লাশিং চপথায়। লশিং চপথায়রবগী মখোয়না পূমনিল নিম্মী। লশিং কাপোন্দা লশিং হাপ্রুনা চুইজিনা লশিং কাপ্পী। ল'জোম অমনা মোইথাপ তাপাপ্লা তরেংনা লং লাই। লং ওনহনবদু লং লাইবা কৌই। তরেং মরোং, মরোংনা শাবা পোং অমনি। মরোং অচুদা কোককাই য়াওই। মাস তুম্বানা শাবা অকোয়বা পোং অমনি। কোককাই অচুদা লংচুম লেমই। মোইথাপতগী লং ওল্লো তঙংনা লংচুমদগী লংথাই ওনহল্লি। লংথাইদগী লংচাক চাক্তুবা কি শাই। কি শাবা মহৈ হৈবা মী হায়না লৌই। থুংলাই ময়াম অসি শাখিবা মী অসি মহৈ মহৈবা মীমক্কনি। থুংলাই ময়াম অসি শাবদা মহৈ ওইনা তয়রম্মী। থুংলাইশিং অসি অমত্তং শোয়রবদা মোইথাপ লাইবা য়াদে। তরেং মরোংতা লংহি অমা পাল্লি। মচু তাবদা মতম চঙই, খোইরু, খোইনোং হাপ্রুনা তায়। তরেং মরোং শাবসু শিনরুম অমা ওইরম্মী। মতম মতমগী মহৈ তম্বা খেংনৈ। মতম অমদি থুংলাই শাবসুদু মহৈ তম্বা ওইরম্মী। মহৈ হৈবা হায়বসে মথল মথা য়ামই

মীওইবনা অমা নত্রগা অমা হৈদবা যাবগদে, কেপহনি। অদুবু মযোং মাইবা য়াত্রগা শাবা মহাক অদু শাবা হৈত্র হায়না লৌই। শীজিন্নরিবা মীন মহাকী পোং অদু অমুক শীজিন্নবনি; মহাক অদু মহৈ হৈবা মী ওইরে। মহৈ হৈবা হায়বদি চৎনবা য়াবা পূখোরক্লবা, পোংশিং অদু শাগৎবা, মখায়া শীজিন্নরা য়ারবা মদু ওইরবদি অহৈবা লৌরে। য়াম্না তম্নুহনস্ত, হৈরে হায়হুনস্ত শীজিন্নরবা, তৌত্রবদি মদু হৈতবগা মাথৈ। কাম্নবা পোং ওইরে। কাম্নরবদি অমাতবা পোং হাংগদু ওইরবনি। শীজিন্নৌ, চংনজম্নু। শীজিন্ননবা পোং তশোকপ্ত। পুন্নমকী কহন্নু। মহৈ হৈবা ওইগনি।

শীজিন্নগনবা পোংগু মহৈ ওইনা তমগদবনি। তম্নগা কাম্নগদবা, খাম্না হৈরগা অকবা ওইরকদবা শুগুবা পোং অদুবু মহৈ ওইনা তমগনবনি। শিনথম ওইবদা মীয়ামগী কাম্নবা ওইগদবা শুগুবা শিন অদুবু মহৈ কৌই। মহৈ চাগদবা শাম্বী থাবগা মহৈ অদু শাল্লগা চাব। মহৈ হৈরবদি কাম্নবা কংগদবনি। বাস্ত-পাদনা লোইনা লৈরবা, শোয়দবা মহৈ হৈবা কৌরে। মীকী শোয়দনা থুংগনি। অখোইবা ওইগনি। অখোইবা প্রভু থুকমজরি চাস



অনীংবরী ভুংমবম

ওঁ

খোমজিনবা

T K Singh